**ইন দ হায় কোর্ট ওফ মনিপুর**
**এট ইম্ফাল**
**দব্লিউ. পি. (সি) ন: ৬৪৯ ওফ ২০০৮**

শ্রী অচোম থম্বালঙৌ সিংহ, চাউরাক্লা চহী ৪৪ মুক শুরবা, কনস্টেবল ন: ৮২১০০৯ ওইবা (থবক্তগী লৌথোক্লবা), অপোকপা এ. অঙৌ সিংহ, লৈফম্না থিয়াম খুঙ্গং, পি. ও. অমদি পি. এস. নম্বোল, সিস্ত্রিক, বিষ্ণুপুর, মনিপুর।

**... পিটিস্নর**

**-ভর্সেস-**

১. দ স্টেট ওফ মনিপুর, মহুৎ শিল্লিবনা দ প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, হোম, গর্ভনমেন্ত ওফ মনিপুর।

২. দ দিরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস, মনিপুর, ইম্ফাল।

৩. দ সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, ইম্ফাল ইস্ট দিস্ত্রিক্ত, মনিপুর।

৪. দ সব-দিভিজেনল পুলিস ওফিসার, পোরোম্পাৎ, ইম্ফাল ইস্ট দিস্ত্রিক্ত, মনিপুর।

**... রেস্পোন্দেন্তস**

**বিফোর**
**ওনরেবল মিস্তর জস্তিস এন. কোটিশ্বর শিংহ**

| | | |
|---|---|---|
| পিটিস্নর গী মাইকৈদা | : | মিস. ববিতা টি. ঐছ. এডভোকেট |
| হিয়ারিংগী তারিখশিং | : | ১৪-০৫-২০১৭, ১৬-০৫-২০১৭ অমদি ২২ ০৫-২০১৭ |
| জজমেন্ত রির্জাব তৌখিবগী তারিখ | : | ২২-০৫-২০১৭ |
| জজমেন্ত অমদি ওর্দর তাখিবগী তারিখ | : | ২০-০৬-২০১৭ |

# জজমেন্ত অমদি ওর্দর (সি এ ভি)

১.	পিটিস্নর গী মায়কৈদা লেপ্লিবা লর্নেদ কাউন্সেল মিস ববিতা টি. ঐছ অমসুং রেস্পোন্দেন্তস শিংগী মায়কৈদগী লর্নেদ জি. এ. ওইরিবা মিস্তর ঐছ. সমরজিৎ গী ৱারোলশিং তারে।

২.	পিটিস্নর অসিনা মহাক্কী মথক্তা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং চথুদুনা মহাকপু তারিখ ২২-০৫-২০০৩ দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না থবক্তগী লৌথোকখিবা অসিবু ককথৎপীনবা হায়দুনা আর্টিকল ২২৬ গী মখাদা কোর্ট অসিদা রিট পিটিশন অসি থারক্লি।

৩.	তারিখ ১-৯-১৯৮২ দা মনিপুর পুলিস দা রেগুলর বেসিস দা কনস্টেবল অমা ওইনা পিটিস্নর অসি থবক চঙখি। মদুগী মতুংদা মহাকপু চান্দেল দগী ইম্ফাল ইস্ট দিস্ত্রিক্ত দা ট্রান্সফর তৌরবা মতুংদা তারিখ ৩০-১২-১৯৯৯ দা মহাকপু "দিলুজনেল দিসওর্দর" না নাবদগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) দা লাইয়েং চথুবদগী মহাক থবক লাকপা ঙমখিদে হায়না মশানা হায়রি। মসিদগী ফগৎলকপা মতুংদা মহাকপু য়েংলিবা ডাক্টর না তারিখ ১-৫-২০০২ দা পীরকপা মেদিকেস সর্তিফিকেৎ অমদি অতৈ চে-চাংশিং হাপ্লদুনা মহাক অমুক থবক্তা জোইন্ত তৌন্নবা হায়জরকখি। হায়রিবা মতম অসিদা তারিখ ৭-৫-২০০২ দা  ইম্ফাল ইস্ট দিস্ত্রিক্ত গী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস না পিটিস্নর অসিবু সসপেন্দ তৌবগী ওর্দর থোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মথক্তা ইনক্বারি পেন্দিং লৈরগসু তারিখ ২৬-৭-২০০২ দা এস.পি., ইম্ফাল ইস্ট না থোকপা ওর্দর অমগী মতুং  ইন্না মহাক্কী সসপেন্সন অসিবু অমুক হঙ্গৎহন্দুনা অমদি দিপার্টমেন্ট গী মী ৱাৎপদগী মহাকপু অমুক থবক তৌবা য়াহনখি।

৪.	দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি চথুদুনা পিটিস্নর গী মথক্তা চার্জশিংগী মেমোরেন্দম পীখি অদুগা মদুগী ৱারোলদি মহাক্না মথক থোংবশিংদা মাঙজৌননা পাউ পীরমদনা অমসুং অয়াবা য়াওদনা নুমিৎ ৮৪৬ হায়বদি তারিখ ১৩-১-২০০০ দগী ৭-৫-২০০২ ফাওবা অসি থবক কারকখিদবগী মরাল শীরি।

মহাক্কী দিফেন্স দা পিটিস্নর মশানা মহাক লাকখিদবা অসিবু য়াজরদুনা লাকখিদবগী মরম অসি মীওইবা অমগী শক্তিগী ৱাংমদা লৈবা ৱাখলগী লায়না না নাবদগী তৌবনি হায়খি। অমসুং মদুগী মতাংদা রিমস দা লাইয়েংখিবগী মরি লৈনবা চে-চাংশিং পুথোক্লদুনা মহাকপু অহকপা চৈরাক পীবিদনবা অমদি থবক্তগী লৌতোকপীদনবা হায়জরি।

৫.	অদুবু পিটিস্নর অসিনা শেংদোকচবশিং অসিদা পেন্দ্রদুনা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না ইনক্বারি ওফিসর অমা খল্লদুনা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি চথুখি অদুগা মহাক্না পীখৎলকখিবা রিপোর্ট গী মতুং ইন্না পিটিস্নরদা শীরিবা মরালশিং অসি চুল্লমখি।

হায়রিবা ইনক্কারি রিপোর্ট অসিগী কোপী পিটিস্নরদা পীরদুনা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না রিপোর্ট অসিদা য়ানিংবা উৎলদুনা মঙোন্দা পীগদবা দন্দি গী মতাংদা খন্নরগা তারিখ ২২-৫-২০০৩ দা তাখিবা অরোইবা ওর্দর অমনা পিটিস্নর বু থবক্তগী লৌথোক্লবা হায়খি।

৬. মদুদি হায়রিবা রিট পিটিসন অদিগী দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংশিং অমদি মহাকপু থবক্তগী লৌথোক্লকপগী ওর্দর অসিদা কন্না য়ানিংদবা উৎলি। তৌইগুম্বসুং, পিটিস্নরগী কাওন্সেল ওইরিবী মিস ববিতা টি.ঐছ. না পিটিস্নর দা মহাক্কী মরালগীদমক পীরক্লিবা দন্দি অসি য়াম্না শাথিনা চুনবা ৱাৎলি হায়না থম্লক্লি। মরমদি পিটিস্নর মশা অসি হকচাং য়াম্না শোন্থহনবা ৱাখলগী লায়না না নাবনি অদুগা মসি মহাক্কী শক্তিগী ৱাংমদা লৈবা মরম্না হায়রিবা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপা অসিগী মহুত্তা থবক্তগী পোথাহল্লগা মহাক্না চহী ২০ হেন্না থবক তৌরম্বা অসিগী য়েংলগা পেন্‌সন গী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হায়জরি।

৭. স্টেট গী রেস্পোন্দেন্তশিংনা হায়রিবা পিটিসন অসিবু শীংনরদুনা মশা অসিদি থবক্তগী তোয়না লাক্কন্দবা হায়বদি হেবিচুয়েল এবসেন্তি অমনি হায়বা ৱাফম থম্লক্লি। মখা তারকপদসু অসুম্না হায়রি মদুদি করিগুম্বদা পিটিস্নর মশা অসিনা দিপুতি লাকপা ঙমদবা য়াওদবসু মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মফমদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী খুত্থাংদা ওইরবসু ঈ-পাউ খঙহল্লকপা লৈখিদে অদুগা অহোয়নদুম লিভ লৌদনা চহি ২ হেন্না থবক কারককখিদে হায়বা অসিনি। অদুগা হায়রিবা অয়াবা য়াওদনা থবক কাখিদে হায়বা অসিদা পিটিস্নরনসু য়াজরে অমসুং অসিদা পিটিস্নরনসু য়াজরে অমসুং চত্থখিবা দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংশিংদা অরান-অহুই থোইদোকপা য়াওখিদবনা মরম ওইরগা হায়রিবা রিট পিটিসন অসি ককথৎখিবা য়াই হায়বা অসিনি।

৮. মহাক্কী হায়জরকপা অসিবু হেন্না মপাঙ্গল হাপন্নবা পিটিস্নরগী কাওন্সেল মিস ববিতা না দব্লিউ. এ. ন: ৫১৫/২০০৫ (জি এ য়ু)/২১ ওফ ২০০৭ (আই এম পি) [রনবীর সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ফোর অর্দস], দব্লিউ. পি. (সি) ন: ৫৪৭ ওফ ২০০১ [রনবীর সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ফোর অর্দস] হায়রিবা কেসশিং অসিদা কোর্ট অসিগী দিবিজন কেসশিং অসিদা কোর্ট অসিগী দিবিজন বেন্চ না তাখিবা কমন ওর্দর অমবু পল্লি।

৯. চত্থরিবা কেস অসিদা পিটিস্নর গী মথক্তা মথৌদগী লৈথোকপা, দিয়্যুতি তৌরিঙৈদা নিশা শীজিন্নবা, খৎন-চৈনবা অমদি চরাংনবা থোকহনবগী মরালশিং শীরি। অদুনা মহাকপু দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি তৌরবা মতুংদা থবক্তগী লৌতোকখিবনি। অদুগা চেয়রমেন-কম-মেনেজিং দিরেক্তর, কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ এন্দ অনাদর ভর্সেস মুবুল কুমার চৌধরি এন্দ অর্দস, এ আই আর ২০১০ এস সি ৭৫ অমদি সুরেন্দ্র প্রসাদ শুকলা ভর্সেস স্টেট ওফ ঝারখন্দ, ২০১১ (৮) এস সি সি ৫৩৬ হায়রিবা কেসশিং অসিদা তাখিবা রাই গী মতুং ইন্না করিগুম্বা পীরিবা দন্দি অদুগা মরাল অদুগা চুনদ্রবদি কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা য়াই হায়না হায়রি। মরম অদুনা পিটিস্নর অসিনা

চহি ১৪ দি মথৌদা অমকপা অমত্তা লৈতনা থবক তৌরম্লগা মহাক্কী মথক্তা পীরিবা দন্দি তৌরম্লগা মহাক্কী মথক্তা লৈতনা দন্দি অসি চুনবা ৱাৎপদগী কোর্ট না মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপা অসিগী মহুত্তা থবক্তগী পোত্থাহন্দুনা কান্নবশিং পীগদবনি অদুগা কেস অসি মতম কুইনা শাংনা চত্থরকপা ওইবনা মখা তানা অমুক মরি লৈনবা মেদিকেল সর্তিফিকেতশিংসু পীশিনখি। অদুবু মহাক্না লাকপা ঙমখিদবগী ৱারমশিং অসিবু দন্দি পীরমদাইদা মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংনা খন্নখিবসু লৈতে অদুগা রিজেক্ট তৌখিবসু লৈতে অদুগা মহাক্কী মরালগীদমক পীরিবা দন্দি অসিসু চুনদে হায়না মিস ববিতা না ফোঙদোক্লে।

১০. অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিং অসিদা স্টেট গী কাওন্সেল না অয়েৎপা পীরদুনা অসুন্না হায়রি মদুদি রিট পিটিসন (সি) ন: ৬০২ ওফ ২০১৩ (এম. দি ৱাইজুদ্দিন ভর্সেস স্টেট ওফ মনিপুর এন্দ অর্দস) হায়রিবা কেস অসিগী পিটিস্নর বু নুমিৎ ৬১ নি থবক কারক্তবগী থবক্তগী লৌথোকখিবদা কোর্ট অসিনা খুৎ থিংজিনখিদে। মতৌ অসুম তৌদুনা হান্না খুৎ থীংজিনখিদ্রগা চহী ২ হেন্না থবক লাক্তবগী মতাং অসিদদি কোর্ট না খুৎ থীংজিনবগী মথৌ তাদে হায়না হায়রি।

১১. হিয়ারিং চত্থবা মতমদা থোক্লকপা পিটিস্নর অমদি ষ্টেট রেস্পোন্দেন্ত অনীমক্কী মায়কৈদগী য়ান্নরবা মরু ওইবা ৱাফমদি চত্থরিবা কেস অসিগী মতাংদদি কোর্ট না রনবীর (সুপ্রা) গী মতাংদা খুৎ থীংজিনখিবা অদুম হায়না তৌগদ্রা নত্রগা ৱহিজুদ্দিন (সুপ্রা) গী মতাংদা করিমতা য়াওদনা লৈখিবা অদুম হায়না তৌগদ্রা হায়বা অসিনি।

১২. পীখৎলকখিবা ৱারোলশিং অসি য়েংলগা মতুংদা পিটিস্নর গী মরালগীদমক পীরিবা দন্দি অসি য়াম্না শাথিনা চুনবা ৱাৎপ্রা অদুগা করিগুম্বা চুনবা ৱাৎলবদি মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপগী মহুত্তা থবক্তগী পোত্থাহনবনা শীন্দোকপীনবা হায়জরকপা অসি চৎনবা য়াগদ্রা নত্রগা ৱহিজুদ্দিন (সুপ্রা) গী কেস দা তৌখিবা অদুগুম্না তৌগদ্রা হায়বা অদু কোর্ট অসিনা মুন্না খন্নখিগনি।

১৩. এডমিনিস্ট্রেটিভ ওইবা থবকশিংগী জুদিসিএল রিভিয়ু চত্থবা মতমদা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি চৎনবগী মতাংদা, মরুওইনা ভারত গী সর্ভিস জুরিপ্রুদেন্স গী ওইনদি রেস ইন্তিগ্রা ওইদ্রে।

১৪. ইকাইখুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না মমাংদা তাখিবা রাইশিংবু য়াম্না চম্না য়েংলুরগদি প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি হিন্দ কন্সট্রক্সন এন্দ ইন্জিনিয়ারিং কো এল. টি. দি. ভর্সেস ৱার্কমেন (১৯৬৫) ২ এস সি আর ৮৫: এ আই আর ১৯৬৫ এস সি ৯১৭ হায়রিবা কেস অসিদা শীজিন্নবা থেংনখ্রে। হায়রিবা কেস অসিগী মতাংদা করিগুম্বা পীরিবা দন্দি অদু মরালগা য়েংনবদা য়াম্না শাথিনা চুনবা ৱাৎপা তারবদি শীশক অদুগী হান্নগী লমচৎ-শাজৎ পু য়েংলগা অমদি ৱাখল মুন্না

খন্থবা ইমপ্লোয়র অমনা মান্নবা মতাংদা অদুগুম্বা দন্দি পীরোইদবা তারগদি তারিবা দন্দি অদুগী মতাংদা খুৎ থীংজিনবা য়াই হায়বা অসিনি।

হিন্দুস্টান স্টিল্স এল. টি. দি ভর্সেস এ. কে. রোই (১৯৬৯) ৩ এস সি সি ৫১৩ হায়রিবা কেস অসিদা ইমপ্লোয়র অমনা ইমপ্লোয়ী অমবু থবক্তগী লৌথোকপা ঙম্বগী শক্তিদা অথিংবা খরা থমখ্রে। সর্ভিস দগী টর্মিনেট তৌবা অমদি দিসমিস তৌবা অনিমক্তা ইন্দস্ট্রিয়েল এদজুদিকেসন না মতেং পীবা ঙম্বগী শক্তি পাই। সর্ভিস দগী টর্মিনেট তৌবগী মতাংদা মদুদা মালাফাইদ নত্রগা কলরেবল ওইরবা অদুগা দিসমিস তৌবগী মতাংদা করিগুম্বা মদুনা তাথি-তাওইনা তৌবিরব্রা নত্রগা মীচঙ-মীখাই নাইবা মতৌ উৎলবা নত্রগা নেচরেল জস্তিস গী প্রিন্সিপল্স খোঙ্গাওনরবা নত্রগা আইন্না য়াদ্রবা নত্রগা মরম চাদ্রবা ওইরবদি মসিগুম্বা মতাংদা ত্রিব্যুনেল অসিনা চেন্নরিবা  ইমপ্লোয়ী অদুবু অমুক থবক হঙ্গৎহনবা নত্রগা মতেং পীবা ঙম্মি।

মেনেজমেন্ট ওফ দ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন চেম্বরস ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দস্ট্রি ভর্সেস ৱার্কমেন (১৯৭২) ১ এস সি কনস্ট্রক্সন (সুপ্রা) দা লৌখিবা ফিরেপ অদুগা মান্নবা মওংদা লৌখি।

হায়রিবা প্রিন্সিপল অসিমক রমা কান্ত মিশ্রা ভর্সেস স্টেট ওফ য়ু. পি. (১৯৮২) ৩ এস সি সি ৩৪৬ দা অমুক হঞ্জিন্না হায়খ্রে মদুদি পীগদৌরিবা দন্দি অদু মীওই অদুনা মথৌ নীংথিনা তৌবদগী ওইগদবনি অদুগা মতুংদা লমন খুন্নীংবগী ৱাখল পোকহন্দনবা নিয়ম চুন্না, মীচঙ-মীখায় নাইদনা, মীওই পুন্নমকপু মিৎয়েং মান্ননা য়েংবা ওইনা পীরিবা দন্দি অদু মরালগা চুনবা ওইগদবনি অসিনি। মমাংঙৈদদি মেনেজমেন্ট না তাখিবা রাই দা কোর্ট না মশাগী ওইবা ৱারেপ্পা মহুৎ শিনবগী শক্তি লৈরমদে। অদুবু ইন্দস্ট্রিয়েল দিসপ্যুটস এক্ট গী সেক্সন জুরিসদিক্সন পাকথোক চাউথোরকপদগী হান্না তাখিবা রাই অদুসু মহুৎ শীন্দোকপা ঙম্লে। অমসুং আর্টিকল ৩৬ গী মখাদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না অমুক লেবর কোর্ট অসিনা তাখিবা রাই অদু নিয়ম চুন্না তৌখিব্রা অদুগা পীরিবা দন্দি অদু য়াম্না শাথিনা হেন্না  নত্রগা চুনদবা ওইরোসদবনি হায়না হায়খি।

ভগত রাম ভর্সেস স্টেট ওফ ঐছ. পি. (১৯৮৩) ২ এস সি সি ৩৩২ দা  ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না অসুম্না হায়খি মদুদি দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি তৌবগী পান্দমদি দন্দি পীবা ওইরবসু কীগদৌরিবা দন্দি অদু মরাল অদুগা চুনবা ওইগদবনি অদুগা করিগুম্বা দন্দি অদু চুনদ্রবদি মদুনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ বু খোঙ্গাওনবনি অদুগা আর্টিকল ১৩৬ গী মতুং  ইন্না কোর্ট না  খরা হন্থবা দন্দি ওন্থোকপা য়াই করিগুম্বা হীরম অসি ত্রিব্যুনেল দা অমুক থাবা মতমদা মদুনা চয়েৎনবা অদুবু হেন্না থিন্থহল্লবা অদুগা পার্টিশিংগী ইন্তরেস্ট দা তাবা রাই ওইদ্রবদি। অদুগা হায়রিবা কেস অসিদা মরালগী মতুং ইন্না অমদি থোইদোকপা অমাঙবা লৈতবনা মরম ওইরগা মতুংদা ইনক্রিমেন্ত লাকপশিংবু ফাজিনবা হায়না দন্দি তাখিবগা লোয়ননা টর্মিনেশন ওর্দর অদুবু ককথৎখি।

ভেদ প্রকাশ গুপ্তা ভর্সেস দেলতন কেবল ইন্দিয়া (পি) এল. টি. দি. (১৯৮৪) ২ এস সি সি ৫৬৯ হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুন্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হিন্দ কনস্ট্রক্সন (সুপ্রা) গী কেস অদুবু পল্লদুনা অসুন্না হায়রি মদুদি আপিলেন্ত দা পীরিবা দন্দি অসি য়াম্না শাথিনা চুনদে অদুগা দায়ত্ব লৈবা ইমপ্লোয়ী অদুবু দিসসিম তৌবগী দন্দি পীফম থোক্তে হায়বা অসিনি।

১৫. মতাং অসিদা খঙজিন্বা য়াবদি মথক্তা পনখিবা কেসশিং অসিদি ইন্দস্ট্রিয়েল দিসপ্যুটস এক্ট, ১৯৫৬ গী মখাদা ৱার্কমেনশিংগী সর্ভিসদগী দিসমিস তৌবা নত্রগা লৌথোকপা নত্রগা টর্মিনেট তৌবগী মতাংশিংগা মরি লৈনৈ। তৌইগুম্বসুং, কেসশিং অদুদা শীজিন্নখিবা প্রিন্সিপলশিং অদু চত্থরিবা পিটিসন অসিগা মরি লৈনগনি।

১৬. রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (১৯৮৭) ৪ এস সি সি ৬১১ হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট মার্সিয়েল তৌবগী মতাংদা তাখিবা ফাদোক্তা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি ইকায়খুন্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না থেংনখ্রে। হায়রিবা কেস অসিদা জুদিসিয়েল রিভ্যু গী পাক শনবগী মতাংদা তাক্লদুনা কোর্ট না হায়রি মদুদি পীগদৌরিবা দন্দি অদু মরাল লাল্লিবা মীওই অদুগী মরালগা মতিক-মপা চাবা ওইগদবনি হায়বসিনি। মদু য়াম্না কনবা অদুগা মদুনা তুংদা লমন খুন্নিংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লোইদবনি অমসুং মতিক-মপা চাদবা, মীচঙ-মীখাই নাইবা পোকহল্লোইদবনি। মখা তারকপদা জুদিসিয়েল রিভ্যুগী শরুক অমা ওইনা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতুং ইন্না কোর্ট না তাখিবা রাই অদু অরান-অশোই য়াওরবদি শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াগনি। হায়রিবা রাই অসিমক কাউন্সিল ওফ সিবিল সর্বিস য়ুনিয়ন্স ভর্সেস মিনিস্তর ফোর দ সিভিল সর্ভিস গী কেস গী মতুং ইন্না ইরেসনালিটি অমদি পরর্ভসিতি অসি জুদিসিয়েল রিভ্যু তৌন্নবগী মচাক ওই হায়খি। মখা তানা, ইকায়খুন্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না ভগত রাম ভর্সেস স্টেট ওফ হিমাচল প্রদেস হায়রিবা কেস অসিদা তাখিবা রাই পল্লদুনা অসুন্না হায়রি:

> "তারিবা দন্দি অদু মরালগী মতুং ইন্না ওইগদবনি অদুগা করিগুম্বা চান্নদবা তারগদি মদুনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ বু খোঙ্গাওনবা ওইগনি হায়বসি অচুম্বনি।"

৯. (১৯৮৪) ৩ দব্লিউ এল আর ১১৭৪ (ঐছ এল)

১০. এ আই আর ১৯৮৩ এস সি ৪৫৪ : (১৯৮৩) ২ এস সি সি ৪৪২

১৭. রঙ্গস্বামী ভর্সেস স্টেট ওফ টি. এন. ১৯৮৯ সপ্লি (১) এস সি সি ৬৮৬, স্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস সমরেন্দ্র কিশোর ইন্দৌ (১৯৯৪) ২ এস সি সি ৫৩৭ অসিনচিংবশিংদা তাখিবা রাইশিং অদুবু অমুক খন্ন-নৈনরবা মতুংদা বি. সি. চর্টুবেদি ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (১৯৯৫) ৬ এস সি সি ৭৪৯ দা ওনরেবল সুপ্রিম কোর্ট না পল্লিবা আইন অদুবু অমুক রিভ্যু তৌরদুনা আপিলেন্ত ওথোরিটি না আপিল থারকপদগী দিসিপ্লিন থম্মনবা শাখি-শাবোন শিংবু য়েংননবা শক্তি

পীরি। অদুগা মখোয়না লংজখিবা মরালগীদমক তাগদবা দন্দি অদুবু পীবা ঙম্বগী শক্তি। অমসুং জুদিসিয়েল রিভ্যু চথবা মতমদা হায় কোর্ট/ত্রিব্যুনেল না তাখিবা রাস অদুবু মহুৎ শীঞ্জিনবা য়াদে অদুগা করিগুম্বা মতমদা হায়রিবা দন্দি অসিনা য়াম্না অঙকপা অমা পোকহনবা তারবদি ওথোরিটি না তাখিবা ফাদোক অদুগী মতম তেনশিনহনবা নত্রগা দন্দি অদুবু মহুৎ শীন্দোকপা য়াবগী অয়াবা লৈ।

১৮. *স্টেট ওর্ব কর্নাটকা ভর্সেস ঐছ. নাগরাজ* (১৯৯৮) ***৯ এস সি সি ৬৭১*** হায়রিবা কেস অসিদা দন্দি পীবা মতমদা হায়রিবা দন্দি অদু চৎনবা নিতি-নিয়ম গী ৱাংমদা অমদি মোরেল স্টেন্দর্দ বু ঙাক্না চত্তবা তারবদি প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসিবু চৎনহনবা য়াই। অদুগা ঐছ. নাগরাজ (সুপ্রা) না হায়রিবা অসি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস জি. গনয়ুথম (১৯৯৭) ৭ এস সি সি ৪৬৩ দা পানখি।

১৯. গনয়ুথম (সুপ্রা) দা ওনরেবল সুপ্রিম কোর্ট না ৱেদনেসবরী টেস্ট অসিবু পান্দুনা জুদিসিয়েল রিভ্যু গী পাক শনবা অসিবু য়েংলগা মতুংদা কোর্ট গী প্রাইমারি অমদি সেকেন্ডরি ওইবা মথৌশিংবু মচা খাইনা খায়দোকখি।

হায়রিবা কেস অসিদা সেন্ত্রেল এক্সাইজ ওফিসিয়েল অমনা সরকারদগী ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা রিভ্যু হাইহৎখিবদগী মহাক্না থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মদুগী দন্দি ওইনা পেন্সন অমদি গ্রেটুয়টি গী চাদা ৫০% খক্তমক ফংহনখি অদুবু মদুদা হায় কোর্ট না অমুক খুৎ থীংজিল্লকপা অদু সুপ্রিম কোর্ট না অমুক "এক্সেপসনেল এন্দ রের কেস" দা "শোক্স দ কন্সাইন্স ওফ দ কোর্ট" ওইবা মতাংদা কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা য়াই হায়রদুনা অমুক হঙ্গৎহনখি।

চৎনবী ওইনা জুদিসিয়েল রিভ্যু অসিদি ফিরেপ লৌবা অদুবু নত্তে, ফিরেপ অদু লৌরকপদা চঙবা খোঙথাংশিং, মদুগী আইন্না য়াবা অমসুং য়াদবা অদুবুসু কোন্সিল্লি। অমসুং জুদিসিয়েল রিভ্যু অসি হীরম অহুমগী মখা পোনগনি।

মদুদি:-

(i) ইল্লিগেলিতি : মসিনা তাকপদি ফিরেপ লৌরিবা মীশক অদুনা মহাক্কী ফিরেপ অদুবু থবক ওইনা ওন্থোক্কদৌরিবা আইন অদুবু মুন্না খঙবা মথৌ তাই।

(ii) ইরেসনালিতি, মিং ওইনা পল্লবদা ৱেদনসবরী অনরিজনেবলনেস।

(iii) প্রোসিদুরেল ইমপ্রোপ্রাইতি।

(টাটা সেলুলর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, (১৯৯৪) ৬ এস সি সি ৬৫১)

ৰেদনেসবরী অনরিজনেবলনেস না করিবু খঙনবগে হায়বগী মতাংদা লোর্দ দিপলোক্না য়াম্না মমং চৎপা অমদি তোয়না পন্নবা কাউন্সিল ওফ সিবিল সর্বিস য়ুনিয়ন্স ভর্সেস মিনিস্তর ফোর সিভিল সর্বিস, (১৯৮৫) ১ এ সি ৩৭৪ দা অসুম্না হায়রি :

"ইরেসনালিতি" হায়বদি হৌজিক্না ময়েক শেংনা "ৰেদনেসবরী অনরিজনেবলনেস" (এসোসিয়েটেদ প্রোভিন্সিয়েল পিক্চর হাওসেস লিমিটেদ ভর্সেস ৰেদনেসবরী কোর্পোরেসন) হায়না হায়রবা অসিগী ৱাহন্থোক্তি য়াম্না মওং মরিল তাদবা ফিরেপ ওইবা অদুগা মদুনা হান্নগী চৎনবা য়ানবা মোরেল স্টেন্দর্দশিংবু খোঙ্গাওনবা অদুগা মসিগুম্বা ফিরেপ অসি মশাগী জ্ঞান নীংথিনা তাবা মীওই অমত্তনা লৌরোইদবা ফিরেপ ওইবা অদুবুনি।'

৩১: (১৯৪৮) ১ কে বি ২২৩

হান্না লৌনবা ৱাফমদি কোর্ট না মশাগী প্রাইমারী ওইবা মথৌবু তৌবা অদুগা ফন্দামেন্তেল ফ্রিদম গী কেসশিং লাকপা মতমদা ফন্দামেন্তেল ফ্রিদম কদায় ফাওবা পীগদগে অমসুং অথিংবা কয়াম-য়াম্না থমগদগে হায়বগী মতাংদা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিতি অসিবু শীজিন্নগনি। তৌইগুম্বসুং, সেকেণ্ডরী মথৌ তৌবা মতমদা কোর্ট না শুপ্নদগী ৰেদনেসবরী টেস্ট অসিবু শীজিন্নবা খক্তা ওইগদবনি। লিগেল ওইবা শরুকশিংদি ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না শম্লপ্পা মখাদা অসুম হায়না হায়রি :-

"৩১. ইংলেণ্ড অমসুং ইন্দিয়াগী এডমিনিস্ট্রেটিভ লো দা প্রোপোর্সনালিটি গী হৌজিক ওইরিবা ফিভম দি মখাদা অসুম্না শম্লপ্পা পীরি :-

(১) এডমিনিস্ট্রেটিভ ওর্দর নত্রগা ষ্টেট্যুটোরী ওইবা মতাংগী অচুম-অরান খঙদোক্লবা ৰেদনেসবরী টেষ্ট অসি শীজিন্নে। মসিগী মতেংনা লৌখিবা ৱারেপ অদু আইন্না অয়াবা পীরিব্রা নত্রগা অরান-অহুই য়াওব্রা নত্রগা ৱাখল মুন্না খনবা মীওই অমনা লৌফম থোকপা চৎনরিবা আইন গী কাঙলোন চুম্না ৱারেপ লৌবা ওইব্রা হায়বা অদু য়েংবা য়াই। অদুগা মরি লৈনবা ৱাফমশিংবু খন্ন-নৈনহৌদব্রা নত্রগা মরি-মখোঙ শম্নদবা ৱাফমশিং খন্ন-নৈনবদা য়াওখিব্রা অমসুং লৌখৎলকখিবা খোঙথাং অদু বোনাফাইদ ওইখিদব্রা হায়বা অদু কোর্ট না য়েংবা য়াই। লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মরম চাবা অমদি চাদবা তৌইগুম্বসুং, এডমিস্ট্রেটর অমনা লৈরম্বা হিরমশিংগী মরক্তগী খল্লগা লৌরকপা ফিরেপ অদুগী অচুম-অরানগীদি থিরোই অদুগা মহাক্কী ফিরেপ অসিবু কোর্ট না মহুৎ শীন্দোকপসু তৌরোই। মসিনি ৰেদনেসবরী টেষ্ট হায়রিবসি।

(২) এডমিনিষ্টেটর না লৌবা ফিরেপ অদু আইনগী ৱাংমদা ওইরবা নত্রগা মরম চাদবা ওইরবা হায়বদি মদুনা অচুম-অরান ফজনা য়েংদ্রবা নত্রগা মোরেল ষ্টেন্দর্দ য়েংদবা ওইদ্রিমখৈদি কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা য়াদে। অদুগা প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট য়াওনা অতৈ অতোপ্পা টেষ্টশিং অসি ইংলিস এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো দা তুদা য়াওরক্লোই হায়বসু লৈতে। মসিনা সি সি এস য়ু প্রিন্সিপলশিং নি।

(৩) (এ) বগদেকে, ব্রাইন্দ অমদি স্মিথ গী মতুং ইন্না অমদি কনভেন্সন অসি ইংলিস লো দা হাপচিন্দ্রিবা ফাওবদি ইংলিস কোর্টশিংনা সেকেণ্ডরি জজমেন্ত দমক তাগনি অদুগা ৱারেপ লৌরিবা মীওই অদুগী মনাক্তা লৈরিবা মচাকশিং অদুগী মতুং ইন্না প্রাইমারি জজমেন্ত তাখিব্রা হায়বদু য়েংগনি।

(৩) (বি) করিগুম্বা হায়রিবা কনভেন্সন অসি ইংলেণ্ড দা হাপচিন্দুনা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসিবু চৎনহল্লবদি ইংলিস কোর্টশিংনা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন গী ভেলিদিতি য়েংলগা মতুংদা প্রাইমারি জজমেন্ত পীগনি অমসুং থল্লিবা অথিংবা অসি য়াম্না কা হেনব্রা নত্রগা চুনবা ৱাৎপ্রা নত্রগা কয়াম-য়াম্না কোমথোকপা পীবা য়াবগে অমসুং অথিংবা থম্বা য়াবগে হায়বা অদুসু খঙদোকপা য়াই।

(৪)(এ) অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিগী এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো দদি ফন্দামেন্তেল ফ্রিদমগী ৱাফম য়াওদবনা কোর্টশিং/ত্রিব্যুনেলশিং নদি সেকেণ্ডরি ওইবা মথৌ-খক্তমক তৌগনি অদুগা প্রাইমারি জজমেন্ত অসিদি ইকজিক্যুটিভ ওথোরিটিগী মখুত্তা লৈগনি। অদুগা লোর্দ গ্রীন অমদি লোর্দ দিপলোক্লা মথং শিৎনা তাকপিবগী মতুং ইন্না সেকেণ্ডরি জজমেন্ত অসিদি ৱেদনেসবরী অমসুং সি সি এস য়ু প্রিন্সিপলশিংগী মতুং ইন্না পাঙথোক্নুনা পায়রিবা ইকজিক্যুটিভ ওথোরিটি অদুনা য়াম্না মুন্না য়েংলগা ৱাখল খন্দুনা প্রাইমারি ওথোরিটি অমগী মথৌ নিংথিনা তৌদুনা ফিরেপ লৌখিব্রা হায়বদু য়েংগনি।

(৪)(বি) ফন্দামেন্তেল ফ্রিদম দা শীংনরকপা এডমিনিষ্ট্রেটিভ নত্রগা ইকজিক্যুটিভ ওইবা থবকশিংগী মতাংদা লমদমসিগী কোর্টশিংদি "প্রোপোর্সনালিটি" প্রিন্সিপল চৎনদুনা প্রাইমারি ওইবা মথৌ পাঙথোক্কনি। অদুগা করিগুম্বা ফন্দামেন্তেল ফ্রিদম বু শীংনরকপগী মতাং লাক্লবদি আর্টিকল ১২, ২১, অসিনচিংবশিং অসিগী মতাংদা খক্তমক ওইগদ্রা নত্রগা আর্টিকল ১৪ সু কোন্সিনগদ্রা হায়বা অদুদি মতিক চাবা মফমদা ফিরেপ লৌগনি। দিসিপ্লিনরি মতাংশিংদা পীগদবা দন্দি : ৱেদনেসবরী অমদি সি সি এস য়ু টেষ্টশিং

৩২. অরোইবদা, চখরিবা কেস অসিদা অমুক ওনশিল্লসি। ফন্দামেন্তেল ফ্রিদমদা শীংনরকই হায়বগী ৱাফম লৈতবনা "প্রোপোর্সনালিটি" গী ৱাহং অসিদা তাখিবা দন্দি

অসিসু আইন্না য়াদবা নত্রগা প্রোসিদুরেল ইমপ্রোপ্রায়টি না মরম ওইরগা তাখিবসু নত্তে। মখা তানা "ইরেসনালিতি" গী মতাংদি ত্রিব্যুনেল অসিনা তাখিবা ৱাই অদু ৱাখল মুন্না খন্থবা ঙম্বা, অফ-ফত্ত ফজনা খঙবা মীওই অমনা লৌগদবা ফিরেপ নত্তে হায়বগী ৱাফম লৈতে অমসুং লৈরিবা মচাকশিং অসি য়েংলুরগা তাখিবা দন্দি অদু অফ-ফত্ত খন্থবা ঙম্বগী জ্ঞান বু শাথিনা খোঙ্গাওনবনি হায়বা মতাংসু লৈতে। অদুনা ৱেদনেসবরী টেষ্ট নত্রগা সি সি এস য়ু টেষ্ট নত্রগা অনিমক অপেনবা ওইদ্রে। ঐখোয়না শেংদোক্কদবা খরা ৱাৎলি। "রঞ্জিৎ ঠাকুর"।

৩৩. রঞ্জিৎ ঠাকুর গী কেস দা তাখিবা দন্দি অদু য়াম্না শাথিনা মরম চাদবা অমদি মরালগা চুনদবা ওইদবনা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইদবনা য়াম্না ঙক্লিঙাই ওইবনা কোর্ট অসিনা খৎ থীংজিনবনি। মদুবু পরভর্স অমদি ইরেস্নেল ওই হায়খি। অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগনা, লৈরম্লিবা মচাকশিং অসি য়েংলুরগদি ৱেদনেসবরী অমদি সি সি এস য়ু টেষ্টশিং অসি য়ানীংলে হায়না কোর্ট না লৌরে . . . . . . . . . ।"

২: ১৯৮৭ ৪ এস সি সি ৬১১

৮: ১৯৯২ সুপ্রা (২) এস সি সি ২৩৭

৯: কাউন্সিল ওফ সিভিল সর্ভিস ভর্সেস মিনিস্তর ফোর দ সিভিল সভি

স (১৯৯১) এ সি ৩৭৪

১২: (১৯৯১) এ সি ৬৯৬ : (১৯৯১) ১ এ এল ই আর ৭২০

১৯: (১৯৮৫) ১ এস সি আর ২৯৫ (কেন)

২০. জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা মদমদা কোর্ট গী প্রাইমারি অমদি সেকেণ্ডরি মথৌ অসি ***ওম কুমার ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, (২০০১) ২ এস সি সি ৩৮৬*** হায়রিবা কেস অসিদা অমুক্কা হন্না পল্লদুনা অসুন্না হায়রি,

৬৬. মথক্তা খন্ন-নৈনখিবা অসিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে মদুদি ইন্দিয়াদা আর্টিকল ১৪ গী মখাদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অসিবু মীচঙ-মীখায় নাই, মান্নদবশিংবু মান্নদনা তৌবিবা নত্রগা মান্নদবশিংদা মান্ননা তৌবিবা হায়রিবা মীচঙ মীখায় নাইবগী থৌওং অসি অচুম-অরান অমদি কা-হেনবা মতৌ অমসুং হায়রিবা ৱাফম অসিগা এডমিনিষ্ট্রেটর না তাল্লিবা পান্দম অসিগা মরি লৈনব্রা হায়বসি খঙদোকপা অসি কন্সটিটুসনেল কোর্টশিং না প্রাইমারি রিভিয়ু কোর্ট ওইনা মথৌ তৌগনি। মতাং অসিদা

এডমিনিষ্ট্রেটর না খল মান্নবা থম্বগী মথৌ পাঙথোকপা অসিবু কোর্ট না "প্রোপোর্সনালিটি" পান্দুনা কোর্ট না প্রাইমারি রিভিয়ুৰিং ওথোরিটি অমা ওইনা থৌ পাঙথোকই।

৬৭. অদুবু রোয়প্পা (দিসিপ্লিনরি কেসশিংদা তাবা দন্দিশিং শীংনরকপা কেসশিংগী মতাংদা) দা য়ুম্ফম ওইরগা আর্টিকল ১৪ গী মখাদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অসি "আর্বিট্রেরি" ওই হায়দুনা শীংনরকপা মতমদা থোক্লকপা ৱাহংদি তাখিবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওর্দর অসি "রেস্নেল" নত্রগা "রিজনেবল" ওইব্রা হায়বা অদুনি অমসুং মতাং অসিদা ৱেদনেসবরী টেষ্ট অসি পাঙথোক্কনি। অদুগা কোর্টশিংনা মখোয়গী সেকেণ্ডরি মথৌ হায়বদি এডমিনিষ্ট্রেটর না মহাক্কী প্রাইমারী মথৌ হায়বদি এডমিনিষ্ট্রেটর না মহাক্কী প্রাইমারি মথৌ হায়বদি মহাক্কা আইন্না য়াদবা থবক তৌখিবা লৈব্রা নত্রগা দরকার ওইবা মরি লৈনবশিং য়েংশিনবা ৱাৎপ্রা নত্রগা মহাক্না য়েংলিবা মিৎয়েং অসি জ্ঞান তাবা, অফ-ফত্ত মুন্না খন্থবা ঙম্বা মীওই অমনা তৌফম থোকপ্রা হায়বসি কোর্ট না মুন্না খন্থবা ঙম্বা মীওই অমনা তৌফম থোকপ্রা হায়বসি কোর্ট না মুন্না য়েংগনি। অদুগা করিগুম্বদা হায়রিবা মহাক্কী থৌওংশিং অসি নিতি-নিয়ম গী মতুং ইন্না তৌদবা ওইরগদি মদু আর্বিট্রেরি ওই হায়গনি। [জি. বি. মহাজন ভর্সেস জলগাঁও মুনিসিপাল কাউন্সিল (এস সি সি পি ১১১ দা) দা] ভেঙ্কটছলাইয়া, জে (মতমদুগী) না এডমিনিষ্ট্রেটর গী "রিজনেবলনেস" হায়বসি আর্টিকল ১৪ গী মখাদা অমসুং এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো গী মতুং ইন্নদি ৱেদনিসবরী রুল্সগী মতুং ইন্না তৌগদবনি হায়খি। টাটা সেলুলর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এস সি সি গী পি পি. ৬৭৯-৮-), ইন্দিয়ন এক্সপ্রেস ন্যুসপেপরস বোম্বে (পি) লিমিটিদ ভর্সেস য়ুনিয়ন লফ ইন্দিয়া (এস সি সি গী পি ২৪১) অমদি য়ু. পি. ফাইনান্সিয়েল কোঁপোরেসন ভর্সেস জেম কেপ (ইন্দিয়া) (পি) লিমিটেদ (এস সি সি গী পি. ৩০৭) শিংগী মতুং ইন্না এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অসু "আর্বিট্রেরি" ওইব্রা হায়দুনা আর্টিকল ১৪ গী মতুং ইন্না (হায়বদি দিসক্রিমিনেটরী ওইদবশিংগী) ৱায়েল চথবা মতমদা, মতম লৈবা খিবিক্তা কোর্ট অসিনা ৱেদনেসবরী রিভিয়ু গী মতুং ইন্না তৌখি।

৬৮. অদুনা আর্টিকল ১৪ গী মখাদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অসি মীচঙ-মীখায় নাই হায়রকপা মতমদা কোর্টনা প্রাইমারি রিভিয়ু তৌবদি প্রোপোর্সনালিটি শীজিন্নরগা তৌগনি। তৌইগুম্বসুং "আর্বিট্রেরী" ওই হায়রকপা মতমদদি ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল শীজিন্নরগা সেকেণ্ডরি রিভিয়ু তৌগনি। সর্ভিস লো গী মতাংদা প্রোপোর্সনালিটি অমদি দন্দিশিং

৬৯. মতাং অসিদা পীবা দন্দি অসিগী "আর্বিট্রেরিনেস" গী ৱাফম লাক্লিবসি মমাংগী পারাগ্রাফ দা আর্টিকল ১৪ গা মরি লৈননা শন্দোক্লা তাকখিবশিং অদুনি অমসুং মতাং অসিদা পানগনি।

৭০. মতাং অসিদদি ঐখোয়না মখাগী কেসশিং অসিখক্তবক তান্নগনি। রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী কেস দা কোর্ট অসিনা দন্দি পীবা মতমদা ‘‘প্রোর্পোসনালিটি’’ গী মতাংদা পল্লদুনা তারিবা দন্দি অদু মরালগা য়াম্না শাথিনা চুনদে হায়খি। অদুগা বি. সি. চটুরবেদি ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া গী কেস দা করিগুম্বা তারিবা দন্দি অদুনা কোর্ট পু অঙকপা পোকহল্লবদি কোর্ট না খুৎ থিংজিনবা য়াগনি। অদুগা অসিগুম্বা মতাং লাকপদসু কোর্ট না মরি লৈনবা ওথোরিটি দা অমুক থাগনি অমসুং দন্দি অমনা অমুক থাগনি অমসুং দন্দি অমনা দন্দি অমগী মহুৎ শিঞ্জিনবদি তৌনদে। অদুবু য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক্তা দন্দি মহুৎ অমা পীবদি য়াগনি। অমসুং হায়রিবা ৱাফম অসিমক গনয়ুথম দা হায়খি।

৭১. মরম অদুনা মথক্তা পনখিবা প্রিন্সিপলশিং অমদি রাই তাখিবা কেসশিং অসি য়েংলুরবা মতুংদা অসুন্না হায়রি, মদুদি দিসিপ্লিনরি কেসশিংদা পীবা দন্দিগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ না লৌবা ফিরেপ অদু ‘‘আর্বিত্রেরি’’ ওই হায়দুনা আর্টিকল ১৪ গী মখাদা হায়বা মতমদা সেকেণ্ডরি রিভ্যুৱিং ওথোরিটি ওইনা ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল্স পানগনি অদুগা কোর্ট না প্রাইমারি রিভ্যুৱিং ওথোরিটি ওইনা প্রোপোর্সনালিটি দি পাল্লোই মরমদি অসিগুম্বা মতাংদা আর্টিকল ১৪ গী মখাদা ফন্দামেন্তেল ফ্রিদম নত্রগা মীচঙ-মীখাই নাইবগী ৱাফম য়াউদবগিনি। অদুগা করিগুম্বা মতমদা কোর্ট না ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল বু খোঙ্গাওনখি হায়বগী ৱাফম লাক্লবদি মদু এডমিনিষ্ট্রেটর দা নৌনা অমুক ফিরেপ লৌনবগীদমক হনখিগনি। অমসুং য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্তা কোর্ট না মরাল অদুগা চান্নবা দন্দি অমা অমুক মহুৎ শীন্দোকপা য়াই।

২. (১৯৯৭) ৭ এস সি ৪৬৩

৩২. (১৯৭৪) ৪ এস সি সি ৩

৩৮. (১৯৯১) ১ এস সি সি ৫৯৮

৩৯. (১৯৯৪) ৬ এস সি সি ৬৫১

৪০. (১৯৮৫) ১ এস সি সি ৬৪১

৪১. (১৯৮৯) ৪ এস সি সি ১৮৭

৪২. (১৯৯৩) ২ এস সি সি ২৯৯

৪৩. (১৯৮৭) ৪ এস সি সি ৬১১

৪৩. (১৯৯৫) ৬ এস সি সি ৭৪৯

২১. হায়রিবা প্রিন্সিপল অসি *দিস্ত্রিক্ত জজ, বহরেছ ভর্সেস মুনিজার প্রসাদ, (২০০২) ১০ এস সি সি ৪২৫* গী কেস দসু চৎনখি। হায়রিবা কেস অসিদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো গী লমদা পীবা দন্দিদা হায় কোর্ট না খুৎ থিংজিনবা য়াদে হায়খি অদুগা করিগুম্বা ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল্স অসি খোঙ্গাওনখি হায়বা খঙবা তারগদি হায় কোর্ট না হীরম অসি মরি লৈনবা ওথোরিটি দা অমুক হন্না থাদুনা মতিক চাবা দন্দি পীনবা হায়গনি; অদুগা দন্দি অদু য়াম্না "শোকিংলি দিসপ্রোপোর্সনের্ট" ওইরগদি কোর্ট না খুৎ থিংজিনগনি হায়বা ৱাফম অসিমক *দেবেন্দ্রস্বামী ভর্সেস কর্নাটকা এস আর টি সি, (২০০২) ৯ এস সি সি ৬৪৪* দা অমুক্কসু হায়খি।

২২. *রিজনেল মেনেজর, য়ু. পি. এস আর টি সি, ইটাৱাহ এন্দ অর্দস ভর্সেস হোতিলাল এন্দ অনাদর, (২০০৩) ৩ এস সি সি ৬০৫,* হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না পীবা দন্দি গী চুনবগী মতাংদা মখাগী অসুম্না হায়রি,

> "১০. পনবা য়াবা ৱাফমদি কোর্‌ট নত্রগা ত্রিব্যুনেল না দন্দি পীবা মতমদা মরালগা চুনবা ৱাৎলি হায়না খনবগী চপ চাবা মরম পীগদবনি। অদুগা খুৎ থীংজিনবসি তৌদে অমসুং তৌবা তারবসু য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংদা ওইগনি হায়বা অসি মমাংদা রিফরেন্স লৌদুনা হায়খ্রবনি। অদুবু, লাইবক থিবদি, চথুরিবা কেস অসিগা মরি লৈননা হায় কোর্ট না থল্লকপা ৱারোলশিংগী মতুং ইন্নদি পীখিবা দন্দি অদু মরম চাদবগী মরম পীবা ঙমদ্রে । মরম পীবা হায়বা অসিনা চয়েৎনবা থোক্লকপা মতমদা ফিরেপ লৌগদৌরিবা মীওই অদুগী ৱাখল্লোন অমদি লৌরিবা ফিরেপ অনীগী মতক্তা অহিংবা মরি অমা শাগৎকদৌরিবনি; অদুনা মরম পীবা ঙমদ্রবদি ন্যায় পীবীদবগা চপ মান্নে। (এলেকজেন্দর মেছিনরি (দদলি) লিমিটেদ ভর্সেস ক্রেবত্রি য়েংবীয়ু) চুম্নদগী চুনবা ৱাৎলি হায়বা খক্তনদি মপুং ফাবা ৱাৎলি। দন্দি অমগী চুনবা নত্রগা চুনদবা য়েংলগা বিচার চথুবা মতমদা মহাক্কী ৱাখল্লোন, পাঙথোকপা মথৌ অমদি মান্নবা মরি লৈনবা হিরম-ৱারমশিংবুসু মুন্না খন্নগনি। অদুগা মরাল শীরিবা ফম অদু য়াম্না থাজনীংঙাই ওইবা পুকচেল শেংনা অমদি নিয়ম নাইনা থবক তৌবা দরকার লৈবা ওইরবদি চাওয়েং য়েংলগা বিচার তৌবা য়াদে। অসিগুম্বা মতাংদদি অকনবা, অকুপ্পা বিচার তৌগদবনি। অমসুং করিগুম্বা মীশক অদুনা প্রজাগী শেন-থুম গা মরি লৈনবা থবক তৌবা ওইরবদি খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী থাজবা অমদি নিতি-নিয়ম ইন৪বা দরকার ওই। মসিগী ৱাখল্লোন অসিগী মতুং ইন্না হায় কোর্ট কী দিভিজন বেঞ্চ না তাখিবা রাই অদু মরম চাদে হায়না লৌরগা লর্নেদ সিঙ্গল জজ না তাবিখিবা দিসমিস তৌবগী ওর্দর অদুবু য়ানীংলে।"

২০: (১৯৭৪) ১ সি আর ১২০ (এন আই আর সি)

২৩. *চেয়রমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্তর, য়ুনাইটেদ কর্মসিয়েল বেঙ্ক ভর্সেস পি. সি. কক্কর, (২০০৩)৪ এস সি সি ৩৬৪* হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হন্না-হন্না হায়রি মদুদি দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি নত্রগা এপ্লেলেট ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি অদুনা করিগুম্বা কোর্ট/ত্রিব্যুনেল দা য়াম্না শাথিনা অঙকপা পোকহনবা মতাং খক্তদা খুৎ থীংজিনবা য়াগনি হায়বা অসিনি। মখা তানা, য়াম্না তাঙনা থোকপা কেস গী মতাংদা মরিক চুম্বা মরম পীদুনা কেস চথবগী মতম তেনশিনবসু য়াই। অদুবু অয়াম্বা মতমদদি করিগুম্বা তারিবা দন্দি অদু য়াম্না ঙক্লিঙাই ওইবা মওংদা মরালগা চুনদবা তারবদি মরি লৈনবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি নত্রগা এপ্লেলেট ওথোরিটি দা অমুক হন্না খন্ননবা হনখিবা য়াই।

হায়রিবা থৌওং অসিমক *দেব সিংহ ভর্সেস পঞ্জাব টুরিজম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ, (২০০৩) ৮ এস সি সি ৯* দা চথখি। হায়রিবা কেস অসিদা অসুম্না হায়খি মদুদি দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং দা তাখিবা দন্দিগী মাইয়োক্তা আপিল তৌরক্তুনা ফম্বা কোর্ট না মখোয়গী রাই অদুনা হান্নগী রাই অদুবু মহুৎ শিঞ্জিল্লোই হায়বা অসিনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা শাথিনা অঙকপা পোকহনবা মখৈ চুনদবা ওইরবদি, মতাং অসিদা পীরিবা দন্দি অদুবু চান্নবা মওংদা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা দিসিপ্লিনরি। চান্নবা ওথোরিটি দা অমুক হন্না তারগা খন্ননবা হনখিবা য়াস নত্রগা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্তা কেস শোক্লবগী মতম তেনশিন্নবা মতীক চাবা মরম ময়েক শেংনা পীরগা অতোপ্পা চুনবা দন্দি না মহুৎ শীঞ্জিনবসু য়াই।

২৪. *কৈলাশ নাথ গুপতা ভর্সেস ইনক্কায়রী ওফিসর, (২০০৩) ৯ এস সি সি ৪৮০* দা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা ওবর্জাবেসন অমা থম্বীদুনা দন্দি গী মতাংদা দন্দি অদুগা মরি লৈনবা হিরম অমদি মরমশিং মুন্না য়েংলগা খুৎ থীংজিনবদা অয়াবা পীখি, অদুগা কোর্ট না দন্দি অদুগী মতাংদা অমুক হন্না খন্ননবা নত্রগা কেস শোক্লবগী মতম তেনশিন্নবা খন্নবা য়াহনখি। অদুনা অসুম্না হায়খি-

> "৯. বি. সি. চটুরবেদি ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া গী কেস দা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি দা খুৎ থীংজিনবগী শক্তি গী মতাংদা কোর্ট অসিগী লর্নেদ জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা পারা ১৭ দা, অসুম্না হায়রি :
>
> (এস সি সি পি. পি. ৭৬১-৬২)
>
> "১৭. মথংগী ৱাহংদি দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি দা ত্রিব্যুনেল না খুৎ থীংজিনবা অদু মরম চাব্রা হায়বা অসিনি।
>
> ১০ --------------------------------------------------------------------------
>
> ---------------------------------------------------------------------------

১১. মথক্তা পনখিবা ৱাফম অসিগী মতুং ইন্নদি দন্দি পীবগী মতাংদা খুৎ থীংজিনবগী শক্তি অসিদি য়াম্না লৈতে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। অদুবু মরি লৈনবা ৱারমশিং য়েংলবা মতমদদি দন্দি অদুবু অমুক হন্না খন্ননবা নত্রগা কেস শোক্লবগী মতম তেনশিন্নবা হায়বা য়াই। মখা তাবদা এপ্লেলেন্ত অসিনা থবক মতম শাংনা তৌরকপা মতমদা চাং-তাইদবা নত্রগা লমচৎ চুমদনা চৎখিবগী থৌদোক অমত্তা লৈখিদে; হৌজিক মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরাল অদুগা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপগী মরমসু ওইরিবনি। মতাং অসিদা এপ্লেলেন্ত না লেপ্লিবা খোঙফমদি থৌদোক মচা-মচা লৈখ্রবসু মহাক্না শেন লান্না শীজিন্নখিবগী নত্রগা নমথাক তৌখিবগী শাখি-শাবোন লৈতে করিগুম্বা বেঙ্ক তা অমাঙবা থোকহল্লবসু (মহাক্না চাউরাক্না লুপা ৪৬,০০০/- মুক ওইগনি হায়রি) মদু এপ্লেলেন্ত মশাদগী অমুক খোমগৎপা য়াগনি। অমসুং শীরিবা মরালশিংগী মরোল য়েংলুরগদি প্রোসিদুরেল ইরেগুলারিটি নি অদুগা থৌওইদবা নত্রগা থৌশাদবা ওইদুনা মদুনা সর্ভিস দগী লৌথোকপগী মরম ওইফম থোক্তে হায়বসিনি।

১২. হায়রিবা হীরমশিং অসি হায় কোর্ট না মুন্না য়েংবা ৱাৎলে। হায়রিবা হীরমশিং অসি মুন্না য়েংলগা হায় কোর্ট না অমুক হন্না নৌনা য়েংবা দরকার ওই। অদুগা অমুক য়েংবা অসি দন্দি গী মতাংদা খক্তা ওইগদবনি; অতোপ্পা হীরমদা নত্তে ... হায়রিবা রিট পিটিসন অসি হায়খিবশিং অসিগী মতুংইন্না দিসপোজ তৌনবা হায় কোর্ট তা অমুক হন্না হায়রে।”

৪: (১৯৯৪) ২ এস সি সি ৫৩৭

২৫. *ভগৱান লাল আর্য্য ভর্সেস কমিশ্নর ওফ পুলিস, (২০০৪) ৪ এস সি সি ৫৬০* হায়রিবা কেস অসিদা মেদিকেল গ্রাওন্দস দা এপ্লেলেন্ত মশা অসিনা থা ২ (অনি), নুমিৎ ৭ (তরেৎ) অমদি পুং ১৭ (তরাতরেৎ) থবক কারকখিদে অমসুং নিয়ম গী মতুং ইন্না থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীবা অসিদি য়াম্না শাথিনা মরাল লাল্লুরবা অদুগা মদু চুমথোকপা য়াররোইদবা ওইবদগী পুলিস তা সর্ভিস তৌবা য়ারোইদবা ওইবদগী পুলিস তা সর্ভিস তৌবা য়ারোইদবা ওইবা মতাং ওইগনি। হায়রিবা মতাংশিং অসি য়েংলগা মেদিকেস গ্রাওন্দ দা এপ্লিকেসন থারকখিবা অমদি মদুগী অয়াবা পীখিবা অসিগী মতুং ইন্নদি ইকায় খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না মসিবু শাথিনা মরাল লংজবা ওইদে অদুনা মহাকপু পুলিস দা সর্ভিস তৌবদা অকায়বা লৈতে হায়খি।

২৬. *ভারত ফোর্জ কো লিমিটেদ ভর্সেস উত্তম মনোহর নকাটে, (২০০৫) ২ এস সি সি ৪৮৯* হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না পীগদবা মরালগী মতাংদা খন্নবদা মমাংগী সর্ভিস রেকোর্দশিং খন্নগনি, অদুবু মদু মরম চাদবা, মরি লৈনবা নত্রগা মীনুংশিদা য়েংলগা তৌবদি য়াদে। মখাদা অসুম্না হায়রি, মদুদি,

৬.	রেস্পোন্দেন্ত না লানখিবগী মতাংদা থোক্লকপা ৱাহংশিংগী ওইনা কোর্টশিংনা অমত্তা ওইনা মান্ননা পাউখুম পীরে হায়বসি ঐখোয়না উবা ফংলে .............. মরম অদুনা, মমাংদা লৈখিবা সর্ভিস গী রেকোর্দ অসি মরাল লৈরবা ইমপ্লোয়ী অদুদা পীরিবা দন্দি অদু শাথিনা চুনৱ্রা/চুনদবা ওইব্রা হায়বদু য়েংন্নবা য়াম্না মরি লৈনবা মচাক অমনি .............

** ** **

৩১.	করিগুম্বা দন্দি অদু য়াম্না কল্লবদি, খরা অয়াংবা অমনা মহুৎ শীন্দোকপা য়াই, অদুবু হায়রিবা অসি মরি-মখোঙ শন্নদবা নত্রগা দরকার লৈতবা অমদি মীনুংশি দা য়েংলগা হায়রিবা ওর্দর অসি পাস তৌবা য়াদে।

২৭.	***দিভিজনেল কন্ত্রোলর, কে এস আর টি সি (এন দব্লিউ কে আর টি সি) ভর্সেস এ. টি. মানে, (০০৫) ৩ এস সি সি ২৫৪*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না পীগদৌরিবা দন্দি গী মতাংদা লাকপা ৱাহংদা অসুম্না হায়রি মদুদি দন্দি পীবা মতমদা প্রাইরি ফেক্তর অসি লান্না শীজিন্নখিবা শেনফম অদুগী মতাংদা নত্তে, মদুগী তাইওন্নবদা, থাজবা মাঙহনবা হায়বা অসিনা প্রাইমারী ফেক্তর ওইগদবনি হায়বা অসিনি। ঐখোয়গী মিৎয়েংদা, করিগুম্বা মীশক অমনা র্কোপোরেসনগী ফন্দশিং লান্না শীজিন্নখিবগী মরাল লৈরবদি, মহাক্কী মথক্তা থম্লম্বা থাজবা মাঙহনবগী দিসমিস তৌবগী দন্দি পীবদা থোইদোকপা অরানবা লৈতে হায়বসিনি। বি. এস. হুল্লিকত্তি গী কেস পল্লদুনা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্টনা মান্নবা থৌদোকশিংদা রেস্পোন্দেন্ত না চথখিবা থৌওংশিং অদু পুকচেল শেংদবা নত্রগা য়াম্না শাথিনা থৌওইদবা মতৌ উৎপদগী মহাকপু কন্দক্তর ওইনা থম্বদা মতিক চাদ্রে হায়দুনা থবক্তগী লৌথোকখি, দৈগা মতাং অসিদা জুদিসিয়েল ফোরমশিংগী মায়কৈদগী মীনুংশিগী মিৎয়েংনা য়েংদবগী পীগদৌরিবা দন্দি গী মতাংদা খুৎ থীংজিনবগী মতাং থোইদোকপা লৈতে।

১:	(২০০১) ২ এস সি সি ৫৪৭

২৮.	***কনারা বেঙ্ক ভর্সেস ভি. কে. অরশঠি, (২০০৫) ৬ এস সি সি ৩২১*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না বেঙ্ককী ওফিসিয়েল অমবু মথৌ নিংথিনা তৌদবগী দিসমিস তৌবগী মতাংদা প্রোপোর্সনালিটি দা য়ুম্ফম ওইরগা খুৎ থিংজিনবা ঙল্লোই হায়না হায়খি। হায়রিবা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ত ওইরিবা ইমপ্লোয়ী অসিনা মশাগী মথৌবু মপুকচেল শেংনা, থৱায় হকচাং লুপ্পা অমদি থম্মোয় শেংনা তৌদবদগী বেঙ্ক তা মশক থিহন্দুনা মীচঙ-মীখাই নাইহল্লে।

২৯.	***য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস গুলাম মোহম্মদ ভট, (২০০৫) ১৩ এস সি সি ২২৮*** হায়রিবা কেস অসিদসু সেন্ত্রেল রির্জভ পুলিস র্ফোস দা কনষ্টেবল ওইনা থবক তৌবা অমবু সেক্সন তৌরবা লিভ হায়বদি নুমিৎ ৩১৫ নি দগী হেন্না মতম শাংথনা মরি লৈনবা ওথোরিটি দগী অয়াবা লৌদনা

লিভ তা লৈথোকখিবগী মরাল ওইনা থবক্তগী লৌথোকপগী তাখিবা ওর্দর দা সুপ্রিম কোর্ট না খুৎ থীংজিল্লোই হায়খি। কোর্ট অসিনা ষ্টেট ওফ য়ু. পি. ভর্সেস অশোক কুমার সিংহ, (১৯৯৬) ১ এস সি সি ৩০২ গী কেস পু পল্লদুনা মীশক অমনা থৌওই উশিত্তদুনা থক-খা নাইদ্রবদি মহাক্কী থৌওংবু তরায়না লৌবা য়ারোই হায়রি। অদুগা তারিবা দন্দি অদুগা মহাক্কী মরাল গা চুনদে হায়বদিসি ইমপ্লোয়ী মশানা উৎচগদবনি। অমসুং তারিবা দন্দি অদু চুনদে অমসুং/ নত্রগা য়াম্না ঙক্লিঙাই ওই হায়বা উৎননবা থোইদোকপা তেমশিংনিঙাই ওইবা খুদম-চাংদমশিং এপ্লেলেন্ত নসু পীরকখিবা লৈতে। (ভাইদ সিবিলেশ সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, (২০০৩) ৩ এস সি সি ৩০৯)।

য়ুনির্ফোম ফোর্সেস গী মেম্বরশিং না মরম চাদনা দিয়ুতি দা লাক্তবগী কোর্ট তা থাঙ্গৎলকপা মশিং য়াম্লবা কেসশিং অসিবু তরায়না লৌবা য়াদে। অদুগা করিগুম্বদা এক্সন লৌখৎপা মতমদা, শেংদোক্লকপা অসিনা হকচাং ঙমদবা নত্রগা অরানবদা য়ুম্ফম ওইদুনা অরানবা নত্রগা অশাবা মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং পুথোরকই। চথুরিবা কেস অসিদা, রেস্পোন্দেন্ত অদুনা দিপ্রেসন্না নাবদগী আউতদোর পেশেন্ট অমা ওইনা লাইয়েং চথুরবসু, মহাক্না পুথোক্লকপা মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং অদুনদি মহাক তারিখ ৪-৪-১৯৯৮ দা নোর্মেল ওইখ্রে হায়বা উৎলি, অদুম ওইনমক মহাক দিয়ুতিদা লাকখিদেঅমসুং মহাকপু মেন্তেল দিপ্রেসন অমদি ইমবেলেন্স না নাখি হায়বসি কোর্টনা য়াখিদ্রে।

মখা তারকপা ওইনা, য়ুনির্ফোম ফোর্সেস গী মেম্বর গী মফমদা তারিবা দিয়ুতিশিং য়েংলুরগা, মখোয়না নীংলকপা মিৎকুপ্তা হেক্তা থবক কারক্তবা য়াদে। মসিগুম্বা কুশি-রাশি তৌবা মওংশিং অসিগী মতিক চাবা দন্দি পীহৌদ্রবদি ফোর্সেস গী দিসিপ্লিন্দা য়াম্না অকায়বা পীরক্কনি অমসুং করিগুম্বা মতমদা মেম্বর অমবু য়াম্না শাথিবা মফমদা অৱাবা দিয়ুতি তৌননবা হায়রকপদা থবক্তগী তোক্লবদি মদু নিয়মগী ৱাংমদা থবক থাদোকখিবা ওইগনি। অদুনা মসিগুম্বা মতাংবু ফোর্ম ফোর্সেস গী মেম্বর অমা মহাক্কী লিভ গী মতমদগী শাংথরবদি মদুগী মতিক চাবা মরম পীগদবনি; নত্রবদি মহাকপু নিয়মগী ৱাংমদা চৎপদা দির্জতর অমনি হায়না লৌগনি। অদুগা হায় কোর্ট নসু হায়রিবা তারিবাদন্দি অদু মরালগা চুনবা ৱাৎলি হায়বা তারগসু, মদুগী মতাংদু মরি লৈনবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি দা অমুক খন্ননবা হনখিগদবনি।

৩০. *হোম্বে গাওডা ইজুকেস্নেল ট্রষ্ট ভর্সেস ষ্টেট ওফ কর্নাতকা, (২০০৬) ১ এস সি সি ৪৩০*

হায়রিবা কেস অসিদা কৃষ্ণকলি টি ষ্টেট ভর্সেস অখিল ভারতিয় চায় মজদুর শংঘ, মুরিয়াদিহ কোলিয়েরি ভর্সেস বিহার কোলিয়েরি কামগর য়ুনিয়ন হায়রিবা কেসশিংদা পনখিবা মরি লৈনবা আইন গী মতাংশিংবু অমুক নীংশিংলদুনা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হায়রি মদুদি করিগুম্বা ত্রিবুনেল না পীরিবা দন্দি গী মতাংদা খুৎ থীংজিনগে হায়বা তারবদি লাল্লিবা মরাল অদুগী মতিক-

ময়ায়গা পীগদৌরিবা দন্দি অদুগী অরুম-অয়াঙ চাংদম্নদুনা মুন্না য়েংনগদৌবনি। ভি রমনা ভর্সেস এ. পি. এস. আর টি সি গী কেসবু পল্লদুনা সুপ্রিম কোর্ট না হায়রি মদুদি লৌরিবা ফিরেপশিং অসিগী মরক্তা লৈরিবা অপুনবা মরিদি এডমিনিষ্ট্রেটর না তাখিবা ফিরেপ্তা মরম চাদবা নত্রগা নিয়মগী ৱাংমদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মচাক য়াওদবা তারগদি কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা অমুক্কসু হায়রি মদুদি কোর্ট না মখা তারি। অমুক্কসু হায়রি মদুদি দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি নত্রগা এপ্লেলেট ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি অদুনা কোর্ট/ত্রিবুনেল গী ৱাখল্লোন বু শোকহনবমখৈ অঙকপা পোকহনবা তারগদি কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা য়াগনি অমসুং য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্তা মতিক চাবা মরম ময়েক শেংনা পীরগা চুনবা দন্দি পীবা য়াগনি নত্রগা কেস শোক্লবগী মতম তেনশিনহনবা য়াগনি। ইচম চম্না চথবা মতমদদি দিসিপ্লিনরি নত্রগা এপ্লেলেট ওথোরিটি দা দন্দি অদু অমুক হন্না খন্ননবগী হন্দোকই। ভারত র্ফোজ কো কো লিমিটিদ ভর্সেস উত্তম মনোহর নকাটে, রিজনেল মেনেজর, রাজস্থান এস আর টি সি ভর্সেস সোহন লাল হায়রিবা কেসশিং অসিদা তাখিবা রাইশিংবু পল্লদুনা নোর্মেল জুরিসদিক্সন দা মথক থোংবা কোর্টশিংনা মরালগীদমক পীরিবা দন্দি অদু য়াম্না শাথিনা চুনদবা মতাং খক্তদা খক্তদা খুৎ থীংজিনবা য়াগনি। এম. পি. ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ ভর্সেস জগদিস চন্দ্র শর্ম্ম হায়রিবা কেস অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা ফুবা অমসুং অমসুং শোকহনবা হায়বা থৌওংশিং অসি দিসিপ্লিন বু কায়হনবা অমসুং সর্ভিস দগী টর্মিনেট তৌবা অসি মরালগা য়াম্না শাথিনা চুনদবা ওইদে হায়বা অসিনি। অমসুং থাজবা মাঙহনবা হায়বা অসিনা হান্না খন্নগদবা প্রাইমারী ফেক্তর ওই হায়বা অসি দিভিজনেল কন্ট্রোলর, কেএস আর টি সি (এন দব্লিউ কে আর টি সি) ভর্সেস এ. টি মানে হায়রিবা কেস অসিগী মতুং ইন্না হায়খি।

১: ২০০৪ (৮) এস সি সি ২০০:২০০৪ এ আর আর এস সি ৪৬৪৭

২: (২০০৫) ৩ এস সি সি ৩৩১

৩: ২০০৬ (৬) বোম সি আর ৬৩৭, (২০০৩) আই এল এল জে ৫২০ বোম

৪: ২০০১ (৫) এ এল দি ৪২৭:২০০২ (৯২) এফ এল আর ৪২৭, অনধ্রা হায় কোর্ট

৬: (২০০৫) ২ এস সি সি ৪৮৯

৭: ২০০ (১) এস সি সি ৪৩৪

৮: ২০০৫ ৩ এস সি সি ৪০১

৯. এ আই আর ২০০৪ এস সি ৪৭৬১

৩১. ***ষ্টেট ওফ রাজস্থান ভর্সেস মোহম্মদ অয়ুব নাজ, (২০০৬) ১ এস সি সি ৫৮৯*** হায়রিবা কেস অসিদা ইমপ্লোয়ী অমনা চাউরাক্লা চহি ৩ মুক খঙনা-খঙনা থবক লাক্তবদগী মহাকপু সর্ভিস দগী লৌথোকখিবগী কেস অমা সুপ্রিম কোর্ট না থেংনখি। হায় কোর্ট না খুৎ থীংজিল্লদুনা রেস্পোন্দেন্ত অসিনা চহী ২০ সর্ভিস তৌরম্লবা মতুংদা মহাক্কী ফংফম থোকপা রিতাইরেল বেনিফিটশিং ফংহনগদবনি হায়বসিদা য়ানিংদবা উত্তুনা ওম কুমার ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া গী

কেস দা পীগদৌরিবা দন্দিগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটি না প্রাইমারি মথৌ তৌহল্লগা কোর্ট না সেকেণ্ডরি মথৌ তৌহন্দুনা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটি না মরম ওইরগা মীওইবগী হকতা শোকহল্লকপ্রা হায়বদু য়েংখি। হায়রিবা কেস অসিদা ওথোরিটিশিংনা মরি লৈনবা মচাকশিং হাপ্লমদবা নত্রগা আইন্না য়াদবা থবকশিং পাঙথোক্লম্বা নত্রগা পীখিবা দন্দি অদু শাথিনা ঙক্লিংঙাই ওইবমখৈ চুনদবনচিংবশিং থোইদোকপা য়াওখিদে। মরম অদুনা, মরি লৈনবা মচাকশিং অসিবু মুন্না খন্‌ন-নৈনরবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্ট না হায়রিবা দন্দি অসি পীখিবনি অমসুং মরালগীদমক পীখিবা দন্দি অসিবু খরা হন্থহনবীনবা হায়দুনা হায় কোর্ট না খুৎ থীংজিল্লকপা অসি মথৌ তাদে হায়খি।

১: (২০০১) ২ এস সি সি ৩৮৬

৩২. ***কমিশ্নর ওফ পুলিস ভর্সেস সৈয়েদ হুসেন, (২০০৬) ৩ এস সি সি ১৭৩*** হায়রিবা কেস অসিদা লিক থৎপগী য়ামদ্রবদা কেস ৩২ শিংদা চেন্নবা অমসুং মরাল লৈরবা মীওই অমগীদমক দায় লৌরুবগীদমক অমদি অতৈ চেন্নবশিংবু বেললৌহনবদা মতেং পাঙখিবগীদমক কনষ্টেবল অমবু থবক্তগী লৌথোকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট তা থেংনখিবা কেসনি। হায়রিবা কেস অসিদা আইন বু ঙাক শেল্লিবা মীশক অমগী মথৌশিংবু য়েংলুরগা রেস্পোন্দেন্ত বু থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীরবা অসিদা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি গী মায়কৈদগী অরানবা অমত্তা লৈতে অমসুং দোক্ত্রিন ওফ প্রোর্পোসনালিটি বু খোঙ্গাওনখিবা লৈতে হায়খি।

৩৩. ***য়ু. পি. এস আর টি সি ভর্সেস শিবাজি, (২০০৬) ১৩ এস সি সি ৬৩৭*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না দোক্ত্রিন ওফ ইরেসনালিটি অসিবু দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি ওইনা ওনশিল্লক্লে হায়রি (কমিশ্নর ওফ পুলিস ভর্সেস সৈয়দ হুসেন গী কেস পু পল্লি)। লম্বীগী নাকন্দা খাবদা থোমজিন্দুনা মীওই অমবু অশোক-অপন নঙহনবগীদমক, মহাক্কী থৌশাদবা অদুবু য়েংদুনা দ্রাইঙর অদুবু থবক্তগী লৌথোক্লবা তাবা ওর্দর বু নাকন্দা নাথৈরগা মহাকপু থবক অমুক হঞ্জিনহল্লগা মহাক্কী ফংফম থোকপা তলব গী তাদা ২৫% হন্থনা পীনবা খঙহল্লি।

১: (২০০৬) ৩ এস সি সি ১৭৩

৩৪. ***এ. পি. এস আর টি সি ভর্সেস রঘুড়া শিব শঙ্কর প্রসাদ, (২০০৭) ১ এস সি সি ২২২*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রি মদুদি দোমেষ্টিক ত্রিবুনেল না তাখিবা রাই দা ত্রিবুনেল নত্রগা কোর্ট শিংনা মখোয়গী ৱাখল্লোন্না মহুৎ শিঞ্জিনবা য়ারোস অমসুং জুদিসিয়েল ফোরমশিংগী মাইকৈদগী মীনুংশি নত্রগা থৌজাল উৎপগী মথৌ তাদে অমসুং পীগদৌরিবা মরালগী মতাংদা খুৎ থীংজিনবা য়াদে হায়খি।মতৌ অসুম তৌদুনা, মান্নবা মওংদা

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ গী মতুং  ইন্না মখোয়গী জুরিসদিক্সন মকাদা পীখিবা দন্দি অদু করিগুম্বদা মরালগা শাথিনা চুনবা ৱাৎলি হায়বা তারবদি শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াই।

৩৫. ***কোইম্বাইটোর দিস্ট্রিক্ত সেন্ত্রেল কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক ভর্সেস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন, (২০০৭) ৪ এস সি সি ৬৬৯,*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতাংদা য়াম্না শুগায়না মখাদা অসুম্না হায়রি,

*"দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি*

১৭. দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতাংদদি, হায়রিবা দোক্ত্রিন অসি ঐখোয়গী লৈরিবা লিগেল সিসতেম অসিদা চঙলকপদা নত্তনা মখা তানা লৈরে হায়বা ৱাফম অসিদা য়েৎননিংঙাই লৈতে। এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী শক্তিবু লান্না শীজিন্নখিদনবা হায়দুনা কোর্ট শিংনা প্রিন্সিপল ময়াম অমা পুথোক্লি। অদুগা করিগুম্বদা ওতোরিটি অমনা লৌখৎপা এক্সন অদু লোগী তাইওন্নবদা নত্রগা মরম চাদ্রবা নত্রগা মুন্না খন্থবা ৱাৎপা ওইরবদি, কোর্ট না মদুদা খুৎ থীংজিন্দুনা জুদিসিয়েল রিভিয়ু গী শক্তি শীজিন্নবা য়াই। অসিগুম্বা আইনগী লোন্দা শক্তি শীজিন্নবগী মওংশিংগী মরক্তা "দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি" হায়বা অসিসু অমনি।

১৮. "প্রোপোর্সনালিটি" হায়রিবা প্রিন্সিপল অসিগী মতুং ইন্না কোর্টনা লৌখৎকদবা খোঙথাং, ৱায়েল-বিচার চথুরিবা মীওই অদুনা লৈরিবা মচাকশিং অদুবু অকোন-অহান নাইনা থম্বগী মওং-মতৌ, পুরকপা ৱারোইশিন নত্রগা লৌরিবাফিরেপ পুন্নমক মখা চথগনি। ফিরেপ লৌবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মতাংদদি কেস অদুগী মরি লৈনবা ৱারমশিং অমদি খন্ন-নৈনবশিং অদুগী মরি-মখোঙশিংগী শন্নবা অদুবুনি। মরম অদুনা আইন্না য়ারবা দরকার ওইবশিং অদুগী নিতি-নিয়মশিংগী অশেংবা মশক অদুবু খঙহনবা হায়বসিনি দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মথৌনি।

১৯. দি স্মিথ না হায়রি মদুদি "প্রোপোর্সনালিটি" হায়বসি "বেলেন্সিং টেষ্ট" অমদি "নেসেসিটি টেষ্ট" অনিনা পুন্সিনবনি। অহানবগী বেলেন্সিং টেষ্ট অসিনা য়াম্না শাথিনা কা হেন্বা দন্দিশিং নত্রগা হক খোঙ্গাওনবা নত্রগা মরি লৈনবা ৱারমশিং খন্ন-লৈনবা ৱারমশিং খন্ন-নৈনখ্রিবা হায়বগী মতাংদা মুন্না য়েংশিনবগী থবক তৌবনি, অদুগা অনিশুবা হায়বদি নেসেসিটি টেষ্ট অসিনা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনরবসু খ্বাইদগী য়ামদবা চাংদা ওইনবা য়েংবা অদুবুনি। (জুদিসিয়েল রিভিয়ু ওফ এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন (১৯৯৫), পি. পি. ৬০১-০৫, পারা ১৩. ০৮৫; সি ওলসো ৱেদ এন্দ ফোর্সিথ : এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো (২০০৫), পি. ৩৬৬)

২৮. দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি পুন্দুনা অমদি সি সি এস য়ুগী মতুং ইন্নাং, ভেঙ্ক টছলাইয়, জে (মতমদুগী লোর্দশিপ) না অসুন্না ফোঙদোক্লি : (এস সি সি পি. ৬২০, পারা ২৫)

"পীগদৌরিবা দন্দি অমদি মদুগী অরুম-অয়াংগী মতাংদা থোক্লকপা ৱাহংগী জুরিসদিক্সন দি কোর্ট মার্সিয়েল গী মখাদা লৈগনি। অদুবু তারিবা দন্দি অদু মরাল অমসুং মরাল লাল্লিবা অদুগা চুনবা ওইগদবনি। মদুনা লমন খুন্নীংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লোইদবনি নত্রগা য়াম্না অকনবা ওইরোইদবনি। মদু মরাল অদুগা য়াম্না চুনদবা ওইবদগী মীচঙ-মীখাই নাইবগী মওং উৎলোইদবনি। জুদিসিয়েল রিভিয়ু গী শরুক অমা ওইনা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি না তারিবা দন্দি অদু কোর্ট মার্সিয়েলগী শক্তিগী মখাদা লৈরবসু মদু চুমথোকপা মথৌ তারবদি মদু চুমথোক্তনা তোক্লোই। ইরেসনালিটি অমসুং পরর্ভসিতি হায়বসি জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবগী শক খঙদোক্লবা মরমশিংনি।"

(ইমফাসি পীরে)

*দোক্ত্রিন ওফ প্রোর্পোসনালিটি:*

২৯. মথক্তা লৌখিবা ফিরেপশিং অসি য়েংলুরগা, দোক্ত্রিন ওফ প্রোর্পোসনালিটি অসি ঐখোয়গী লিগেল সিসতেম অসিনসু অয়াবা পীরে হায়বসিময়েক শেংনা তাক্লে। তৌইগুম্বসুং, মতাংঅসিদা থোক্লক্লিবা ৱাহংদি, চথরিবা কেস অসিগী হিরম-ৱারমশিং অসি য়েংলুরগা হায় কোর্ট না দোক্ত্রিন ওফ ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানবা অসি চুম্লব্রা হায়বসিনি। অদুগী ঐখোয়গী জজমেন্ত দদি নেগেতিভ পাউখুম ওইনা পীগনি। নিয়মগী মতুং ইন্নদি, দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং চথদুনা থিজিন-হুমজিনবা অদু রির্কোদিং তৌবা মতমদা খুৎ থীংজিনবা য়াদে অমসুং তঙাইফদনা "ইভিদেন্স ফংদ্রে" হায়বা মতমদা নত্রগা নিয়মগী ৱাংমা লাল্লকপা মতমদা নত্রগা কেস অদুগী মতাংদা ৱাখল নিংথিনা খন্থবা ঙম্বা মীওই অমত্তনা তৌরোইদবা থবক তৌরকপা মতমদা খুৎ থীংজিনবা য়াই ............................ ..........................................................................................................................."

৩৪. এম. পি. গঙ্গাধরন ভর্সেস ষ্টেট ওফ কেরলা হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট অসিনা হায়রি মদুদি ষ্টেটুটোরি ওথোরিটি না মরম চানা অমসুং নিতি-নিয়ম চুম্না চথখ্রিবা হায়বা ৱাহং অসিগী মতাংদা বিচার তৌবা মতমদা চঙবশিং অদু কেস-কেস পুন্নমক্কী মান্নবা অমনা মহুৎ শিনবা য়ারোই অদুগা দোক্ত্রিন ওফ ফ্লেক্সিবিলিটি গী মতুং ইন্না তৌগদৌবনি। থৌওং অমবু ককথৎত্রিঙৈ মমাংদা কেস অদু জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা য়ারে হায়না কোর্ট য়ানীংবা উৎকদবনি। কোর্ট না হায়রি য়ানীংবা উৎকদবনি। কোর্ট না হায়রি মদুদি "ৱেদনেসবরী

অনরিজনেবলনেস" হায়রিবা দোক্ট্রিন অসিদগী দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি রোমদা কোর্টনা না চঙশিল্লক্লে হায়বশি কোর্ট অসিনসু খঙই। অদুবু চত্থরিবা কেস অসিগী মতাংগুম্বা লাকপা মতমদা হায়রিবা এক্ট অসি শেমখিবগী মরম অমদি পান্দম মুন্না য়েংলগা দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি পানগদবনি।

২: কাউন্সিল ওফ সিভিল সর্ভিস য়ুনিয়ন্স ভর্সেস মিনিষ্টর ফোর দ সিভিল সর্ভিস- (১৯৮৫) এ সি ৩৭৪

৭: (২০০৬) ৬ এস সি সি ১৬২

৩৬. *ষ্টেট ওফ এস. পি. ভর্সেস হজারিলাল, (২০০৮) ৩ এস সি সি ২৭৩* হায়রিবা কেস অসিদা সুপ্রিম কোর্ট না জুদিসিয়েল রিভিয়ু গী মতাং অমুক থেংনবদগী দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি ঐখোয়গী জুরিপ্রুদেন্স দা মখা তানা লৈরে হায়রদুনা অসুম্না হায়রি

"৮. ষ্টেট্যুটোরি সিসক্রেসনরি পাৱর পায়বা ওথোরিটি অমনা দন্দি পীদ্রিঙৈ মমাংদা কেস অদুগী লৈরম্লিবা ৱারমশিং মুন্না খন্ন-নৈনগদবনি। হায়রিবা শক্তি পায়রিবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি অসিনা ৱাখল মুন্না খন্থরগা নিয়ম চুন্না থবক তৌগদবনি। রেস্পোন্দেন্ত অসি কন্তিনজেন্সি পিয়োন অমা ওইনা কাদর দা খ্বাইদগী নেম্বা রেঙ্ক দিপার্টমেন্ট দা সর্ভিস মখা চত্থবা মতমদা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ থিহল্লোই। মহাকপু মীয়ামগী চৎনবীগী ৱাংমদা থবক তৌবগী চেন্নবা লৈতে অমসুং মহাকপু য়াম্না শাথিবা মরালগীদমক দন্দি পীখিবসু লৈতে।

১১. মখা তারকপদা, জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী লিগেল পারামিতরশিংদা অহোঙবা অমা লাক্লে। ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল ওফ অনরিজনেবলনেস অসিবু দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি না মহুৎ শিন্দোক্লে। (ইন্দিয়ান ইয়ারলাইন্স লিমিটেদ ভর্সেস প্রভা দি. কানন, ষ্টেট ওফ য়ু. পি. ভর্সেস সিয়োশঙ্করলাল শ্রিভাসটভা অমদি এম. পি. গঙ্গাধরন ভর্সেস ষ্টেট ওফ কেরালা য়েংঙু)

১২.

...........................................................................................................................

...........................................................................................................................

১৩. য়াম্না নুংঙাইবা খঙঞ্জিনবা য়াবা ৱাফম অমনা হান্নদগী লৈজরম্লবা জুদিসিয়েল রিভিয়ু লাকপগী মরমশিংগা দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গা অনি অসিগী মরক্তা খেন্নবা অদুবু য়েংলগা, লোর্দ ক্রাসরেল না মমাংগী ৱারেপশিং অমদি ওথোরিটিশিংবু য়েংলুরগা ত্বিদ দা অসুম্না হায়রি: (দব্লিউ এল আর পি. ১৫, পারা ৩৫)

“৩৫. .... ’২৭. ......... অহৌবদা হান্নদগী লৈজরম্লবা রিভিয়ু তৌবগী মরমশিংগা প্রোপোর্সনালিটি গী মিৎয়েং গা অনি অসিগী মান্নবা মতাং য়াওরকই। অয়াম্বা কেস খুদিংমক পাম্বৈ অনীমক শীজিন্নৈ। অদুবু রিভিয়ু তৌবা অসিনা প্রোপোর্সনালিটি দগী খরা খজিক কল্লি। হান্না চৎনরম্বা রাইটশিংগী মরক্তা খেন্নবা খরা লৈজরবসু, মদুমক্তি ঐহাক্না নৈনররোই, চাউরাক্না শম্লপ্পা খরদি হায়বা য়াই। ঐহাক্না পীরিবা ৱারম অসিনা পুংশুপ শুপ্না নত্রগসু মরু ওইবা খেন্নবা মহুমদি পনগে। অহানবদা, দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতুং ইন্না রিভিয়ু তৌগদৌরিবা কোর্ট না চুম্নদগী ৱাখল লৈতানা মুন্না খল্লগা লৌবা ফিরেপশিং ওইব্রা হায়বা য়েংবদা নত্তনা মহাক্না খল মান্নবা মওংদা তৌখিব্রা য়েংগনি। অনিশুবদা, হান্নদগী লৈরম্বা রিভিয়ু তৌবগী মওংদা প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট না হেন্না কুপশিল্লি মরমদি দরকার লৈবা ৱারমশিং অমদি মরি লৈনবশিংদা লুন্না লৌহল্লি। অহুমশুবদা, আর ভর্সেস মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স, ঈ এক্স পি স্মিথ দা শেমখিবা য়ান্না থাক ৱাংলবা স্কৃটিনি টেষ্ট অদুনা ফাওবা মীওইবগী হক মপুং ফানা ঙাক শেন্বা ঙমদে।

১৪. ঐখোয়গী ৱাখল্লোন্দা, হায়রিবা প্রিন্সিপল অসি পানবদগী শীংনরক্লিবা জজমেন্ত অসিদা খুৎ থীংজিনবা অমত্তা লৈত্রে।

১৫. লার্নেদ কাউন্সেল না কোইম্বাটোর দিস্ত্রিক্ত সেন্ত্রেল কো ওপ বেঙ্ক ভর্সেস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন দা থাজবা থমখি অদুগা হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট অসিনা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানবদা অয়াবা লৌরগা রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং এম. পি. গঙ্গাধরন ভর্সেস ষ্টেট ওপ কেরালা হায়রিবা কেসশিংদা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি পান্দুনা তাখিবা রাসশিং বু পল্লি।

২: (২০০৬) ১১ এস সি সি সি ৬৭

৩: (২০০৬) ৩ এস সি সি সি ২৭৬: এ আই আর ২০০৬ এস সি সি ৩৫৪৮

৪: (২০০৬) ৬ এস সি সি ১৬২

৭: (২০০৭) ১ এস সি সি ৬৫০

১০: (১৯৯৬) কিয়ু বি ৫১৭

১১: (২০০৭) ৪ এস সি সি ৬৬৯

১২: (১৯৮৭) ৪ এস সি সি ৬১১

৩৭. তৌইগুম্বসুং, সুপ্রিম কোর্ট না ***ভি. এস. পি ভর্সেস গোপরাজু শ্রী প্রভাকরা হরি বাবু, (২০০৮) ৫ এস সি সি ৫৬৯*** হায়রিবা কেস অসিদা হায়রি মদুদি দোক্ত্রিন ওফ

প্রোপোর্সনালিটি অসি ৱেদনেসবরী রিজনেবলনেস দা য়ুম্ফম ওইবা জুদিসিয়েল রিভিয়ু গা তোইনা খেন্নবা লৈতে হায়রদুনা, অসুন্না হায়রি,

''২০. মতাং অসিদা লৈবা হায় কোর্ট গী জুরিসদিক্সন দি য়াম্না পাক শন্দে। দিসিপ্লিনরি মেটরশিং দা খুৎ থাবগী শক্তি অসি মশক মুন্না খঙলবা মচাকশিংনা মরম ওইদুনা অথিংবা থমই। অদুগা য়াম্না মরম চাবা ওর্দর অমবু মীনুংশিগী মিৎয়েং য়েংলগা ককথৎপা য়াদে। (মারুটি ওদযোগ লিমিটেদ ভর্সেস মহাত্মা মিশ্রা; ষ্টেট ওফ কর্নাতকা ভর্সেস সঞ্জয় কুমার পাথক অমসুং উত্তর হরয়ানা বিজলি বিত্রন নিগম লিমিটেদ ভর্সেস শুরজি দেবী য়েংঙু)

২১. নিয়মগী মতুং ইন্না দরকার ওইবা খোঙথাংশিং লোয়ননা পায়খৎলে হায়বা খঙলবদি, মরাল লৈরে খঙলবা ইমপ্লোয়ী অমগী মথক্তা পীগদবা দন্দি গী মতাংদা কোর্টশিংনা খুৎ থীংজিল্লোই। কেস খরখক্কী মতাংদা মথক থোংবা কোর্টশিংনা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি চৎনহনবা য়াই। করিগুম্বদা ইমপ্লোয়র অমনা লৌরিবা ফিরেপ অদু লিগেল পারামিণরশিংগী মনুংদা ওইরবদি, মরাল লাল্লে হায়বগী খুদম চাংদম ফংলবসু হায়রিবা জুরিসদিক্সন অদুগী মখাদা চল্লোই। (সেংফ্রোইদ রিমিদিজ লিমিটেদ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া য়েংঙু)

২২. ভারতকী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ গী মখাদা পীবা জুরিসদিক্সন শীজিন্নদুনা, হায় কোর্ট না মীনুংশি গী মিৎয়েংদা, তাখিবা লিগেল ওর্দর অমবু ককথৎপা য়াদে।''

২: (২০০৫) ২ এস সি সি ৬৩৮
৩: (২০০৬) ১২ এস সি সি ৫৬১
৪: (২০০৬) ১৩ এস সি সি ৭২৭, ৩২১
৫: (২০০৭) ১১ এস সি সি ৬৮১
৬: (২০০৮) ১৩ এস সি সি ৪৫৬
৭: (২০০৮) ১৩ এস সি সি ৬৪৪ (এস সি)
৮. এ আই আর ১৯৯৯ এস সি ৩৪৬৮

হায়রিবা কেস অদুগী রেস্পোন্দেন্ত অদু টেক্নিশ্যান নি অদুগা প্রোবেসন মতম মনুংদা, থৌদোক কয়ারক্তা মতম শাংনা থবক কারক্তনা লৈথোকপগী দন্দি মচা-মচা কয়ামরুম পীদুনা, পীবা য়াবা ৱার্নিং পীখ্রবনি। মখা তারকপদা, মহাক্না তোয়না থবক কারক্তবা অমসুং মদুগী মতিক চাবা মরম পীদবগী মহাকপু থবক্তগী লৌথোকখি; অদুগা হায়রিবা অসিমক মরাল অদুগা শাথিনা চুনদে হায়না শীংনরকখি। অদুবু সুপ্রিম কোর্ট না

থিজিন-হুমজিনবদগী রেস্পোন্দেন্ত মশা অসি তোয়না থবক কাগন্দবা মীওইনি খঙবদগী পীখিবা দন্দি অদুগী মতাংদা খুৎ থীংজিনখিদে।

৩৮. *ষ্টেট ওফ মেঘালয় ভর্সেস মেকেল সিংহ এন মরাক, (২০০৮) ৭ এস সি সি ৫৮০* হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না অসুন্না হায়রি মদুদি পীগদৌরিবা দন্দি অদুগী মতাংদা খন্নবা মতমদা মরাল লৈরবা মীওই অদুগী ৱাখল্লোন, মহাক্না পাঙতোক্লম্বা থবকশিং অমদি ফিরেপ লৌবা মতমদা দরকার লৈবা মান্নবা অমদি মরি লৈনবা হিরম-ৱারমশিংবুসু খন্নগদবনি। অদুগা মরাল লৈরবা ইমপ্লোয়ী অদুনা পায়রিবা ফম অদু পুকচেল শেংবা অমদি নিয়ম চুন্না থবক তৌবা দরকার লৈরবদি, মতাং অদু য়াম্না চুন্না অমদি লায়না লোইশিনবা য়ারোই।

অদুনা অসুন্না হায়রি,

"১৪. দন্দি পীবগী মতাংদা, খুৎ থিংজিনবা অসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্নি অমসুং মশীংসু য়াম্না য়ামদে। অদুগা হায়রিবা হায় কোর্ট না খুৎ থীংজিনবগী জুরিসদিক্সন অসিবু মতিক চাবা মরমশিং পীদ্রবদি পাঙথোকপা য়াদে। অদুবু, আর্টিকল ২২৬ গী মখাদা হায় কোর্ট না খুৎ তিংজিনবগী শক্তি পায়রবসু মদু শীজিন্নদে হায়বসি য়ানরবা ৱাফমনি। দিসিপ্লিনরি ওতোরিটি নতঅগা এপ্লেলেট ওথোরিটি না পীবা দন্দি অদুনা কোর্টগী ৱাখল্লোন্দা অঙকপা ফাওহনবা নত্রবদি মদু জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা য়াদে। অদুগা হায় কোর্ট গী শিংনরক্লিবা ওর্দর অসিদা পীরিবা দন্দি অসি চুনদে হায়বগী চপ চাবা মরম লৈতে। মরম পীবা ঙমদ্রবদি ৱায়েল বিচার তৌবিদবগা মান্নে অদুগা চুন্নদগী মরম চাদে হায়বা খক্তনা ওইবা য়ারোই।

১৫. দিপার্টমেন্টেল ইনক্বায়রি না পীরকপা ৱারোইশিন গী মতুং ইন্না মরাল লৈরবা মীওই অমদা পীগদবা দন্দিগী মতাংদা খন্নবা মতমদা মীওই অদুগী ৱাফলগী ফিভম, মহাক্না পাঙথোকপা মথৌ অমদি মান্নবা হিরম-ৱারমশিং লোইনা খন্ন-নৈনগনি অদুগা ফিরেপ লৌগনি। অদুগা করিগুম্বা হায়রিবা ইমপ্লোয়ী অসিনা পায়রিবা থবক অসি পুকচেল শেংবা অমদি নিয়ম নাইনা চৎপা দরকার ওইরবদি, অসিগুম্না মতাংদদি তরাই-তরাইনা লৌবা য়াদে অদুগা মহাক্কী মথক্তা অকনবা চৈরাক পীনবা হোৎনগদবনি।

১৬. রেস্পোন্দেন্ত মাশ অসি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা-ফোর্স তা য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা ফোর্স তা থবক তৌবনি অদুগা মহাক্কী মথক থোংবশিংনা মঙোন্দা হায়রকপশিং অদু মহাক্না চপ-চানা পাঙথোকফক থোকপনি। অদুবু, মহাক্না হায়বা ইন্দবদা নত্তনা এক্সচেকর দা দিপোজিত তৌগদৌবা শেনফমগী শরুক খরা মাঙহনবগা লোয়ননা মহাক্কী সর্ভিস রিভোলভর অমদি মদুগী মরুগা পুন্না মাঙহনখি অমসুং হায়রিবশিং অসি অতোপ্পা মীওইনা

লান্না শীজিন্নখিবসু য়াই। করিগুম্বা মতমদা ষ্টেচুট অমনা এডমিনিষ্ট্রেটর দা ফিরেপ অমা লৌবগী শক্তি শীন্নরকপা মতমদা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী মতাং য়াম্না লৈতে। মরাল লৈরে খঙলবা রেস্পোন্দেন্ত অদু পুলিস ওফিসর অমনি অদুগা মহাক্না তৌফম থোকপা মথৌ মপুকচেল শেংনা, নিয়ম নাইনা অমদি পুক্নিং হকচাং লুপ্না তৌখিদে অমসুং মহাক্কী থৌওংশিং অদু মীচঙ-মীখায় নাইবা অমদি এক্সচেকর অমদি সমাজদা অকায়বা পীবা থৌওংশিংনি।

১৭. দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি অদনা কোর্টগী পুক্নিংদা অঙকপা পোকহনবা কেস ওইরবসু, ওথোরিটি অদুনা মরাল অদুবু অমুক হন্না খন্ননবা হল্লকদবনি। অদুবু হায়রিবা কেস অসিদা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পীরকপা দন্দিনা খুৎ থীংজিনবদা নত্তনা থবক্তগী লৌথোকপসি নত্তবা অতোপ্পা দন্দি পীন্নবা এপ্পেলেট ওথোরিটি দসু পাউতাক পীখি। অদুনা আর্টিকল ২২৬ গী জুরিসদিক্সনগী মখাদা হায় কোর্ট না মশাবু লান্না লমজিং লমতাক্লে। মরম অদুনা হায় কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ না তাখিবা ৱারোইশিন অদু ফজবা ৱাৎলি । হায়রিবা হায় কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা অসিবু য়েংলগা আপিল অসিবু য়াহনবা তারে।”

৩৮: (২০০৮) ৮ এস সি সি ৪৬৯

৩৯. ষ্টেট ওফ পঞ্জাব ভর্সেস ডাক্টর পি. এল. শিঙ্গলা, (২০০৮) ৮ এস সি সি ৪৬৯ হায়রিবা কেস অসিদা পীগদৌরিবা দন্দি অদু সর্ভিস গী মওং মতৌ, ইমপ্লোয়ী অদুনা পায়রম্বা ফম, থবক লাকখিদবগী মতম অমসুং লাকখিদবগী মরম/শন্দোক্না তাক্লবশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইগনি হায়দুনা মখাদা অসুন্না হায়রি:

> “১৪. ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা দিয়ুতি দা অমুক রিপোর্ট তৌরক্রবা অমসুং মদুগী মতিক চাবা মরম পীদ্রবা নত্রগা পীরিবা মরম অদুনা পেনহনবা ঙমদ্রবদি, ইমপ্লোয়র অদুনা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি। অসিগুম্বা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং অসিনা দন্দি ওইনা, হায়বদি অচৌবা ওইনা সর্ভিস দগী দিসমিস তৌবা নত্রগা থবক্তগী লৌথোকপা অমদি অয়াঙবা দন্দি ওইনা মঙোন্দা পীফম থোকপা ইনক্রিমেন্তশিং ফাজিন্দুনা থম্বা য়াই। অদুবু পীগদৌরিবা দন্দি অদু মহাক্না তৌরিবা সর্ভিস অদুগী মওং-মরিল, ইমপ্লোয়ি অদুনা পায়রিবা ফম, থবক কারকখিদবগী মতম/কারকখিদবগী মরম অসিনচিংবগী মতুং ইনগনি। করিগুম্বা দন্দি অদু দিসমিস তৌবা নত্রগা থবক্তগী লৌথোকপগী ওইরবদি, ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা থবক কারকখিদবনা মরম ওইরগা ওর্দর পাস তৌবা মথৌ তাদবা য়াই (রুলশিংগী মতুং ইন্না তৌবা দরকার ওইরবদি)। অদুবু, পীরিবা দন্দি অদুনা

ইমপ্লোয়ী অদুগী সর্ভিস মখা চত্থবদা অকায়বা পীদ্রবদি মহাক্কী সর্ভিস রিকোর্টদা কাখিদবগী মতাংগা মরি লৈননা ওর্দর পাস তৌবা দরকার লৈগনি। অমসুং, করিগুম্বা হায়রিবা ওর্দর অসি পাস তৌদনা অসুম থল্লবদি সর্ভিস দা ব্রেক লাক্কুনা মসিনা মহাক্কী সিনিয়রিটি,পেন্সন অমদি পে নচিংবগী মতাংদা অকায়বা পীরকপা য়াই। মসিগুম্বা ওর্দর অসি পাস তৌবদি একাউন্তিং অমদি এডমিনিষ্ট্রেটিভ মায়কৈদা লৌখকিদবা খোঙথাংনি, অদুগা মসিনা পীরিবা দন্দি অদুদা মখল অমত্তগী অকায়বা পীরোই।

৪০. ***রামভীর সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, (২০০৯) ৩ এস সি সি ৯৭*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (সুপ্রা), অপ্পারেল এক্সপোর্ট প্রমোসন কাউন্সিল ভর্সেস এ. কে. চোপ্রা, য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস দত্তা লিঙ্গ টৌশাটৱাদ, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ হায়দ্রবাদ ভর্সেস পি. কটারাও হায়রিবা কেসশিং অসিবু পল্লদুনা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানখি অদুগা পীরিবা দন্দি অদুনা কোর্ট গী ৱাখল্লোন্দা অঙকপা ফাওহনবা মখৈ চুনবা ওইদ্রবদি, মদুদা খুৎ থীংজিনবা য়াদে হায়খি।

৭: এ আই আর ১৯৫৩ পি ঐছ ২৭৪
৯: এ আই আর ১৯৯৯ এস সি ৬২৫
১১: ২০০৮ (১৫) এস সি সি ৬৫৭

৪১. ***কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ ভর্সেস মুকুল কুমার চৌধুরি, (২০০৯) ১৫ এস সি সি ৬২০,*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী ৱাফমবু পুখৎলদুনা থা তরুক থবক কারকখিদবগী মীওই অমবু থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীখিবগী মতাংদা খুৎ থীংজিনখি অমসুং দন্দি অদু শীরক্লিবা মরাল অদুগা য়েংনবদা য়াম্না কনবল্লি হায়না হায়খি। পীগদৌরিবা দন্দি গী মতাংদা খন্নবা মতমদা থোক্লকপা য়াম্না মরুওইবা ৱাহংদি, মান্নবা হিরমশিংদা ৱাখল মুন্না খন্থবা ইমপ্লোয়র অমনা মান্নবা দন্দি পীগদ্র হায়বা অসিনি হায়না কোর্ট না মখা তাখি। অদুগা ৱাখল তাবা ইমপ্লোয়র অমনা দন্দি পীদ্রিঙৈ মমাংদা লাল্লিবা মরাল অদুগী চাং, মওং-মতৌ নচিংবশিংসু কুপ্পা নৈনফম থোকই। অদুনা ইকায়খুম্নরবা কোর্ট না অসুম্না হায়রি,

> "১৬. য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস জি. গনয়ুথম হায়রিবা কেস অসি কোর্ট অসিনা ইংলেণ্ড অমদি ঐখোয়গী লৈবাক্কী লৈরিবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো দা প্রোপোর্সনালিটি গী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি। কোর্ট অসিনসু মরু ওইবা ইংলিস গী ৱায়েলশিং হায়বদি, এসোসিয়েটেদ প্রোভিনসিয়েল পিক্টর হাউজেস লিমিটেদ ভর্সেস ৱেদনেসবরী কোঁপোরেসন, কাউন্সিল ওফ সিভিল সর্ভিস য়ুনিয়ন ভর্সেস মিনিষ্টর ফোর সিভিল সর্ভিস, আর ভর্সেস গোলষ্টাইন অমসুং আর ভর্সেস সেক্রেটরি ওফষ্টেট ফোর দ হোম দিপার্টমেন্ট, ঈ এক্স পি ব্রাইন্দ হায়রিবা

কেসশিং অমদি কোর্ট অসিগী ৱায়েল খরা অমগসু হায়বদি রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্র ভর্সেস এম. ঐছ মজুমদার, এক্স নাইক সরদার সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, টাটা সেলুলর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, ষ্টেট ওফ এ. পি ভর্সেস মেকদোৱেল এন্দ কো হায়রিবশিং অসি পল্লদুনা ইংলেণ্ড অমদি ইন্দিয়া গী এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো দা প্রোপোর্সনালিটি গী ওইরিবা ফিভম বু শম্লপ্না পীরি (জি. গনয়ুথম গী কেস, এস সি সি পি পি ৪৭৮-৭৯, পারা ৩১)

১৯. দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি হায়বসি, মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈরিবা আইনগী চৎনবগী মতুং ইন্না জুদিসিয়েল রিভিয়ু গী মশক নাইবা ৱাখল্লোন অমনি। করিগুম্বদা, মরালগা চুনদবা মওংদা দন্দি পীরবদি, ফিরেপ লৌরিবা মীশক অদু মনিং-মখা তম্বা পীরম্বা অদু জুদিসিয়েল না খুৎ থীংজিন্দুনা শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াই। শীরিবা মরাল অদুগী মতিক মপা চাদবা দন্দি পীবা তারবদি থোংবা ওতোরিটি না হায়বা থৌশাদবা অমদি ইন্দবগী ৱাফম লৈখিদে অমসুং কম্পনি গী নিতি নিয়মশিংবু খোঙ্গাওনবগী ৱাফম সু লৈতে হায়খি অমসুং কারকখিদবগী মরম অদু লনাইগী ওইবনা, মহাক্না থবক থাদোকপগী চে ফাওবা থাজিনখি অদুবু মদু লৌশিনখিদে, অদুনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোক্লকপা অসি মরম চাদে। অদুগা ঐখোয়গী জজমেন্ত গী মতুং ইন্নসু, ৱাখল অমত্তনা মান্নবা মতাংশিংদা থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি অসি পীরোই। হায়রিবা দন্দি অসি য়াম্না অকনবা অমা ওইবদা নত্তনা শীরিবা মরালশিং অসিগা য়েংনবদসু য়াম্না শাথিনা চুনবা ৱাৎলি।

২২. চুম্নগী মতমদদি, অসিগুম্বা মতাং লাকপা মতমদা ঐখোয়না কেস অদুবু মতিক চাবা ওথোরিটি গী মফমদা অমুক হন্না পীখিদুনা হন্না খন্ন-নৈনরগা মতিক চাবা দন্দি পীন্নবা হায়গনি। অদুবু, চংথরিবা কেস অসিগী হিরম-ৱারমশিং অসিগী ওইনদি অদুম তৌবদু চুনবা ৱাৎলি। ঐখোয়গী মিৎয়েংদদি অহানবা রেস্পোন্দেন্ত অসিনা থা তরুক মরি লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা থবক কারককিদবগী মরাল অসি গী মতিক চাবা দন্দি ওইনা হায়রিবা মতম অসিগী মহাক্কী তলব পীদবনা মতাং অসিদা খ্বাইদগী চুনবা দন্দি ওইবদা নত্তনা নিয়ম নাইনা তৌবা ৱায়েল বিচার ওইগনি।

২৩. মসিগী মখা তারকপা ওইনা, আপিল অনিমক্কী মচেৎ খরা ওইরবসু য়াহল্লে। এপ্লেলেন্তশিংনা অহানবা রেস্পোন্দেন্ত অসিবু থবক হঞ্জিনবা য়াহল্লগা মহাক্কী হায়রিবা লৌথোকখিবগী মতমদুগী ওইনদি তলব শাদবদা অয়াবা পীরে। পার্টিশিংনা অচঙবা শেনফম মশানা পুথোক্কদবনি।”

৭: (১৯৯৭) ৭ এস সি সি ৪৬৩

৮: (১৯৪৮) ১ কে বি ২২৩

৯: (১৯৮৫) এ সি ৩৭৪

১০: (২০০৬) ১ এ সি ৪৫৯

১১: (১৯৯১) এ সি ৬৯৬

১২: (১৯৮৭) ৪ এস সি সি ৬১১

১৩: (১৯৮৮) ২ এস সি সি ৫২

১৪: এ আই আর ১৯৯২ এস সি ৪১৭

১৫: ১৯৯৬ এ আস আর ১১, ১৯৯৪ এস সি সি (৬) ৬৫১

১৬: (১৯৯৬) ৩ এস সি সি ৭০৯

৪২. ***চরঞ্জিৎ লম্বা ভর্সেস আর্মি সার্উদন কমান্দ, (২০১০) ১১ এস মস সি ৩১৪*** হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা কোর্ট না মতাং অসিগা মরি লৈননা ফিরেপশিংবু খন্ন-নৈনরগা অসুম্না হায়খি,

"১৯. মরাল লৈরবা মীশক অমগী মথক্তা পীবা দন্দি অদু মরাল অদুগী মওং-মরিল গা চুনবা ওইগদবনি হায়রিবা ৱাফম অসি নিয়ম চুম্না, মরম চানা অমদি মীচঙ-মীখায় নাইদবা খক্তা নত্তনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ শুবগী শরুক অমনি হায়বসু খঙলে। অদুগা ৱায়েল কয়ামরুম তাখিবা অসিগী মতুং ইন্নসু ইন্দিয়াগী কোর্টশিংনা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি জুদিসিয়েল রিভিয়ুতৌবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাক অমা ওই হায়বসি খঙলে। অমসুং দিসিপ্লিনরি মেটরশিংগী ওইনদি পীগদৌরিবা দন্দি অদু থাজবা ৱাৎপদগী শাথিনা চুনবা ৱাৎপ্রা হায়বা অদুনি।"

মসিগা মান্নবা মওংদা, ***য়ু টি ওফ দদ্রা এন্দ নগর হরেলি ভর্সেস গুলাবিয়া এম.লাদ, (২০১০) ৫ এস সি সি ৭৭৬: (২০১০) ২ এস সি সি (এল এন্দ এস) ১০১*** হায়রিবা অসিদা অসুম্না হায়রি

"১৪. দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি অমসুং নত্রগা এপ্পেলেট ওথোরিটি না দন্দি পীবগী মতাংদা তারকপা আপিল গী মতাংদা থারকপা আপিল গী মতাংদা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী শক্তি শীজিন্নবগী লিগেল ওইবা খোঙফম অদুদি ময়েক শেংনা লৈ; হায়বদি আইন্না য়াদবা মচাকশিং য়াওরবা নত্রগা মচাকশিং অদুদা অৱাৎপা লৈরবা নত্রগা দন্দি অদুনা কোর্ট/ত্রিবুনেল গী ৱাখল্লোন্দা য়াম্না শাথিনা অঙকপা পোকহনবা ওইরবদি হায়রিবামতাং অসিদা হায় কোর্ট নত্রগা ত্রিবুনেল না খুৎ থিংজিনবা য়াগনি। অদুগা দন্দি পীবা মতমদা হিরম কয়ামরুম অমা হায়বদি মরাল অদুগী শাথিবগী চাং, মমাংদা লৈখিবা মহাক্কী লমচৎ-শাজৎ, মহাক্কী থবক্কী মওং-মতৌ, মহাক্না পায়রিবা ফম অদুগী লৌফম থোকপা দায়ত্ব, মমাংদা মহাক্না মরাল লানখিবশিং, করিগুম্বা লৈরবদি অমসুং মহাক্না থবক তৌরিবা মফম নত্রগা দিপার্টমেন্ট অদুদা মথৌ-তাবা চৎকদবা নিতি-নিয়ম হায়রিবশিং অসিদা য়ুম্ফম

ওইগনি। মহৌশানা, কোর্ট নত্রগা ত্রিবুনেল অমনা হিরম-ৰারমশিং দা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়গী ৰাখল্লোন্না মহুৎ শীন্দোকপা হায়বসি তৌগন্দে।

৪৩. ওল ইন্দিয়া রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দ ভর্সেস ভি. কে.শ্যাম কুমার, (২০১০) ৬ এস সি সি ৬১৪ হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না প্রোপোর্সনালিটি প্রিন্সিপল না ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল বু মহুৎ শিঞ্জিন্দরি অমসুং হায়রিবা ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল অসিবু বিদায় পীবগী মতম য়ৌদ্রি হায়বা অসিনি।

অসুন্না হায়রি,

“২৮. ইংলিস এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো দা টেষ্ট অনিমক, হায়বদি ৱেদনেসবরী অমদি প্রোপোর্সনালিটি অসি অদুম পুন্না শীজিন্নরি; মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরকপা মতম অমসুং ফন্দামেন্তেল ফ্রিদমদা শীংনরকপা মতমদা প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট অসি হেন্না শীজিন্নৈ অদুগা নাগরিকশিংগী হক খোঙ্গাওনবা অমদি দোমেষ্টিক লোগী মতাংদনা ৱেদনসবরী প্রিন্সিপলবু বিদায় পীদুনা মসিবু ফুমজিনখিবদি লাইরদনা মসিবু প্রোপোর্সনালিটি প্রিন্সিপল না মহুৎ শীঞ্জিনবা ফাওবা ঙমদ্রি।

৩৪. ইকায়খুম্ননা হায়জরি মদুদি ঐখোয়না হায়রিবা ৰাফম অদুদা থাজবা ঙল্লোই, মরমদি ৰাফম অদুদা থাজবা ঙল্লোই, মরমদি ৰাফম অদু ইংলিস এডমিনিষ্ট্রেটিভ লোনা হেন্না হায়জিনবনি।

৩৫. মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী শীংনরকপা কেসশিংদা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি শীজিন্নবগী চাং ৰাংখৎলক্লবসু মসিনা ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল ওফ অনরিজনেবলনেস গী মহুৎ শীজিন্নবদি নত্রি। ঐছ. দব্লিউ. আর ৱেদ এন্দ সি. এফ ফোরসিথ না এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো (২০০৯) গী তরাশুবা ইদিশন্দা কোর্ট অসিনা জিটেন্দরকুমারগী কেস দাহায়খিবা ৰাফম্বু ফন্দনা মখাদা অসুন্না হায়রি:

“ৰাখল্লোনশিং অসিনা পীবা থাজবশিং অসি লৈদুনসু ৱেদনেসবরী অনরিজনেবলনেস গী মথক্তা কু দি গ্রা দি ওইদ্রি। করিগুম্বা হিরম অমা ১৯৯৮ এক্ট গী ৰাংমদা লৈরবদি, হায়রিবা দোক্ত্রিন অসিদা কোর্টশিংনা থাজবা হেক হেক থমই। মসিগী দোক্ত্রিন অসিগী মুৎখিবগী রিপোর্টশিং অসি শেমদোক-শেমজিন তৌরবনি।”

(ইম্ফেসিস পাল্লবা)

*ৱেদনেসবরী অমসুং প্রোর্পোসনালিটি*

৩৬.	ফিরেপ লৌবা মতমদা করিগুম্বা মদু মশাগী লৈজবা মোরেল নত্রগা ইথিকেল ষ্টেন্দর্দশিংগী ৰাংমদা, মথোং মরম খঙদনা অমদি ৰাখল মুন্না খন্থবা ঙম্বা মীওই অমত্তনা লৌরোইদবা ফিরেপ লৌরকপা মতমদা ৰেদনেসবরী অসি পানগনি। লিগেল টেষ্ট তৌবা মতমদা প্রোপোর্সনালিটি না ৰেদনেসবরী দগী হেন্না মরিকচুম্বা অমদি মীয়ামগী ওথোরিটি ওইবা অমনা ফিরেপ লৌরিবা মীওইনা লৌরকপা অদু "বেলেন্স নত্রগা ইক্সেসন বু য়েংশিনবা" ঙম্বা ওইবনি। জুরিসদিক্সন খরদদি প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট অসি "লিষ্ট ইঞ্জুরিয়স মিন্স" নত্রগা "মিনিমল ইম্পিয়ারমেন্ট" টেষ্ট নি হায়না হায়রি অদুগা মদুনা নাগরিকশিংগী ফন্দামেন্টেল রাইট পু ঙাক শেন্নবা অমসুং লনাইগী রাইটস অমদি পব্লিক ইন্টরেষ্ট গী মরক্তামান্নবা খল অমা থন্নবা উপাই অমনি হায়না লৌনরি। মসিগী মশক মওংদা হায়রিবা টেষ্টশিং অসি পুশিনবা য়াওই, অদুনা মখোয়বু তোঙান-তোঙান্না খাইদোকপা ঙমদে অমসুং ৰেদনেসবরী গী মপুন্সি লোইশিল্লক্কদৌরে হায়বসি য়াম্না হায়মনবা ওইনা থোক্কনি। অদুবু, তৌইগুম্বসুং, হৌজিক্কী লৈরিবা ফিভম অসিদদি প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট না হেন্না পান্নরক্লি অদুবু ৰেদনেসবরী অসিবু জুদিসিয়ারি দগী মুথৎপা অসিমক্তি হৌজিকফাওবা ঙমদ্রি, অমসুং টেষ্ট দগী মসিবু মুথৎপা অমদি বিদায় পীবা অসি হৌজিক-হোরেন গী থবক নত্তে।

৩৭.	প্রোপোর্সনালিটি না মরম ওইরগা লৌখৎখিবা খোঙতাং অদু দরকার ওইখিব্রা অদুগা মদু মরম চাবা খোঙথাং ওইব্রা হায়বদু য়েংগনি। মসিদি ফিরেপ লৌরিবা মীওই অদুগী ৰাখল্লোন অমসুং পান্দম বু থিজিল্লি অদুগা মীওই অদুনা অচুম-অরান খল মান্ননা ফিরেপ লৌখিব্রা হায়বসু য়েংগনি। জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌন্নবা শীন্নরিবা কোর্ট অদুনা ওথোরিটি না লৌরকপা ফিরেপ অদু প্রোপোর্সনেট ওইব্রা হায়বদি অচুম-অরান খল মান্ননা অমদি অকায়বা য়াওদবা ওইব্রা হায়বদু য়েংগনি। অদুগা কোর্ট না মেরিট রিভিয়ু অমা পাঙথোক্তুনা লৌরিবা ফিরেপ অদু মরম চাব্রা য়েংলগা করিগুম্বা মদু মরম চাবা ৰাৎলম্লবদি মদুদা খুৎ থীংজিনবা য়াই।

৩৮.	টেক্সবুক ওন এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো (৫ শুবা ইদিশন ও য়ু পি, ২০০৫) অসিদা লেলেন্দ অমদি এন্থোনি না পি. ৩৩১ দা য়াম্না ফজনা অসুম্না হায়রি:

"অপাম্বা রিজল্ট অদু ফংননবা হোৎনবদা লৌখৎপা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অদু দরকার ওইবা চাংদগী হেল্লোইদবনি হায়বা ৰাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক পাঙথোকপা হায়বসি প্রোর্পোসনালিটি গী মচৎনি। ইচম-চম্বা ৰাহৈদা হায়রগা লৈবাক হৰায় থুগায়বদা নুংথং অচৌবা শীজিন্নবগী কান্নবা থোইনা লৈতবা অদুগুম্বনি।

৩৯.	প্রোপোর্সনালিটি গা মরি লৈননা য়াম্না লায়না মাঙখিবা য়াদনবা অমদি মওং-মরিল নায়না মরিক চুম্বা খোঙথাং অমা লৌখপি তঙাইফদে, মদু তৌদ্রিবা ফাওবদি হান্নদগী

লৈজরম্বা রিভিয়ু তৌবগী মওং গা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অনিগী মরক্তা মান্নবা জগাশিং য়াওবগী য়েৎশিন্নবা থোকপদগী চুনগদবা খল্লগা কেসশিংগী রাই তাবগী থবক চত্থখিগনি। প্রোপোর্সনালিটি হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা অদুম খেন্নবা নত্রগা চাংদম্নবা অদুবু তাকপনি, মসিগী মতেংনা ফিরেপ লৌরিবা মীওই অদুনা কেস অমগী ৱারম অকুপ্পদা খঙদোক্লগা কেস-কেস গী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা মওংদা শীজিন্নবা য়াহল্লি।

১: (১৯৪৮) ১ কে বি ২২৩

২৩: (২০০৮) এস সি সি ১৬১

৪৪. ***সুরেন্দ্র প্রসাদ শুকলা ভর্সেস ষ্টেট ওফ ঝারখন্দ, (২০১১) ৮ এস সি সি ৫৩৬*** হায়রিবা কেস অসিদা এপ্পেলেন্ত অদুনা হুরাল্লকপা কার অমা অমসুং মদুদা চেন্নবা মীওইশিংবু ময়ুমদা লোন্না চঙজফম পীরম্বা মীওইশিংবু ময়ুমদা লোন্না চঙজফম পীরম্বা অমসুং মদুগী মতাংদা মথক-থোংবা ওথোরিটিশিংদা পাউ পীরমদবগী, অমসুং মহাক্কী থৌওং অদুনা পুলিস ফোর্স গী মিংচৎ থিহনবগীদমক মহাকপু দিসমিস তৌবগী দন্দি পীখি। অদুবু আই পি সিগী সেক্সন ৩৯২ গী মখাদা এপ্পেলেন্ত অদুনা হুরানবদা মওং অমত্তগী মতেং পাংখি হায়বগী মরাল শীরকপা লৈখিদে নত্রগা মহাক্কী মচানুপা না কার অদুবু হুরাল্লকপগী মতাংদা মহাক্না খঙলগা পুলিস তা তাকখিদবগী থৌওংসু চত্থখিদে হায়বসি ইকায়-খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না খঙলবনি। অদুম ওইনমক এপ্পেলেন্ত অদুনা লৈরিবা সরকারগী ক্বাটর গী মমাংদা খামদুনা লৈরিবা কার অদুগী মতাংদা মচানুপাদা ৱাহং-পাউহং চত্থদবগী থৌশাদবা মতৌ অদুগীদমক মহাক মরালদি লাল্লে। এপ্পেলেন্ত মশানা কনষ্টেবল অমা ওইনা অমদি তারিখ ৭-৮-১৯৭১ দগী মহাকপু সর্ভিস দগী দিসমিস তৌখিবা তারিখ হায়বদি ২৮-২-২০০5 ফাওবনা হেদ কনষ্টেবল ওইনা শাংলবা চহী ৩৪ অসি সরকারগী সেবা তৌদুনালাকখি অমদি মসিগীদমক মহাক পেন্সন ফংফম থোকই হায়বসি ইকাইখুম্নরবা কোর্ট না খঙখি। মদুগী মরম অদুনা, ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না মহাকপু দিসমিস তৌদুনা শাংলবা চহী ৩৪ সর্ভিস তৌরম্লবসু পেন্সন পীবিদবগী দন্দি পীখিবা অসি য়াম্না শাথিনা চুনবা ৱাৎপা মরম্না মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি অসিবু থবক্তগী নমদুনা পোত্থাহনবদা ওন্থোকখি।

৪৫. অদুমওইনমক, ***কমান্দেন্ত, ২২ শুবা বটালিয়ন, সেন্ত্রেল রির্ভব পুলিস ফোর্স, শ্রীনগর, সি/ও ৫৬/এ পি ও অমদি অতোপ্পশিং ভর্সেস সুরিন্দর কুমার, (২০১১) ১০ এস সি সি ২৪৪,*** হায়রিবা কেস অসিদা পার্সনেল অমনা মহাক্কী ওপরেশন চত্থরিবা মফমদা দিয়ুতি তারিঙৈ মতমদা মিনট ২০ মহাক্কী পার্টি খঙহল্লমদনা মাঙলুরগা অমুক হল্লকখি; মদুনা মহাক্কী মথক থোংবনা মহাকপু নিশাদা তাউদুনা লৈবগী মতৌদু উবদগী মেদিকেল ইকজামিনেসন তৌবা চৎলুসি হায়বদা শাউরদুনা মহাক্কী মথক থোংবগী এ কে-৪৭ রাইফল মুল্লগা মশাদা খুৎলাইদু নমখি অমসুং অতোপ্পনা খামহৌবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্কদবদগী কলহৌখি। হায়রিবা থৌদোক অসিবু

ওর্দর অমদি দিসিপ্লিন্দা শোকহনবা, মীচঙ-মীখাই নাইবা থৌদোক অমনি অদুগা য়াম্না শাথিনা দিসিপ্লিন লৈবা সি আর পি এফ গুম্বা র্ফোস গী মীওইশিংনা তৌরকপা তারবদি থবক্তগী দিসমিস তৌবা  ফাওবা য়াই হায়না  ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হায়খি। ইকায়কুম্নরবা কোর্ট না পীরিবা দন্দি অদু চুম্নদগী মতিক-মপা চাদবা  খক্তা নত্তনা শাথিনা চুনদবা ওইবদা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ গী মখাদা হায় কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা অমসুং য়াম্না তাঙনা থোকপা কেসগী মতাংদা, পরর্ভসিতি নত্রগা ইরেসনালিটি য়াওবদগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ গী মখাদা হায় কোর্ট না খুৎ তিংজিনবা অমসুং য়াম্না তাঙনা থোকপা কেসগী মতাংদা, পরর্ভসিতি নত্রগা ইরেসনালিটি য়াওবদগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ নত্রগা ২২৭ নত্রগা ৩২ গী মতুং ইন্না জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা য়াই হায়না হায়রি।

২: (২০০১) ৯ এস সি সি ৫৯২

৪৬. *মহারাষ্ট্র লেন্দ দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন ভর্সেস ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্র, (২০০১) ১৫ এস সি সি ৬১৫,* হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না ৰেদনেসবরী প্রিন্সিপল ওফ রিভনেবলনেস অসি দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি না মহুৎ শীঞ্জিল্লক্লে হায়খি। কেস অদুদা দোমেষ্টিক ইনক্বায়রি চত্তবদা দন্দি পীবগী মতাং ওইদ্রবসু দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি। অদুগা ইকায়খুম্নরবা কোর্ট না অসুন্না হায়খি,

> ৬০. অদুম ওইনমক, দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি না ৰেদনেসবরী প্রিন্সিপল ওফ রিজনেবলনেস গী মহুৎ শীঞ্জিল্লি। লোর্দ দিপলোক না কাউন্সিল ওফ সিভিল সর্ভিস য়ুনিয়ন্স ভর্সেস মিনিষ্টর ফোর সিভিল সর্ভিস হায়রিবা কেস অদুদা য়াম্না মমিং চৎলবা ৱারেপ তাখিবা লোয়ননা জুদিসিয়েল রিভিয়ু চত্থবগী মরমশিং হেন্না পাকথোক-চাউতোকহনখি। মদুদা মহাক্লা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন গী মথক্তা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী মরুওইবা মরম অহুম পল্লমই। অহানবা মরম অদুনা "ইল্লিগেলিটি", অনিশুবা না "ইরেসনালিটি" অমসুং অহুমশুবনা "প্রোসিদুরেল ইম্প্রোপ্রাইটি" হায়বনি। মখা তানা, মতমগী মতুং  ইন্না কেস-কেস গী মতুং ইন্না, শীংনরকপগী মরম অতোপ্পা লৈরকপা য়াই হায়না মহাক্লা মখা তাখি। অদুগা মহাক্লা প্রিন্সিপল্স ওফ প্রোপোর্সনালিটি বু অখন্ননা পনখি। অসুম তৌদুনা, মওং অমদা, লোর্দ দিপলোক্লা "রিজনেবলনেস" গী ৱাহৈ-ৱাতা বু "প্রোপোর্সনালিটি" না মহুৎ শীন্দোকখি হায়বসি মহাক্লা  অসুন্না হায়বদগী খঙখি: (৪১০ জি)
>
> " 'ইরেসনালিটি' হায়রগা ঐনা ময়েক শেংনা হায়নীংলিবসি 'ৰেদনেসবরী অনরিজনেবলনেস' অদুবুনি .... মসি লোজিগ য়াওদনা নত্রগা চৎনবী মোরেল ষ্টের্ন্দাদ থুগায়দুনা ৱাখল ফজনা খন্থবা ঙম্বা মীওই অমনা ৱাহন-পাউহং তৌদুনা লৌরক্কদবা ফিরেপ ওইরোইদবনি।"

৬১. পব্লিক ওথোরিটি অমনা মহাক্লা তাল্লিবা পান্দমশিং অদুগা পান্দমশিং অদু ফংননবা শীজিন্নবা পাম্বৈশিং, অনীগী মরক্তা চাং মান্নবা থমগদবনি হায়বসি প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি না হায়রি; অসুম তৌবনা মশাগী হক্তা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন না শোকহল্লবসু খ্বাইদগী নেম্বা চাংদা ওইনবা মীয়ামগীদমক য়েংলগা হায়বসিনি। অদুগা মসিনা তাক্লিবদি এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন্দা শীজিন্নরিবা শক্তি অসিনা মীয়ামগীদমক থবক তৌন্নবা ওইগদবনি। মরম অদুনা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি হায়রিবসি এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অমগী অফ-ফত্তগী মতাংদা কোর্টনা মুন্না ৱাহং-পাউহং চত্থগদবনি হায়রি। করিগুম্বা শীংনরক্লিবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অদু অফবা ওইদুনা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা ওইদ্রবদি মদু শৌগৎলোই। হায়রিবা প্রিন্সিপল অসিগী মপুং ওইবা থবক্তি এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওতোরিটি অমনা শক্তি শীজিন্নদুনা লৌখিবা ফিরেপ অদু মরম চানা পাঙথোকখিব্রা হায়বা অদু য়েংগদবনি।

৬২. হৌজিক্কী মতমদদি হায়রিবা প্রিন্সিপল অসি কোর্ট অসিগা য়াম্না চুনরে অদুনা লৌখিবা ফিরেপ কয়ামরুম্নদি দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি রোমদা চঙশিল্লক্লে হায়বা তাক্লি। ভগত রাম ভর্সেস ষ্টেট ওফ ঐছ. পি দা কোর্ট অসিনা হায়রিব মদুদি করিগুম্বা পীরিবা দন্দি অদুগা লাল্লিবা মরাল অদুগা শাথিনা চুনদ্রবদি, মদু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ বু খোঙ্গাওনবা ওইগনি।

৬৩. এক্স-নাইক সরদার সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া হায়রিবা কেস অসিদা মরাল লৈরবা মীওই অদুনা ওথোরাসজ তৌরবা ব্রান্দি বোটল অমনা পুবগী মহুত্তা বোটল মরি পুরগা য়ুমদা হল্লমই। মসিগী মরমগীদমক মহাকপু থা অহুম ফাদোক পীদুনা অমদি সর্ভিস দগী সিদমিস তৌখিববু মরালগা চান্নদবা দন্দিনি হায়দুনা কোর্ট অসিনা হায়খি।

৬৪. কোইম্বাটোর দিস্ত্রিক্ত সেন্ত্রেল কো ওফ বেঙ্ক ভর্সেস ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন হায়রিবা কেস অসিদা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি ঐখোয়গী লিগেল সিসটেমদা চঙলকপদা নত্তনা মখা তানা লৈথখিনি হায়খি। তোঙান-তোভানবা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী শক্তি লান্না শীজিন্নখিদনবা য়েংশিনবা দরকার লৈরকপদগী হায়রিবা ওতোরিটিশিং অসিগী থবক-থৌরমশিংবু বিচার তৌননবা প্রিন্সিপল কয়ামরুম পুথোরক্লি। করিগুম্বদা ওথোরিটি অমনা লৌখৎপা এক্সন অদু আইনগী তাইওন্নবদা ওইরবা, ফজদ্রবা নত্রগা মরম চাদ্রবা ওইরবদি, মরি লৈনবা কোর্ট অমনা মদুদা খুৎ থীংজিন্দুনা জুদিসিয়েল রিভিয়ু চত্থবা য়াই।

৬৫. চরনজীৎ লম্বা ভর্সেস আর্মি সাউর্দন কমান্দ হায়রিবা কেস অসিদা অসুন্না হায়খি:

(এস সি সি পি. ৩২০, পারা ১৮)

"১৮. ....৪. ষ্টেটুটোরি ওথোরিটি না নিয়ম চুন্না অমসুং ফজনা বিচার তৌখি হায়বগী ৱাহং নৈনরকপা মতমদা কেস অদুগী মতাংদা লৈরিবা ৱারম পুন্নমক য়েংগনি। দোক্ত্রিন ওফ ফ্লেক্সিবলিটি গী মতুং ইন্না খন্নগদবনি। অদুগা থবক অমবু ককথক্ত্রিঙৈ মমাংদা কেস অদু জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা য়ারে হায়বদু কোর্ট না মুন্না য়েংগদবনি। কোর্ট না ৱেদনেসবরী অনরিজনেবলনেস দগী দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি রোমদা চঙশীল্লক্লি হায়বসি কোর্ট না খঙই।

৬৬. অদুনা, প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট অসিনা ফিরেপ লৌরিবা মীওই অদুনা মহাক্কী মথৌশিং করম হায়না পীবগে হায়বদি কেস অদুগী লৈরিবা হিরম-ৱারমশিংদা করম-করম্বাবু অকোক-অহান নায়না পীবগে হায়বদু য়েংগনি। মরম অদুনা, লৌরিবা ফিরেপ অদুগী অচুম-অরান অদুবু নৈনবা অদু ৱাহন নত্তে, অদুবু ফিরেপ অদু লৌননবা হোৎনবদা শীজিন্নবা পাম্বে অদুগী মতাংদনি নৈনগদৌরিবা ৱাহংদি। কেস অদুগী মতাংদদি, রেস্পোন্দেন্ত ষ্টেট না চয়েৎনদুনা লৈবা লন-থুমগী মতাংদদি মদু মশা মতোমতনা গর্ভনমেন্ত গী ওইগনি হায়বসি মীয়ামগী অয়াবা ওইৱা, অমসুং মদুনা শোকহনবা তারবসু য়াম্না য়ামদবা মওংদা ওইৱা হায়বদু য়েংগনি।"

৮: ১: [১৯৮৪] ১ কে বি ২২৩

৯: ১৯৮৩ য়ু কে ঐছ এল ৬

১০: এ আই আর এস সি ৪৫৪

১১: [১৯৯২] এ আই আর ৪১৭

১২: (২০০৫) ১ এম এল জে ৬৫৬

১৩: এ আই আর ১৯৫১ এস সি ৪১

৪৭. হান্না পনখিবা কেস দা, ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হায়বীরকপগী মতুং ইন্নদি ফন্দামেন্টেল ফ্রিদম গী ৱাফমগী মতাংদা নৈনবা নত্তে অদুগা অকরুবা লম খরগী মতাংদা মদু "ফোরেষ্ট" নত্রগা "প্রাইভেত ফোরেষ্ট" ওইরব্রা হায়দুনা মহারাষ্ট্র প্রাইভেত ফোরেষ্ট (এক্যুজিসন) এক্ট, ১৯৭৫ গী মতুং ইন্না করম্বা ওইবগে হায়বগী মতাংদা নৈনবা ৱাহংশিংগী মতাংদনি হায়বা অসি মতাং অসিদা কোর্ট না পন্নীংলি। নাকল অমরোমদা, ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না রঞ্জিৎ ঠাকুর, ১৯৮৭ (সুপ্রা) হায়রিবা কেস অসিদা ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমগী মতাংগী কেস ওইদবশিংগী মতাংদা লৌখৎপা এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সনশিংগী জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবা মতমদা, কোর্ট না সেকেণ্ডরি রোল লৌগনি, অদুগা প্রিন্সিপল ওফ প্রোর্পোসনালিটি চৎনরোই; অমসুং ফন্দামেন্টেল

ফ্রিদমগী মতাংদা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা ওইরবদি প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি চৎনবগা লোয়ননা কোর্ট না প্রাইমারি মথৌ তৌগনি।

৪৮. *চন্দ্র কুমার চোপ্রা ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, (২০১২) ৬ এস স সি ৩৬৯* হায়রিবা কেস অসিদা সুপ্রিম কোর্ট না দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি পাল্লদুনা পীগদৌরিবা দন্দি অদু চথখিবা মরাল অদুগা চুনবা ওইগদবনি হায়খি, অমসুং করিগুম্বা চুনদবা তারবদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ বু খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌগনি হায়দুনা ভগত রাম ভর্সেস ষ্টেট ওফ ঐছ. পি. গী কেস পল্লদুনা হায়খি।

কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ ভর্সেস মুকুল কুমার চৌদুরী হায়রিবা কেস অদুবুসু পল্লদুনা পীরিবা দন্দি অদু মরালগা চুনদ্রবদি জুদিসিয়েল না খুৎ থীংজিনবা য়াই হায়খি। মরম চাবা ইমপ্লোয়র অমগী চাংয়েং অদুসু পাঙথোকখি।

১২: এ আই আর ১৯৮৩ এস সি ৪৫৪

১৩: ২০০৯ (১৫) এস সি সি ৬২০

৪৯. এস. আর. তিৱারি ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, (২০১৩) ৬ এস সি সি ৬০২, হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না লো ওফ প্রোপোর্সনালিটি চৎনহল্লদুনা হায়রি মদুদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ গী মতুং ইন্না চাংয়েং তৌদুনা পীরিবা দন্দি অদু মরাল অমদি মরাল লৈরবা মীশক অদুগসু চুনগদবনি হায়না মখাদা অসুন্না হায়রি:

"৬. মরম অদুনা, কোর্ট অসিগ মমাংদা থোক্লক্লিবা খন্নবা য়াবা ৱাহংশিংদি মরালগীদমক দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না নমদুনা থবক্তগী পোত্থাহনবগী দন্দি পীরকপা অসি চুনৱ্রা অমসুং পীরিবা দন্দি অদু মথংগী হিয়ারিং দা কোর্টগী মমাংদা পুথোক্ত্রি ফাওবদি চৎনবা য়াখিরোই হায়দুনা তারিখ ৫-১-২০১২ দা তাখিবা ওর্দর বু অতমন্না ইন্দনা কন্তেন্ট পিটিসন শিংগী রেস্পোন্দেন্ত শিংনা ওর্দর বু খোঙ্গাওনৱ্রা হায়বা ৱাফমশিং অসিনি।

২৪. পীগদৌরিবা দন্দি গী মতাংদা খুৎ থীংজিনবগী ৱাহং অসি মরি লৈনবা জজমেন্ত ময়ামশিং অমদা তান্নখি অমসুং হায়খি মদুদি পীরিবা দন্দি অদুগা মরালগা চুনদবদি, মদু নিয়ম চুম্বা ওইরোই, অমসুং মদুনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪ না পীবশিং অদু খোঙ্গাওনবনি। রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট অসিনা মখাদা অসুন্না হায়রি:

(এস সি সি পি. পি. ৬২০-২১, পারা ২৫ অমদি ২৭)

"২৫. অদুবু দন্দি অদু মরাল অমদি মরাল লৈরবা মীওই অদুগা চুনগদবনি। মদু য়ান্না মরম চাদনা কনবা নত্রগা মদুনা লমন খুন্নীংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লোইদবনি। দন্দি

অদু য়াম্না মরম চাদনা কনবা নত্রগা মদুনা লমন খুন্নীংবগী ৰাখল্লোন পোকহল্লোইদবনি। দন্দি অদু য়াম্নসু চুনদবা ওইবদগী মীচঙ-মীখায় নাইবা ৰারোইশিং পীবা ওইরোইদবনি। জুদিসিয়েল রিভিয়ু গী শরুক অমা ওইরিবা, দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি না হায়রি মদুদি কোর্ট মার্সিয়েল গী মনুংদা লৈবা ওইরবসু কোর্ট গী ৰায়েল অদু লোজিগ য়াওদবা ওইরগদি, মদু চুমথোকপা য়ারোই হায়নীংঙাই লৈতে।

*                    *                *

২৭. চথরিবা কেস অসিদা তারিবা দন্দি অসি য়াম্না শাথিনা চুনদে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি অদুনা খুৎ থীংজিন্দুনা ৰায়েল বিচার তৌনবা হায়রি। মসি চুমথোক্তনা থমদুনা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা য়াদে।”

*(ইম্ফাসিস পীরবা)*

(য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস জি. গনয়ুথম, ষ্টেট ওফ য়ু. পি. ভর্সেস জে. পি. শরসৰত, চন্দ্র কুমার চোপ্রা ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া পান্দে গজেন্দ্র প্রসাদ হায়রিবশিং অসি য়েংঙু।)

২৫. বি. সি. চটুরবেদি ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট অসিনা হান্নগী তাখিবা রাইশিং য়েংলগা অসুম্না হায়খি মদুদি জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবা ঙম্বগী শক্তি অদু শীজিন্নরগা, “নোর্মেল” ওইনদি মশানা তাখিবা ৰারোইশিং নত্রগা পীগদৌবা দন্দি বু অমুক মহুৎ শীন্দোকপা য়াদে হায়বসিনি। তৌইগুম্বসুং, ওথোরিটি অমনা পীরিবা দন্দি অদুনা কোর্ট গী “কন্সাইন্স বু অঙকপা পোকহনবা” তারবদি হায়রিবা দন্দি অদুবু চান্নবা মওংদা শেমদোক-শেমজিন তৌরগা ওথোরিটি অদুদা অমুক হন্না খন্ননবা হায়গনি অদুগা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক্তা, কেস শোক্লবগী মতম তেনশিন্নবা, মশানা ময়েক শেংবা মরমশিং পীরদুনা চুনবাদন্দি পীবা য়াই। প্রোপোর্সনালিটি গী মতাংদা খন্নবা মতমদা, কোর্ট না মরাল অদু লানখিবগী হিরম-ৰারমশিং খন্নগনি। কেস অমগী মতাংদা, লৈরম্লিবা ফিভম না মরাল শীরিবা মীশক অদুবু মরাল অদু পাঙথোক্লবা ইথিল পীরম্বা য়াই; অহানবদা মহাক্না থবক অদু পাঙথোক্কে খল্লমদবা তারগসু। মখা তানা, করিগুম্বা ওর্দর অদু ককখিবা নত্রগা অতোপ্পা দন্দি অমনা মহুৎ শিন্দোকখিবা তারবদি, মদুনা থোকহল্লকপশিং অদুবুসু য়েংশিনবা য়াগনি। তৌইগুম্বসুং, য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংদা, করিগুম্বদা কোর্ট না কেস শোক্লবগী মতমদু তেনশীনবা পাম্লবদি, কম্পিটেন্ত ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি অদুগী মহুত্তা মশাগী ওইবা ৰাখল্লোন্না মহুৎ শিন্দোকপা য়াই।

২৬. ভি রমনা ভর্সেস এ. পি এস আর টি সি, হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট অসিনা পীগদৌরিবা দন্দি গী মতাংদা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী পাক শনবগী মতাং অসি করিগুম্বা মরাল অদুগা চুনদবা তারবদি অমসুং মদুনা কোর্ট গী “কন্সাইন্স দা অঙকপা

পোকহল্লবদি," অমসুং মদু লোজিগ নত্রগা মোরেল য়াওদবা ওইরগদি মরি লৈনবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি দা অমুক য়েংশিন্নবা হায়গনি। তৌইগুম্বশুং, কেস শোক্লবগী মতম তেনশিন্নবা, য়াম্না তাঙনা থোকপা কেসশিংদা, কোর্ট মশানা মরম নীংথিনা পীরগা চুনবা মরাল পীবা য়াই।

২৭. ষ্টেট ওফ মেঘালয় ভর্সেস মেকেন সিংহ এন. মরাক, হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট অসিনা অসুম্না হায়রি: (এস সি সি পি. ৫৮৪, পারা ১৩-১৪)

"........................................................................................................................................................................................................................................"

২৮. দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংশিং চথবা মতমদা কোর্ট গী মথৌ থোইদোকপা লৈতে অমসুং রিকোর্দ তা লৈরিবা শাখি-শাবোনশিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ওথোরিটিনা পীরকপা ৱারোলশিং কোর্ট না মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন্না মহুৎ শীন্দোকপা য়াদে। দন্দি পীবগী মতাংদা ওইরগদি, কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা য়াবগী মতাং অসি হেন্না পিকশীল্লক্লে অমসুং য়াম্না তাঙনা থোকপা কেস দা ওইগনি। অদুগা পীরিবা দন্দি অদুনা কোর্ট গী কন্সাইন্স দা অঙকপা পোকহন্দ্রবদি, জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবা য়াদে। কোর্ট না দন্দি অদু মরম চাদে হায়বগী মতিক চাবা মরম পীগদবনি, পীগদবা তারগদি ৱায়েল বিচার পীদবগা মান্নে। চুম্নদগী চুনদে হায়বা খক্তনা য়াদে। (য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস বোদুপল্লি গোপালস্বামি অমসুং সঞ্জয় কুমার সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া য়েংঙু)

২৯. য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস আর. কে. শর্ম্মা, হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট না রঞ্জিৎ ঠাকুর দা থেংনখিবশিং শন্দোক্লা তাক্লদুনা করিগুম্বা দন্দি অদু চোংলম চাদবা, য়াম্না অকনবা ওইরবা নত্রগা শাথিনা চুনদ্রবা ওইরবদি মদুদা খুৎ থীংজিনবা য়াগনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং, হায়রিবা রঞ্জিৎ ঠাকুর দা থেংনখিবশিং অদুনা তাক্লিবদুনা দন্দি অদু চুনদে হায়বগীদমক জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবদা খুৎ থীংজিনবা য়াগনি হায়বদি নত্তে। য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংদা পরর্ভসিতি লৈবা মতমদদি খুৎ থীংজিনবা য়াস অমসুং মদু মীনুংশিগী মিৎয়েংদা তৌবা য়াদে।

৩০. থীজিন-হুমজিনবদগী খঙলকপা ৱারোলবু কোর্ট অমনা রির্কোদিং তৌরবা মতুংদা পরর্ভস ওই হায়বগী মরমদি মদু মরি লৈনবা মচাকশিং হাপচিনহৌদবা নত্রগা মরি লৈনদবা। মরম চাদবা মচাকশিংহাপচিনবদগীনি। অমসুং থীজিন-হুমজিনবা অদু "শাখি-শাবোন গী মাইয়োক্তা" ওইরবদি নত্রগা মদু লোজিগ য়াওদবদগী ইরেস্নেল ওইরবদি, মদুসু পরর্ভস ওইগনি। করিগুম্বদা ফিরেপ অমা লৌরকপসি শাখি-শাবোন লৈতবা ওইরবা নত্রগা থাজবা য়াবা শাখি-শাবোন ওইদ্রবা অমসুং ৱাখল মুন্না খন্থবা ঙস্বা মীওই অমত্তনা মদুদা থবক পায়খত্তবা তারবদি, মদুগুম্বা ওর্দর অদু পরর্ভস ওইগনি। অদুবু, করিগুম্বা

রির্কোদ দা ওইথোকপা য়াবা অমসুং থাজবা য়াবা শাখি-শাবোন খরা লৈরবদি, মদুদা তারকপা ৱারোইশিং অদুদি পরর্ভস ওই হায়না লৌরোস অমসুং মদুদগী থীজিন-হুমজিনবদগী ফংলকপা ৱারোলশিংদা কোর্ট না খুৎ থিংজিল্লোই। (রজিন্দর কুমার কিন্দ্র ভর্সেস দিল্লী এডমিনিস্ট্রেসন, কুলদীপ সিংহ ভর্সেস কমিশ্নর ওফ পুলিস, গমিনি বলা কোতেস্বরা রাও ভর্সেস ষ্টেট ওফ এ. পি অমসুং বাবু ভর্সেস ষ্টেট ওফ কেরালা য়েংঙু।)

৩১. মরম অদুনা, নিয়ম কায়না থবক তৌবদা, চাং নাইদবা নত্রগা আইন কায়না থবক চথবা মতমদা, খুৎ থীংজিনবগী অয়াবা পী।”

১৫: এ আই আর ১৯৮৭ এস সি ২৩৮৬

১৬: ২০১৪ (৩১০) ঈ এল টি ৪১৭ (এস সি) : (১৯৯৭) ৭ এস সি সি ৪৬৩

১৭: ২০১১ (৩) এস সি এ এল ঈ ৫১০

১৮: ২০১২ (৬) এস সি সি ৩৬৯

১৯: এ আই আর ২০১২ এস সি ২৩১৯

২০: এ আই আর ১৯৯৬ এস সি ৪৮৪

২১: (২০০৫) ৭ এস সি সি ৩৩৮

২৪: ২০১১ (১৩) এস সি সি ৫৫৩

২৫: ২০১১ (১৪) এস সি সি ৬৯২

২৬: ২০১১ সপ্লি (৩) এস সি সি আর ৬৬৪: (২০০১) ৯ এস সি সি ৫৯২

২৭: এ আই আর ১৯৮৪ এস সি ১৮০৫,

২৮: (১৯৯৯) ২ এস সি সি ১০

২৯: (২০০৯) ১০ এস সি সি ৬৩৬

৩০: (২০১০) ৯ এস সি সি ১৮৯

৫০. ***জয় ভগৱান ভর্সেস কমিশ্নর ওফ পুলিস, (২০১৩) ১১ এস সি সি ১৮৭,*** হায় কোর্ট না লো ওফ প্রোপোর্সনালিটিবু পল্লদুনা পীরিবা দন্দি অদু মরাল গা চুনদবা ওইগদবনি হায়খি। হায়রিবা কেস অদুদা এসিসটেন্ট ৱাইরলেস ওপরেটর অমনা মহাক্কী মথক থোংবা ওফিসর অমগী মফমদা অথিবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নখি, য়ুনির্ফোম শেৎলমদে অমসুং কেবিন গী থোং হাংবদা চাউরাক্লা মিনিট ১০ মুক হায়রিবা অসি সুপ্রিম কোর্টনা শাথিনা চুনদে হায়দুনা খুৎ থীংজিনখি। মদুদা অসুন্না হায়খি,

“১০. মরাল লৈরবা মীওই অমদা পীগদবা দন্দি গী ৱাফম গী মতাং অসি দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি গী খুত্তা লৈ। আপিল তৌরকপদা ফম্লিবা ওথোরিটি অদুনা শীরক্লিবা মরাল অদুগী মতাংদসু য়েংশিনগনি। অদুবু অসিগুম্বা ওর্দর অমবু সর্ভিস ত্রিবুনেল নত্রগা হায় কোর্ট গী মমাংদা শীংনরকপা তারবদি মরি লৈনবা ওথোরিটি না খন্নরগা পীবা দন্দি বু

ইকায়খুম্নগনি অদুবু হায়রিবা অদু চুনদবা অমদি মরম চাদবা তারবদি মদুদা কোর্ট না খুৎ থীংজিনবা য়াই। মথক থোংবা কোর্টশিং অমসুং ত্রিবুনেল না দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি বু চৎনহনবা য়াই অদুগা হায়রিবা অসি জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবা মতমদা য়াম্না পাম্নবা পাম্বৈ ওইরক্লি। মরালগা শাথিনা চুনদবা দন্দি অমসুং মদুনা কোর্ট পু অঙকপা পোকহনবা তারবদি য়াম্না তপ্পা অমসুং কয়া থবক পাখত্তনা কোর্ট ওইরবসু মদুদা খুৎ থীংজিনবা য়াস। কোর্ট অসিনা লৌখিবা ফিরেপশিংগী মতুং ইন্না হিরম অসিগী আইনগী ৱায়েল চথুখি। মদুগুম্বা ৱায়েল খরা য়েংলুরগা পেন্থোক্লে।

১১. রঞ্জিৎ ঠাকুর ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, হায়রিবা কেস অসিদা দোক্ত্রেন ওফ প্রোপোর্সনালিটি বু জুদিসিয়েল রিভিয়ু গী শরুক অমনি হায়বা য়াখি, অদুগা করিগুম্বা হায়রিবা অসি কোর্ট মার্সিয়েল গী মতাং ওইরবসু, তারিবা দন্দি অদু লোজিগ য়াওদ্রবদি, হায়রিবা অদুসু চুমথোকপা য়াগনি অদুগা ইরেসনালিটি অমসুং পরর্ভসিটি হায়বসি জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথুবগী শকখঙলবা মরমশিংনি।

" ....................................................................................................................

.............................................................................................।"

১২. মান্নবা মওংদা, দেব সিংহ ভর্সেস পঞ্জাব টুরিজম দিভেলপমেন্ট কোঁপোরেশস লিমিটেদ, হায়রিবা কেস অসিদা রঞ্জিৎ ঠাকুর গী কেস গী মতৌগুম্না অসুম্না হায়রি: (দেব সিংহ কেস, এস সি পি. ১১, পারা ৬)

"৬ ............ দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং চথুবদা পীরকপা দন্দি গী মথক্তা আপিল থারকপগী ফম্বা কোর্ট না মশানা তাখিবা রাই বু মহুৎ শীন্দোক্লোই, তৌইগুম্বসুং, দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি নত্রগা এপ্লেলেট ওথোরিটি না পীরকপা দন্দি অদুনা কোর্ট তা অঙকপা পোকহল্লবদি, কোর্ট না মদুবু শেমদোক-শেমজিন তৌরগা মরি লৈনবা ওথোরিটি দা অমুক হন্না য়েংশিন্নবা হায়বা য়াই নত্রগা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংদা মতিক চাবা মরম ময়েক শেংনা পীরদুনা কেস শোক্লবগী মতম তেনশীন্নবা দন্দি পীবা য়াই। মথক্তা তাখিবা কোর্ট অসিগী জজমেন্তশিংদগী ময়েক শেংনা খঙলে, মদুদি করিগুম্বদা দিসিপ্লিনরি ওথোরিযি না পীরিবা দন্দি অদু য়াম্না শাথিনা চুনদবা তারবদি, কোর্‌ট না অদুগুম্বা কেস তা খুৎ থীংজিনবা য়াই হায়বসিনি।"

১৩. রিফরেন্স ওইনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস জি. গনয়ুথম, সরদার সিংহ ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমদি ওম কুমার ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া হায়রিবা কেসশিং অসিদা কোর্ট অসিনা তাখিবা রাইশিংদা হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিমক থমখি।

১৪. চত্থরিবা কেস অসিগী মতাংদা এপ্পেলেন্ত অসিগী মরালগীদমক মহাকপু সর্ভিস দগী দিসমিস তৌবা হায়বসি য়াম্না শাথিনা চুনবা ৱাৎলি হায়দুনা ঐখোয়না খল্লি। কেবিন অদুবু য়েংশিনবা চৎখিবা পুলিস ইন্সপেক্তর অদুগী মথক্তা থৌওই-উশিত্তবা চত্থখিবগী মরাল শীরকখিবা লৈতে। এপ্পেলেন্ত গী মতুং ইন্নদি কেবিনগী থোং অদু হাংদুনা থম্লবসু নুংশিত্তা য়াওবা ঈশিং মনিল না মরম ওইরগা উগী ফ্রেম না চাউথোকখিবদগী পন্দুনা থোঙ হাংবদা মিনিট ১০ চোন্থবনা মরম ওইরগা চহী তরাগী মথক্তা পুলিস ফোর্স দা সর্ভিস তৌরক্লবা মহাকপু থবক্তগী দিসমিস তৌফম থোক্তে হায়বসিনি। অদুগা মহাক্লা য়ুনিফোর্ম শেৎলমদবা অদুনা লমচৎ ব্যবহার কায়রবসু মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপা হায়বসিদি খরা কনমল্লি। মরম অদুনা এপ্পেলেন্ত না মহাক্কী কেস গা রাম কিসন গী কেস গা অনীগী মরক্তা মান্নবা পুথোরকপা অসি পুরা লানবদি নত্তে। হায়রিবা কেস অদুদসু মরাল লৈরবা মীশক অদুনা মহাক্কী মকোক থোংবগী মফমদা লমচৎ-ব্যবহার কায়বদগী মহাকপু সর্ভিস দগী দিসমিস তৌবগী থৌদোকপু মরম চাদে হায়না কোর্ট অসিনা খঙলে অমসুং মোদরেসন গী দমক হায়খি।

১৫. ....................................................................................

১৬. লৈরিবা হিরম-ৱারম পুন্নমক অসি য়েংলুরগা, এপ্পেলেন্ত মশাবু সর্ভিস দগী দিসমিস তৌবা হায়বসি য়াম্না অকনবা দন্দি অমনি হায়বসি ঐখোয় য়াদে অমসুং দিসমিস তৌবগী মহুত্তা ফম হন্থনা হায়বদি কনষ্টেবল গী রেঙ্ক তা পীদুনা থবক মখা চত্থহল্লগা, তৌবদবু মহাকপু দিসমিস তৌখিবদগী হৌরগা কনষ্টেবল গী ফমদা অমুক হঞ্জিনবগী মতম অদুগী ওইনদি ফংফম থোকপা এরিয়র নত্রগা শেন-থুমগী কান্নবা পীদবা হায়না ওর্দর তারম্বা য়াবনি। অতোপ্পা মতমদা তৌবগুম্না কোর্ট না হিরম অসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি দা অমুক হন্না মরালগা চুনবা দন্দি অমা পীন্নবা থাবা য়াই অদুবু ঐখোয়না মদু অতম্ননা তৌদ্রবনি। মদুগী মরমদি এপ্পেলেন্ত অসিবু দিসমিস তৌবগী ওর্দর সি ইং শোক ২০০১ দা পাস তৌখিবনি। হৌজিক নৌহৌননা অমুক তৌখিবনি। হৌজিক নৌহৌননা অমুক রিমান্দ লৌথবা তারবদি মদুনা কেস শোক্লবদা হেন্না মতম থিন্থহন্দুনা মায়কৈ অনীমক্তা খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবগীনি। মতৌ-অসুম তৌদুনা, য়াম্না মুন্না খন্থরবা মতুংদা, য়াম্না তোয়নদি থোক্তবা, তৌইগুম্বসুং, ওইথোকপদা খরা ৱাবদি ওইবা দন্দি হন্থহনবা হায়না মথক্তা পনখিবা অদুম হায়না রাই তারে।”

৩: (২০১৩) ৬ এস সি সি ৬০২

৪: (২০০৮) ৮ এস সি সি ৪৬৯

৫: ২০১৪ (৩১০) ঈ এল টি ৪১৭: (১৯৯৭) ৭ এস সি সি ৪৬৩

৬: এ আস আর ১৯৯২ এস সি ৪১৭

৭: (২০০১) ২ এস সি সি ৩৮৬

৫১. চেন্নাই মেট্রোপোলিটান ৱাটর সপ্লাই এন্দ সিয়ুৱরেজ বোর্দ ভর্সেস টি.টি মুরালিবাবু, (২০১৪) ৪ এস সি সি ১০৮, হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্টনা ওফিস তা লাক্তবগী কেস গী মতাংদা নৈনখি। হায়রিবাকেস অসিদা রেস্পোন্দেন্ত ওইরিবা চেন্নাই মেট্রোপোলিটান ৱাটর সপ্লাই এন্দ সিয়ুৱরেজ বোঁদ গী জুনিয়র ইঞ্জিনিয়র অসিনা ঈ-পাউ পীদনা তারিখ ২৮-৮-১৯৯৫ রিমাইন্দর হঞ্জিন-হঞ্জিন থাদুনা লাক্তবগী মরম পীন্নবা হায়বা অমসুংদিয়ুতি দা লাক্লবা খঙহল্লবা ফাওবা করিমত্তা পাউখুম পীরকখিদে। মদুগী মতাংদা মহাকপু সর্ভিসদগী দিসমিস তৌববু মরালগা চুনদে হায়বসি য়াদে মরমদি মহাক মথৌ নিংথিনা খঙবা ওফিসর অমনি অদুগা মহাক্না মেদিকেল সর্তিফিকেৎ থেংনা পীখৎলবসু মদুনা মহাক লাকখিদবগী মতিক চাবা মরম ওইবা য়ারোই হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং, থবক লাকখিদবশিং অদু তম্বা ঙমদবা থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা অমসুং রিপোর্ট তৌবা লাকপা ঙমখিদবা নত্রগা দিয়ুতি তৌবা ঙমহৌদবা ওইবা তারবদি, থৌওইনা হায়দনা অতম্ননা তৌবনি হায়বা য়ারোই, অমসুং ইমপ্লোয়ী অদু মশাগী অনাবা য়াওবা, এক্সিদেন্ট থোকপা, হোস্পিটালাইজ তৌবা, অসিনচিংবা থোক্লম্বা য়াই হায়না কোর্ট অসিনা মখা তারি। অসিগুম্বা মান্নবা কেসশিংগী মতাংদদি ইমপ্লোয়ী মশা অদু মথৌদগী লৈথোকপা নত্রগা সরকারগী কর্ম্মচারি অমগী তৌফম থোকপা মথৌ নিংথিনা তৌদবগী মরাল লৈরে হায়বা য়ারোই। দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিং অমা চত্থবা মতমদা, দিয়ুতি তৌবা লাক্তবগী মরাল শীরকপা তারবদি, দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি অদুনা লাক্তবা অদু অতম্ননা থৌওইনা তৌবনি হায়বসি গী খুদম-চাংদম মতিক চানা পুথোক্কদবনি, অদুগা করিগুম্বা পুথোকপা ঙমদ্রবদি মদু অতম্ননা তৌবনি হায়না লৌরোই, অমসুং মদু মীওই অদুনা মথৌদগী লৈথোক্তুনা মরাল লাল্লে হায়বা য়ারোই অমসুং অসিগুম্বা কেসশিংদা দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি শীজিন্নবা য়াগনি হায়না অসুম্না মখাদা হায়রি

> “১৯. ভগৱান লাল আর্য্য গী কেস দা কোর্ট অসিনা অসুম হায়না থমখি মদুদি ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা থবক লাক্তবা ইমপ্লোয়ী অমনা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম না মরম ওইরগা লাকখিদবা ওইরগদি মদু য়াম্না শাথিবা মরালনি হায়না লৌরোই। হায়রিবা কেস অসিদা অমুক্কসু, নোট তৌশিনগদবা অমনা, মেদিকেল গ্রাউন্দা গর্ভনমেন্ত ডোক্তরশিংদগী মতিক চাবা মরি লৈনবা মেদিকেল সর্তিফিকেতশিং পীশিল্লবা ওইরগদি, মতিক চাবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি অমত্তনা মদুবু মথৌদগী লৈথোকপনি হায়রোই হায়বা ৱাফম অসিনি।
>
> ২০. জগদিস সিংহ গী কেস তা কোর্ট না খঙলে মদুদি এপ্পেলেন্ত ওইরিবা মীওই অদু স্বিপরনি অদুগা মহাক্না খজিক-খজিক তৌদুনা থা অনীগী মনুংদা নুমিৎ তরামঙানি থবক লাকখিদবনি। মদুগী মতাংদা, কোর্ট না অসুম্না হায়খি: (এস সি সি পি. ৩০৪, পারা ৮)

"৮. লৈরিবা কেস অসি হেবিচুয়েল এবসেন্তিজম গী কেস নত্তে। এপ্পেলেন্ত অসিনা হেক থবক চঙলকপদগী মহাক্কী রিকোর্দ য়াম্না ফজৈ। শাংনা থবক তৌরকপদা মহাক্না ইং শোক ২০০৪ গী ফেব্রুৱারী অমসুং মার্চ থাদা থৌদোক মরিরক্তা নুমিৎ তরামঙানি থবক লাকখিদবনি। মদু মহাক্কী মচানুপীগী নুপা ময়ুম লোমগা নীংঙাই-শংদানবা খরা লৈবদু লোইশিন্নবা হোৎনবদা লাকপা ঙমখিদবনি। মপা-মচা ওইবগী মরি না লাহৎপদগী মহাক্না লিভ লৌখিবা ওইরমগনি। শীরিবা মরাল অসিনা শুকশোই শোইদনা লমচৎ-ব্যবহার দা অকায়বা পীরবসু মদুনা শাথিনা শোকহনবনি হায়বদি চুনদে। অদুগা, করিগুম্বা থৌদোক অসি হেবিচুয়েল এবসেন্তিজম গী কেস ওইরম্লবদি মসিগী আপিল অসি ঐখোয়না তারম্লোই।"

২১. তাখিবা ৱারেপ অনিমক পুন্না য়েংলবদি নাকল অনি থোক্না য়েংবা য়াই। ভগৱান লাল আর্য্য হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট না মরালগী মওং-মতৌ গা মরি লৈননা গর্ভনমেন্ত মেদিকেল ডোক্তরদগী মতিক চাবা মেদিকেল সর্তিফিকেত পুথোকপগী মতাংদা ৱাফম থমখি, অমসুং জগদিস সিংহ গী কেস অসিদনা ইমপ্লোয়ী অদুগী ব্রেক রিকোর্দ, মহাক্না কারকখিদবা মতম অমদি মহাক্না লাকখিদবগী পীরকখিবা মরম গী মতাংদা নৈনখি। চথরিবা কেস অসিগী ওইনদি, হিরম-ৱারম খেন্নে, অদুগা হায়রিবা ওথোরিটিশিংনা রেস্পোন্দেন্ত দা থোয়না মতেং পাঙখিদে।

২২. কৃষ্ণকান্ত বি. পাঁমার ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, হায়রিবা কেস অসিদা লৌখিবা ৱারেপ হায়বদি ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা থবক কারকখিদববু থৌওইনা অতম্লনা তৌবনি হায়বগী খুদম-চাংদম ইনক্কায়রি ওফিসার না পীবা ঙমদ্রবদি, হায়রিবা মরাল অদু লংজখি হায়না লৌরোই হায়না তাখিবগীদমক রেস্পোন্দেন্ত গী কাউন্সেল না ঐখোয়দা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা কেস অদুদা থোক্লকপা ৱাহংদি করিগুম্বা "অনওথোরাইজ এবসেন্স ফ্রোম দিয়ুতি" হায়বা অসিনা "ফেলিয়র ওফ দিভোশন টু দিয়ুতি" নত্রগা "বিহেবিয়র অনবিকমিং ওফ এ গর্ভনমেন্ট সর্ভেন্ট" ওইহনব্রা অমসুং হায়রিবা এপ্পেলেন্ত অদুগী মথক্তা মথৌ দা পুক্লিং চংদবগী অমদি গর্ভনমেন্ট সর্ভেন্ট অমা ওইবদা মতিক চাদবগী মরাল শীরদুনা চার্জ শিট ফাইল তৌখি। রুল পোজিসন য়েংলবা মতুংদা জজ অনিনা শাবা বেঞ্চ অদুনা অসুম্না হায়খি: (এস সি সি পি. পি. ১৮১-৮২, পারা ১৬-১৮)

"১৬. এপ্পেলেন্ত মশাগী অন ওথোরাইজ এবসেন্স গী মতাংদা মহাক অসি মথৌদা মপুক্লিং চঙদে নত্রগা মহাক্কী মওং-মতৌ অদু গর্ভনমেন্ট অমগী লমচৎ-শাজৎ ওইদে হায়না মরাল শীরি। অদুবু হায়রিবা ৱাহংশিং অসি খন্নদ্রিঙৈ মমাংদা লাকখিদবা অদু থৌওইনা অতম্লনা তৌব্রা হায়বদু হান্না য়েংদ্রবদি য়ারোই।

১৭. করিগুম্বদা কারকখিদবা অদু তম্বা ঙমদবা থৌদোক-ৰাথোকশিং না মরম ওইরগা লাক্কুনা মথৌ তৌবা ঙমখিদবা ওইরগদি, মদুগুম্বা অদু থৌওইনা অতম্নবা তৌবা চিংলোই। এপ্লিকেসন নত্রগা অয়াবা মাঙজৌননা লৌদনা লাক্কবা তারবদি মদু অনওথোরাইজদ এবসেন্স কৌগনি, অদুবু মদু থৌওইননা অতম্নবা তৌবা ঙাক্তনি হায়না লৌরোই। ইমপ্লোয়ী অমনা দিয়ুতি তৌবা লাক্কবগী মরম কয়ামরুম লৈরম্বা য়াই, হায়বদি তম্বা ঙমদবা থৌদোকশিং শম্না হায়রবদা হকচাংদা থোকপা অনা-অয়েক, এক্সিদেন্ট, হোস্পিটালদা লায়কন্নবা, অসিনচিংবশিং ওইবা য়াই, তৌবদবু মসিগুম্বা মতাংদা ইমপ্লোয়ী অদু মথৌ লৈথোকপা নত্রগা গর্ভনমেন্ট সর্ভেন্ট অমগী লমচৎ-শাজৎ চত্তে হায়বদি য়ারোই।

১৮. দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিং অমা চত্থবা মতমদা, অনওথোরাসজ এবসেন্স ফ্রোম দিয়ুতি গী মরাল শীরকপা তারবদি দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি অদুনা লাকখিদবা অদু থৌওইনা অতম্নবা তৌবনি হায়বগী খুদম-চাংদম পুথোক্কদবনি, করিগুম্বা পুথোকপা ঙমদবা তারবদি, লাকখিদবা অদু মথৌদগী লৈথোকপনি হায়না লৌরোই।”

২৩. ঐখোয়না ময়েক শেংনা অমসুং কুপ্না পল্লি, মদুগী মরমদি কৃষ্ণকান্ত বি. পরমার হায়রিবা কেস অদুদা মথৌদগী লৈথোকপগী নত্রগা গর্ভনমেন্ট সর্ভেন্ট অমগী লমচৎ-শাজৎ চত্থবগী মতাংদা মরাল শীরকপা মতমদা লার্নেদ জজশিংনসু ইমপ্লোয়ী অদুগী তম্বা ঙমদবা থৌদোকশিং লৈরম্বা য়াই হায়নসু হায়বিখি। মদুগী ৰাফম অদুনা তোঙান্না থমখ্রগা, হায়রিবা কেস অদুগী হিরম-ৰারম খেন্নে অমসুং এপ্লেলেন্ত অদুবু হৌজ কয়ারক্তা এটেন্দেন্স রেজিষ্টর দা সহি তৌহনখিদে অমসুং তোয়নসু লাকখিদে। কৃষ্ণকান্ত পি. পরমার গী কেস দা তাখিবা জজমেন্ত হন্না য়েংবদা কেস গী ওইরিবা ফিভম, ইমপ্লোয়ী গী মথক্তা শীরিবা মরাল গী মশক-মওং অমসুং ইনক্বায়রি তৌবা মতমদা ফংলকপা রিকোর্দশিংগী মতুং ইন্না রাই তাগদবনি হায়বসি করিগুম্বা মতমদা, ইমপ্লোয়ী অমনা মতম শাংনা অওনথোরাইজ ওইবা মওংদা থবক কারক্তবা তারবদি, ইমপ্লোয়ী মশানা চপ-চাবা মরম পীবা ঙমদ্রবসু; মদু থৌওইনা অতম্নবা তৌবনি হায়না দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না হেক্তা লৌবা য়াদে।

২৪. মতাং অসিদা, অনওথোরাইজ এবসেন্স গী মতাংদা অতোপ্পা ওথোরিটিশিংগী রাই অমসুং কোর্ট অসিনা থমখিবা ৰাখল্লোন পনবা দরকার লৈ। ষ্টেষ ওফ পঞ্জাব ভর্সেস পি. এল শিঙ্গলা হায়রিবা কেস অসিদা কোর্ট না অনওথোরাইজ এবসেন্স গী মতাংদা অসুন্না হায়খি: (এস সি সি পি. ৪৭৩, পারা ১১)

“১১. অনওথোরাইজ এবসেন্স (নত্রগা ওবরষ্টেয়িং লিভ), হায়রিবা অসি লমচৎ-ব্যবহার নাইদবগী থৌওং অমনি। করিগুম্বা ইমপ্লোয়ী অমনা অনওথোরাইজ এবসেন্স গী থৌওং চত্থরবদি, ইমপ্লোয়র অদুদা পাম্বৈ অনী লৈগনি। অহানবদা অনওথোরাইজ এবসেন্স

অদুবু কোন্দোন তৌদুনা মহাক্না শেংদোরকপা অদু লৌশিল্লগা হায়রিবা লিভ গী মতম অদু সেঙ্কসন তৌদুনা মহাক্কী মরাল অদুবু কোন্দোনা তৌবা। অনীশুবা পাম্বৈ অদুনা অনওথোরাইজ লিভ লৌবা অদু মরাল লৈরে হায়না লৌরগা, ইনক্কায়রি তৌদুনা মরালগী মতিক চাবা দন্দি পীবা হায়বসিনি।"

২৫. অমুক্কসু, দন্দি পীবগী মতাংদা, কোর্ট না মখাদা অসুন্না হায়রি: (পি. এল. শিঙ্গলা কেস, এস সি পি. পি. ৪৭৩-৭৪, পারা ১৪)

"১৪ অনওথোরাইজদ ওইনা এবসেন্ট ওইরিবা ইমপ্লোয়ী অদুনা অমুক দিয়ুতি দা রিপোর্ট তৌরদ্রবা, নত্রগা ইমপ্লোয়ী অদুনা পীরকপা মরম অদু চাবা ৱাৎলবদি, মদুগীদমক ইমপ্লোয়র অদুনা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি। অদুগুম্বা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং লৌখৎপদগী থোক্লকপা দন্দিশিং দি য়াম্না অচৌবা সর্ভিস দগী লৌথোকপদগী হৌরগা চুন্নদগী ইয়াং য়াংবা ওইবা ফংফম থোকপা ইনক্রিমেন্তশিং ফাজিন্দুনা থম্বনচিংবা ওইবা য়াই। তৌবদবু পীগদৌরিবা দন্দি অদু থবক্কী মওং মতৌ, ইমপ্লোয়ী অদুনা পায়রম্বা ফম, থবক লাকখিদবগী মতম অমসুং লাকখিদবগী মরম নত্রগা মদুগা মরি লৈননা শেংদোরকপা নচিংবশিংগী মতুং ইনগনি।

২৬. টুশার দি ভট ষ্টেয ওফ গুজরাট, হায়রিবা কেস অসিদা এপ্লেলেন্ত মশানা থা তরুক লাক্তবদা নত্তনা মহাক্না মখা তানা কিহন্দুনা চিঠিশিং ইরকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা লমচৎ কায়বা থৌওংশিং চথুখি। মদুগী মখা তাবদা, ইমপ্লোয়ী অদুগী মথক্তা দিসমিস তৌবগী ওর্দর লাকখি অমসুং হায় কোর্ট নসু মদুদা অয়াবা পীখি। এপ্লেলেন্ত না তা তরুক হেন্না দিয়ুতি লাকখিদবা অদু মরম চাদে হায়রদুনা ইন্সটিট্যুসন নত্রগা ওর্গানাইজেসন অমগী লমচৎ-ব্যবহার কায়দনবা ইমপ্লোয়ী না কুশি-রাশি তৌবা য়াদে হায়খি।

২৭. মরম অদুনা, ইমপ্লোয়ী অমগী অনওথোরাইজদ এবসেন্স অসি মরাল লাল্লবসু মদুদা পীগদবা দন্দি অদু মতম পুন্নমক্তা মান্নরোই। মদু পি. এল শিঙ্গলা গী কেস দা হায়খিবা অদুগুন্না মরম কয়ামরুমগী মখা পোনগনি।

২: (২০০৪) ৪ এস সি সি ৬৫০

৫: (২০০৯) ৭ এস সি সি ৩১০

১১: (২০১২) ৩ এস সি সি ১৭৮

১২: (২০০৮) ৮ এস সি সি ৪৬৯

১৩: (২০০৪) ৩ জি এল আর ৬৮০

৫২. *ছেল সিংহ ভর্সেস এম জি বি গ্রামিন বেঙ্ক, (২০১৪) ১৩ এস সি সি ১৬৬,* হায়রিবা কেস অসিদা এপ্লেলেন্ত না থা ১০ মখায় থবক কারকখিদবগী মহাকপু সর্ভিস দগী লৌথোকখিবা থৌওংবু মরাল গা চুনদে হায়না শীংনরকপনি। এপ্লেলেন্ত মশানা তারিখ ১১-১২-১৯৮৯ দগী

তারিখ ২৪-১০-১৯৯০ ফাওবগী মনুংদা মহাক অসি য়াম্না শাথিনা নাখি হায়দুনা হায়জরকপা লৈখি হায়বসি ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না খঙলে। অদুগা মহাক্কী হায়জরকপা অদুবু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা ডোক্তর না পীবা মেদিকেল সর্তিফিকেতশিং মহাক্না অমুক কারকপা মতমদা পীশিনখি। হায়রিবা রিপোর্টশিং অদু নুমিৎ ২৪ নি গী মনুংদা পীশিনখি। ইনক্বায়রি ওফিসর না এপ্পেলেন্ত না কারকখিদবা অদু থৌওইনা অতম্মনা তৌবনি হায়বগী মরাল শীরকখিবা লৈতে। অদুগা হায়রিবা কেস মদু দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি নত্রগা ইনক্বায়রি ওফিসর না এপ্পেলেন্ত না পীশিল্লকখিবা মেদিকেল রিপোর্টশিং অদু শাশিন্নবা নত্রগা নিয়ম না য়াদবা মওংদা লৌরগা হাপলকখিবনি হায়বগী অয়েৎপা পীরকপা লৈতে। অদুগা, শাখি-শাবোন নচিংবা অমত্তা ফংদ্রবদা মরম লৈতনা নুমিৎ ২৪ নি চোন্থরগা থাবগী নামা দা মহাক্না পীখৎলকপা অদুদা থাজদবা গী ৱাফম লৈতে। মদুগী মতুং ইন্না ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না খুৎ থীংজিল্লদুনা র্লানেদ সিঙ্গল জজ না থবক্তগী লৌথোকপগী ওর্দর অদুবু ককথৎত্তুনা অমুক হঞ্জিনহনবা হায়বা ৱাফমদা অয়াবা পীখি।

৫৩. যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস দিলের সিংহ, (২০১৬) ১৩ এস সি সি ৭১ হায়রিবা কেস অসিদা রেস্পোন্দেন্ত ওইরিবা মীওই অদু য়াম্না থকশি-খাশি নাইবা ফোর্স অমা ওইরিবা সি আর পি এফ গী থবক তৌজরগসু, মহাক্না হান্ননা অয়াবা য়াওদনা, কৈথেলদা চত্তুনা, য়ু থল্লগা মীচমশিংগা নিংঙাই-শঙদানখি; হায়রিবা থৌওং অসি য়াম্না লমচৎ-ব্যবহার ফজবা মফম অমদগী থোক্লকপা মীনা তৌথোরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি। অদুনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপা হায়বসি য়াম্না চুনদে হায়বসি প্রোপোর্সনালিটি টেষ্ট পান্দুনা ওম কুমার ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস জি. গনয়ুথম হায়রিবা কেসশিং অসিদা ককথৎখি।

দ্বারকা প্রসাদ টিৱারিগী কেস সু মতাং অদুদা পনখি, অদুগা হায়রিবা অদুদা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি নত্রগা এপ্পেলেত ওথোরিটি না হায়রি মদুদি তারিবা দন্দি অদুনা কোর্ট/ত্রিবুনেল গী কন্সাইন্স বু অঙকপা পোকহনবা নত্রবদি, খুৎ থীংজিনবা য়াদে হায়খি। অদুগা লমচৎ-ব্যবহার ফজবা ফোর্স গী মীওই অমনা য়াম্না ফজবা ৱাৎপা লিচৎ-শাজৎ চৎলমগনি হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি অদুগা দিসমিস তৌবগী দন্দি পীখিবা হায়বসি চুনবা ৱাৎপ্রা নত্রগা জুদিসিয়েল কন্সাইন্স দা অঙকপা পোকহনব্রা হায়বদু খন্দোকপা লুরে।

৮: (২০০১) ২ এস সি সি ৩৮৬

৯: (১৯৯৭) ৭ এস সি সি ৪৬৩

১০: (২০০৬) ১০ এস সি সি ৩৮৮

৫৪. *সেন্ত্রেল ইন্দাষ্ট্রিয়েল সিক্যুরিটি ফোর্স ভর্সেস অব্রার অলি, (২০১৭) ৪ এস সি সি ৫০৭* হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি পান্দুনা দিসমিস তৌবগী ওর্দর বু থবক্তগী পোথাহনবদা ওন্থোক্লগা মখাদা অসুম্না হায়খি,

"১৯. দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পাস তৌখিবা ওর্দর দা হায় কোর্ট না খুৎ থীংজিনফম থোক্তে হায়রবসু মহাকপু মথৌদগী থবক লৈথোকপগীদমক সর্ভিস দগী দিসমিস তৌবগী দন্দি পীবসি চুনবা ৱাৎলি। রেস্পোন্দেন্ত অদু মথৌদগী নুমিৎ মঙানি কারক্তবগী অমসুং মমাংদা থৌদোক অহুমলক্তা মশাদা দন্দি পীখ্রবসু মহাক্কী লমচৎ-শাজত্তা অহোঙবা লৈখিদবগী মরাল লৈবা থেংনখি। অদুনা, মদুগীদমক সর্ভিস দগী দিসমিস তৌবা হায়বসি খরা কনমল্লি। অমসুং, ঐখোয়গী মিৎয়েংদা থবক্তগী পোত্থাহনবনা হেন্না অচুম্বা ৱায়েল ওইগনি। এপ্পেলেন্তশিংগী কাউন্সেল না খঙহল্লকপা মতুং ইন্না রেস্পোন্দেন্ত মশা অসি চহী ১০ থবক তৌরকপগী মহাক পেন্সন ফংবা য়ারবা মীওইনি হায়খি। মতুংদা চয়েৎনবা থোক্তনবা, রেস্পোন্দেন্ত অসিবু পেন্সন ফংবা য়ান্নবা য়ামদ্রবদা থবক তৌবগী মতম অদু শুহন্নবা হায়না হায়রি। অদুগা মহাকপু হায়রিবা মখা তানা থবক চত্থবগী তলব অমসুং এলাউএন্সশিং পীদনবা খঙহল্লি।"

৫৫. মথক্তা পনখিবা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতাংদা ওইবা কেস লোনশিংগী শন্নপ্পা ৱারোল গী মতুং ইন্না, কোর্ট না কন্সটিট্যুস্নেল ইরা গী য়াম্না অঙনবা শরুক্তগী হৌনা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি শিজিন্নবা হৌরক্লে হায়বসিনি, তৌবদবু হায়রিবা অঙনবগী কেসশিং অদু লেবর লো গা মরি লৈননা শীন্মিশিং দা পীবা দন্দিশিংগা মরি লৈনে। মদুগুম্বা কেসশিংদা মরাল গা চুনবা মওংদা দন্দি পীগদবনি, নত্রবদি মদুনা ভিক্তিমাইজেসন নত্রগা লেবর প্রেক্তিস নীংথিপনা চত্থদবা ওইনা থোক্কনি হায়না ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না **হিন্দ কন্সত্রক্সন এন্দ ইঞ্জিনিয়ারিং কো লিমিটেদ,** ১৯৬৫ (সুপ্রা) গী মতাংদা হায়খি। হায়রিবা কেস অদুদা ত্রিবুনেল না তারিবা দন্দি অদুগী চুনবা/চুনদবা নত্রগা কয়াম শাথিবা হায়বা য়েংবগী দরকার ওইদ্রবসু, দন্দি অদু য়াম্না শাথিনা চুনদবা ওইরবা, ইমপ্লোয়ী অদুগী মমাংগী রেকোর্দ য়েংলগা, ৱাখল মুন্না খন্থবা ঙম্বা ইমপ্লোয়র অমত্তনা মান্নবা হিরম-ৱারমগী মতাংদা পীরিবা দন্দি অদুগুম্বা পীরোইদবা তারবদি, হায়রিবা দন্দি অদু চৎনবা য়ারোই হায়না কোর্টনা হায়খি। অফ-ফত্তগী ৱাখল মুন্না খন্থবা ঙম্বা রিজনেবল ইমপ্লোয়র অমগী মতাংদা **কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ,** ২০০৯ (সুপ্রা) অমদি **চেন্নাই মেত্রোপোলিটান ৱাটর সপ্লাই এন্দ সিয়ুৱরেজ বোর্দ,** ২০১৪ (সুপ্রা) হায়রিবা কেসশিংদা হায়খি।

৫৬. **ভগত রাম,** ১৯৮৩ (সুপ্রা) হায়রিবা কেসসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না তারিবা দন্দি অদু মরালগা চুনবা ওইগদবনি নত্রবদি মদু কন্সটিট্যুসনগী ১৪ শুবা আর্টিকল বু খোঙ্গাওনবা ওইগনি হায়খি।

৫৭. দন্দি অদু মরাল অমসুং মরাল লাল্লিবা মীওই অনীমক্কা চুনবা ওইগদবনি অমসুং মদু য়াম্নসু কনবা নত্রগা লমন খুম্নিংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লোইদবনি অমসুং কন্সাইন্স দা অঙকপা পোকহল্লোইদবনি হায়না **রঞ্জিৎ ঠাকুর** হায়রিবা কেস অদুদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না **কাওন্সিল ওফ সিভিল সর্ভিস য়ুনিয়ন** কেস, (সুপ্রা) হায়রিবা কেস অদু পল্লদুনা, হৌজিক্কা কান্তিনেন্টেল

লিগেল সিসতেম গী মখাদা য়াম্না মমিং লৈরবা প্রিন্সিপল অমা ওইরবা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি বু পনখি।

৫৮. **ওম কুমার** গী কেস, ২০০১ (সুপ্রা) হায়রিবা কেস দা দিসিপ্লিনরি কেসশিংগী দন্দি পীবগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওইবা ফিরেপ লৌবদা ১৪ শুবা আর্টিকলগী মখাদা "আর্বিত্ররি" ওই হায়না ৱাহং হংলকপা মতমদা কোর্ট সি ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল গী মতুং ইন্না সেকেণ্ডরি রিভিয়ুৱিং ওথোরিটিগী মথৌ পাঙথোক্কনি। প্রাইমারি রিভিয়ুৱিং ওথোরিটি অমা ওইনা কোর্ট না প্রোপোর্সনালিটি শীজিন্নরোই মরমদি ফন্দামেন্টেল ফ্রিদম নত্রগা ১৪ শুবা আর্টিকল গী মখাদা মীচঙ-মীখাই নাইবগী মতাং নত্তে হায়না হায়খি। মখা তানা, কোর্ট না দন্দি অদু অমুক রিভিয়ু তৌবা মতমদা ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল খোঙ্গাওনৈ হায়বা য়ানীংলবদি, ৱাফম অদু এডমিনিষ্ট্রেটর গী মফমদা পীগদৌরিবা দন্দিগী মতাংদা অমুক নৌনা ফিরেপ লৌননবা থাখিগনি। অদুগা, য়াম্না তাঙনা থোকপা কেসশিংদা, কোর্ট তা অমদি দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিংশিং চত্থবা মতমদা মতম য়াম্না চঙবা তারবদি, মদুগুম্বা মতাংদা কোর্ট না মশাগী ৱাখল্লোন্না মহুৎ শীন্দোকপা য়াই।

৫৯. তৌইগুম্বসুং, সুপ্রিম কোর্ট না ৱেদনেসবগী প্রিন্সিপল ওফ ইরেসনালিটি অমদি পরর্ভসিতি হায়বা জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী শকখঙলবা গ্রাউন্দশিংনি অমসুং করিগুম্বদা পীরিবা দন্দি অদু শাথিনা লোজিগ য়াওদবা অদুগা ৱাখল মুন্না খন্থবা ঙম্বা মীওই অমত্তনা হায়রিবা দন্দি অদু পীরোইদবা মতাং ওইরবদি প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানবা য়াই হায়না গনয়ুথম, ১৯৯৭ (সুপ্রা) দা হায়খি। হায়রিবা গনয়ুথম, অদুদা, ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না ইন্দিয়াগী এডমিনিষ্ট্রেভি লো দা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানবগী মতাংদা কুপ্না নৈনরগা ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমশিংগী মতাং নত্তবা মতাংদদি কোর্টশিং/ত্রিবুনেল না ৱেদনেসবররি প্রিন্সিপল দা য়ুম্ফম ওইরগা সেকেণ্ডরি রোল পাঙথোক্কনি অদুগা মরম চাবা নত্রগা চাদবগী মতাংদা প্রাইমারি জজমেন্ত পীবা অদুনা ইকজিক্যুটিভ নত্রগা এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটিগী খুত্তা লৈগনি। মখা তানা, ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমশিংগী মতাংদা নৈনবা ইকজিক্যুটিভ ওর্দর গী মতাংদা, কোর্ট না প্রাইমারি রোল পাঙথোক্নুনা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানগনি। মদুগী মতুং সন্না, করিগুম্বা ইকজিক্যুটিভ এক্সন অদু ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমগী মতাং ওইদ্রবদি প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানবা য়ারোই। মতৌ অসুম তৌদুনা, ফন্দামেন্টেল ফ্রিদমগী মতাং ওইদবা হিরমশিংগী ওইনদি দন্দি পীবা মতমদা প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি পানবা য়ারোই। তৌইগুম্বসুং, ইরেসনালিটি অমসুং পরর্ভসিতি হায়রিবা ৱেদনেসবরি প্রিন্সিপলগী মচাকশিং অদুদি অদুমক পানবা য়াগনি।

৬০. মরম অদুনা পীরিবা দন্দি অদুনা কোর্টশিংগী কন্সাইন্স পু অঙকপা পোকহল্লবা নত্রগা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা চুনদ্রবদি, কোর্ট না খুৎ থীংজিনবগী অয়াবা পীবনি হায়না সুপ্রিম কোর্ট না হায়রি।

তৌইগুম্বসুং, মমাংদা তাখিবা ৱারোলশিংগী মতুং ইন্না ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না খজিক্তং খেন্নবা মিৎয়েং থম্লদুনা হায়রিবা দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি ঐখোয়গী লিগেল সিসতেম দা মখা তানা লৈখিগনি হায়রি। **কোইম্বাটোর দিস্ত্রিক্ত সেন্ত্রেল কো-ওপরেটিপ বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েসন,** (২০০৭) (সুপ্রা) হায়রিবা কেস অদুদা হায়রিবা দোক্ট্রিন অসি ঐখোয়গী লিগেল সিসতেম দা চঙলকপদা নত্তনা মখা তানা লৈখিগদৌরি হায়না হায়খি, অদুবু ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না হায়রিবা দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি না ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপলবু মহুৎ শীন্দোকপা লৈত্রি হায়না ওল ইন্দিয়া রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দ (সুপ্রা) গী কেস দা হায়খি। মখা তারকপদা, কোর্টশিংনা ককপা ঙম্লরোইদবা অমসুং নিতি-নিয়ম নাইবা মওং অমা শেমগৎপা ঙমদ্রিমখৈদি, থাইনদগী চৎনরকপা মওংগা তৌবা রিভিয়ু গা য়েৎশিন্নবা লৈখিনি অদুগা কেস সু মতৌ অসুম্না অদুম রাই তাখিগনি। **ওল ইন্দিয়া রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দ** হায়রিবা কেস অদুদা মখা তানা হায়খি মদুদি প্রোপোর্সনালিটি হায়রিবা অসি না কোর্ট না মওং কয়া থোক্না পাল্লগা ফিরেপ লৌগদৌরিবা মীওই অদুনা পীরিবা মরমশিংগী মতাংদা মুন্না য়েংশিনবগী খুদোংচাবা পী।

৬১. প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি অসি ঐখোয়গী লিগেল সিসতেম গী শরুক অমা ওইনা চঙলকপা অসি ***মহারাষ্ট্র লেন্দ দিভেলপমেন্ট কৰ্পোরেশন,*** ২০১১ (সুপ্রা) হায়রিবা কেস অসিদগী হৌখি অদুগা ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল ওফ প্রোপোর্সনালিটি শীজিন্নরকপা হৌখি। ***কাউন্সিল ওফ সিভিল সর্ভিস য়ুনিয়ন্স ভর্সেস মিনিষ্টর ফোর সিভিল সর্ভিস,*** হায়রিবা য়াম্না মমিং লৈরবা সুপ্রিম কোর্ট গী কেস অদুদা তাখিবা রাই দা লোর্দ দিপালোক না জুদিসিয়েল রিভিয়ু তৌবগী গ্রাউন্দশিং পাকথোক-চাউথোকহনখি অমসুং এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন লৌখৎপগী মরুওইবা গ্রাউন্দ অহুম থমখি। অহানবা গ্রাউন্দ না "ইল্লিগালিটি", অনীশুবা "ইরেসনালিটি" অদুগা অহুমশুবা অদুনা "প্রোসিদুরেল ইমপ্রোপ্রাইটি" হায়বনি. মখা তানা, কেস-কেস গী মতুং ইন্না অহোঙবা লাকপগী মতুং ইন্না, মতমগী মতুং ইন্না শীংনবগী গ্রাউন্দশিং লাকপা য়াই হায়না হায়খি। মহাক্না প্রিন্সিপল্স ওফ প্রোপোর্সনালিটি বু মরুওইনা পল্লি। অদুনা, লোর্দ দিপলোক্না "রিজনেবলনেস" হায়বগী লোল বু "প্রোপোর্সনালিটি" গী মরোল না মহুৎ শীন্দোকখি । হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিমক ***মহারাষ্ট্র লেন্দ দিভেলপমেন্ট কৰ্পোরেসন,*** ২০১১ (সুপ্রা) দা থমখি।

৬২. প্রোপোর্সনালিটি হায়রিবা ৱাখল্লোন অসি অনৌবনি অমসুং মসি কন্সটিট্যুসন অমদি মসিগী ভেল্যুশিংবু ঙাক শেন্নবা অমদি মসিগী পাক শনববু খঙদোক্তুনা ঙাক শেন্নবগীদমক শেমগৎখিবনি। মসি য়ুরোপ গী লো লৈবা লৈবাকশিংদা পোক্লগা অতোপ-অতোপ্পা লমশিংদা শন্দোরক্তুনা ইন্দিয়াদা য়ৌরকখি। প্রোপোর্সনালিটি হায়বসিপান্দম অমসুং মদুবু ফংননবা পাম্বৈ অনীগী মরক্কী মরি অদুগী মতাংদনি অমসুং হায়রিবামচাক অনি অসি মরম চাবা ওইগদবনি অমসুং মসি ষ্টেট ওব প্রোপোর্সনালিটি গী শরুক্নি। মসিদা য়েংবা য়াবা শরুক অহুমনি। অহানবা অসিনা পাম্বৈ অমসুং পান্দমগী মরক্তা অফবা মরি লৈবা চঙই। এডমিনিষ্ট্রেশন্না শীজিন্নবা পাম্বৈ অদু পান্দম গী মতুং

ইনগনি। অনিশুবনা, খল্লিবা পাম্বৈ অদুনা মীওই অদুবু খ্বাইদগী পীকপা চাংদা শোকহনগদবনি অমসুং অহুমশুবনা, খল্লিবা পাম্বৈ অদু মতিক চাবা ওইগদবনি, হায়বদি পাম্বৈদুগা পান্দমদুগা চুনগদবনি অদুগা হায়রিবা য়াম্না “নেরো” টেষ্ট অসি বেলেন্সিং টেষ্ট নি। তৌইগুম্বসুং, হায়রিবা “নেরো” টেষ্ট অসি করিগুম্বা মতমদা প্রোপোর্সনালিটি অমসুং রিজনেবলনেস অনীগী খেন্নবসি হেক-হেক মাঙখিগে তৌই। (“জজ ঈন এ দিমোক্রেসি”, অহানরোন বরাক, প্রিন্সটন য়ুনির্ভসিতি প্রেস, ২০০৬ য়েংঙু)

৬৩. হৌজিক ঐখোয়গী লিগেল সিস্তেমদা দোক্ত্রিন ওব প্রোপোর্সনালিটি অসি চৎনবা তারবসু, মথক্তা পনখিবা কেস গী লোশিংবু নৈনরবা মতুংদা, ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবা মতমদা প্রাইমারী মথৌ-তৌদনা সেকেণ্ডরী মথৌ তৌই অমসুং দোমেষ্টিক প্রোসিদিংশিং চথবা মতমদা দন্দি পীবগী মতাংদা এডমিনিষ্ট্রেটর নত্রগা ওথোরিটি গী প্রাইমারী মথৌগী মথক্তা হাপচিনবনি। ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না কোর্টশিংনা খুৎ থীংজিনবা য়াবসি মরাল অদুকা পীরিবা দন্দি অদুগা য়াম্না শাথিনা চুনদবা মতমদা নত্রগা কোর্ট গী কন্সাইন্স দা অঙকপা পোকহনবা মতমদা ওইগনি হায়না হান্নসু হায়রিবা লৈখ্রে।

৬৪. তৌইগুম্বসুং, মথক্তা পনখিবা অসুম হায়না, হায়রিবশিং অসি য়াম্না মচা খায়না পন্দুপ নায়না খাইদোকপা নত্তে। “শোকিংলি দিসপ্রোপোর্সনেট” নত্রগা “শোক্সদ কন্সাইন্স” হায়রিবা অর্থ করিনো? কোর্ট অমত্তনা হায়রিবশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীদ্রি অমসুং হায়রিবশিং অসি য়াম্না মওং মরিল অহোঙবা নাইবা ফজনা তশেং-তশেংবা অর্থ লোংদবা ৱাহৈশিং ওইদে। এডমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সন অমবু ককথৎপা ঙম্বগী অঙকপা ফাওহনবা অদুগী চাং করম্না ওনগনি? করিগুম্বা “শোক” হায়বসি ওনবগী পথাপ অমা শীজিন্নরবদি মদুগী করম্বা মতাং য়ৌরকপদা অঙকপা ফাওরে হায়না লৌগদৌরিবনো অদুগা মদুনা মরম ওইরগা মদু আইন্না য়াদবা ওই হায়না হায়গদৌরিবনো? মদুগুম্বা চাং ওন্নবা লিগেল গী ওইবা য়ুনিট লৈতে। অদুগা, মদু লেপথোকপা হায়বসি মীশক অদুগী মখা পোন্দে অমসুং জজ গী ৱাখল্লোন গী সু মতুং ইনদে। মরম অদুনা, দন্দি অমবু “শোকিং” ওই নত্রগা ওইদে হায়বা খঙদোক্কবা পাম্বৈ খরদি লৈফম থোকই। জজমেন্ত অমা তাবা মতমদা মশক খঙলবা অমদি ওইথোকপা য়াবা লিগেল মচাকশিং শীজিন্নদুনা হেন্না লায়না অমসুং মরিক চুন্না অমদি য়ারিবমখৈ খেন্নবা য়াওদনা ৱারোইশিন পুরকপদা মতেং পাঙবা ঙমগনি।

৬৫. “শোকিং” অমদি “কন্সাইন্স” হায়রিবা ৱাহৈশিং অসি লিগেল ওইবা ৱাহৈশিং নত্তে। হায়রিবশিং অসিদি মোরেল ভেলুশিং, থাজবশিংগা শাগোন্নবনি অদুগা মসি মী-মীগী মতুং ইন্না খেন্নগনি, অদুগা মীওই অদুগী চাউয়োক-নাউয়োক, কল্চর, লাইনিং-লাইশোল, এন্নান তাবগী চাং অমসুং মহাক্কী অপাম-পামদা অমদি মরি লৈনবা লৈফম-চাফমশিংগী মতুং ইনগনি অদুগা মদুগা মরি লৈননা তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং থোক্লক্কনি।

মোরালিটি অমসুং ইথিক্স না লিগেল ৱাখল্লোনশিংদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌই। মরম অদুনা, শাথিনা অনইথিকেল ওইবা, ইম্মোরেল ওইবা নত্রগা ইল্লোজিকেল ওইরবদি, মদুনা কন্সাইন্স দা শোইদনা শোকপীগনি, অমসুং মদু ইল্লিগেল ওই। অদুম ওইনমক, লিগেল ওইবদদি হায়রিবা মোরালিটি অমসুং ইথিক্স দা য়ুম্ফম ওইবদি য়াদে। কোর্ট গী ''কন্সাইন্স'' দা ''শোকিং'' ওইবা খঙদোক্লবা ওনবা য়াবা, মশক-মওং তাকপা য়াবা অমসুং য়াম্না শকখঙলবা লিগেল প্রিন্সিপলশিং পুথোকপগী তঙায়ফদবা লৈ। মদু পুথোক্লবগীদমক কোর্ট না মশিং য়াম্লবা কেসশিং পনখিবনি।

৬৬. **ব্লেক্কী লো দিক্সনরি** গী ১০ শুবা ইদিসন না ''শোক দ কন্সাইন্দ'' হায়বগী ৱাহন্থোক্তি অসুম্না হায়রি ''য়াম্না শাথিনা নুংঙাইতবা পোকহনবনি। হায়রিবা ৱাহৈ অসিমক ইকৈটেবল ষ্টেন্দর্দ ওইবা মওংদা (১) ষ্টেট গী এক্সন না মীওই অমগী সমষ্টেন্টিভ দ্যু প্রোসেস রাইটস পু খোঙ্গাওনব্রা (২) জুরি অমগী এৱার্দ অসি য়াম্না কা হেনব্রা (৩) ফাইন অমা, জেল র্টম, নত্রগা অতোপ্পা ক্রাইম অমগী পীবা দন্দি, নত্রগা (৪) কন্ত্রেক্ত অমবু অনকন্সোনেবল ওইব্রা হায়বদু য়েংবদা শীজিন্নগনি।

**''শোক''** (নাউন) হায়রিবসি থৌদোক অমা থোকপদগী য়াম্না অকনবা ইহুল নত্রগা অঙকপা অমা ফাওবা, মরুওইনা পুক্নিংনা খোইদাদবা অমা পোকপা অদুবুনি অমসুং **''শোকিং''** (এডজেক্টিভ) হায়বসিনা অশাওবা নত্রগা ৱাখল নুংঙাইতবা পোকহনববুনি। (ওক্সফর্দ এডভান্সদ র্লনরস দিক্সনারি, ৮ শুবা ইদিসন) ।

৬৭. ''শোক্স দ কন্সাইন্স'' হায়রিবা ৱাফম অসি ক্রিমিনেল অমদি কন্ত্রেক্ত এক্ট। আর্বিত্রেসন লোশিংগী মতাংদা শীজিন্নবদা মখল অনী থোকই। ক্রিমিনেল লো গা মরি লৈনবদা, ***শবনম ভর্সেস ষ্টেট ওব য়ু. পি. (২০১৫) ৬ এস সি সি ৬৩২*** গী কেস দা শন্দোক্লা তাকখিবা সোসিয়েল নোর্ম অমসুং সেন্স ওব কম্যুনিটি গী মিৎয়েং মখাদা য়েংলগা কন্সাইন্স দা শোকহনবা থিদোক্কনি। ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না মখা তানা খ্বাইদগী তাঙবদগী তাঙবা থৌদোক্তা দন্দি অদুনা সমাজগী কন্সাইন্স দা শোক পীবা তারবদি অমসুং মদুনা কম্যুনিটি দা শাথিনা অশাওবা পোকহল্লবদি, মদুগুম্বা মতাংদা শিবগী দন্দি পীবা য়াই,

''করিগুম্বা মরাল লৈজদবা অপীকপা অঙাংশিং, খুৎলাই পায়দবা মীওইশিং, কনা লৈজদ্রবী নুপীশিং অমদি অহল অশোন-অনাশিংবু মীচঙ য়াম্বা মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা মীনুংশি য়াওদনা তমথিনা হাত্তোকপীরবা মতুংদা, য়াম্না অপীকপা ৱাখল চেনবা মওং উত্তুনা, চেন্নরীবশিং অদুনা নুংঙাইতবা, নীংঙমদবা পোকপা উৎত্রবদি, শীবগী দন্দি পীবা য়াই। অদুগা হায়রিবা চেন্নরিবা মীওই অসি হান্নদগী ক্রাইম য়াম্না চত্থরকপা অদুগী মী য়াম্না হাৎপা মীওই ওইরবদি অমসুং মসিগুম্বা মতাংদা মীওই অদুগী লমচৎ-শাজৎ শেমদোকপদা ওইররোইদবা তারবদি অমসুং মহাকপু অসুম থাদোকপা তারবদি মহাক্লা সমাজদা শীংনরকপা তারবদি, কোর্টনা অসিগুম্বা নাতৈ-চাদবা থৌওংশিং অসি লমদন্নদুনা মতুং ইল্লক্তনবা হায়দুনা অকনবা পাউজেল অমা পীবগী তঙাইফদবা

লৈ হায়রি। য়াম্না তমথিনা হাত্তোকপীবগী কেসশিংগী মতাংদা, ন্যায় পীন্নবা সমাজনা হায়জরকপশিংবু কোর্ট না খঙজিন্দুনা থম্লে।"

নাকল অমরোমদা, "শোকিং দ কন্সাইন্স ওব দ কোর্ট" হায়রিবা ৱাফম অসিগী কর্মসিয়েল লো দা তোঙানবা ৱাহন্থোক লৈগনি। এসোসিয়েৎ বিল্দরস ভর্সেস দি দি এ, (২০১৫) ৩ এস সি সি ৪৯ হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না পীরিবা দন্দি অদুগী চুনবা য়েংবা মতমদা করিগুম্বা মদু ন্যায় নত্রগা মোরালিটি গী মাইয়োক্তা লৈরবদি মদু ককথৎপা য়াগনি হায়না অসুম্না হায়রি:

> ৩৬. পব্লিক পোলিসি গী অহুমশুবা গ্রাউন্দদি, পীরিবা দন্দি অদু ন্যায় নত্রগা মোরালিটি গী মাইয়োক্তা ওইৱা হায়বসিনি। কোর্ট গী কন্সাইন্স দা শোক পীরবদি মদু ন্যায়গী মাইয়োক্তনি হায়গনি। মসিগী খুদম অমদি ক্লেমেন্ত অমনা আর্বিত্রেটর গী মমাংদা ষ্টেটমেন্ত পীদুনা ক্লেম তৌরকপা মতমদা লুপা লাক্ষ ৩০ দগী হেন্না তৌদ্রগা মঙোন্দা কায়নথংদা পীরকপা লাক্ষ ৪৫ ওইরবদি, মদুনা কোর্ট গী কন্সাইন্স দা শুকশোই শোইদনা শোকম পীগনি অমসুং হায়রিবা মদুগী এৱার্দ অদু "ন্যায়" গী মাইয়োক্তা ওইবগা ককখিবা তাবনি।

৬৮. "শোক্স দ কন্সাইন্স ওব দ কোর্ট" অমসুং "শোকিংলি দিসপ্রোপোর্সনেট" হায়রিবা ৱাখল্লোন অসি দোমেষ্টিক ইনক্কায়রীশিং অমদি এটেন্দেন্ট পনিশমেন্টশিংগী মতাংদা ক্রিমিনেল লো নত্রগা কর্মসিয়েল লো গী লমদা খেন্নবা লৈগনি অমসুং মদুগী খেন্নবা অদু ভাব তান্নবা কোর্ট অসিনা মথক্তা পনখিবা অসিগুম্না মশিং য়াম্লবা কেসশিং পল্লি।

৬৯. কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ ভর্সেস মুকুল কুমার চৌধুরী, ২০০৯ (সুপ্রা), হায়রিবা কেস অদুদা ফংবা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না পুথোকখিবা টেষ্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবসি রিজনেবল ইমপ্লোয়ী হায়বসিনি। হায়রিবা টেষ্ট অসিদা মান্নবা হিরম-ৱারমশিংগী মতাংদা রিজনেবল ইমপ্লোয়র অমনা মান্নবা দন্দি পীগদ্রা হায়বসিনি মরমদি "রিজনেবল ইমপ্লোয়র অমনা দন্দি পীদ্রিঙৈগী মমাংদা লানখিবা মরাল অদুগী মতিক-ময়াম, অরুম-অয়াঙ য়েংলদুনা মরি লৈনবা হিরম-ৱারমশিংবুনা খত্তোক্নুনা হান্না য়েংলবা মতুংদা দন্দি অদু পীগনি।"

অদুবু, ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না জি. বি. মহাজন ভর্সেস জলগাঁর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, (১৯৯১) ৩ এস সি সি ৯১, হায়রিবা কেস অসিদা "রিজনেবল মেন" অমগী মতাংদা হায়খিবা অদু নীংশিংবা য়াই অদুগা মখাদা অসুম্না হায়রি:

> "৩৯. ভেলিদিটি গী টেষ্ট অমা ওইরিবা "রিজনেবলনেস" গী মথৌ-তৌবসি য়াম্না ময়েক শেংনা তোখায়না থমগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা, চথরিবা কেস অসিগী আর্গুমেন্তশিং দগী থোক্লকপা, এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো টেষ্ট ওইরিবা 'রিজনেবলনেস' অসিদা শীংনরক্লিবা রিজোলুসন গী টেষ্ট নি হায়বা অসিদগী লো ওব টোর্টসগা নক্নবা 'রিজনেবল মেন' গী

টেষ্ট, অদুগা ইংলিস লো দা ‘‘মেন ওন দ ক্লাফাম ওমনিবস’’ হায়বসিগা খেন্নে। অকোনবগী কেস অসিগী মতাংদা ‘রিজনেবল মেন’ গী ষ্টেন্দার্দশিং অসি কোর্ট না লেপ্পনি হায়বসিদি চুম্নদগী ট্রান্সফর্দ ইপিঠেৎ ওইবনি

*     *     *     *     *

৪১. দ এডমিনিষ্ট্রেটিভ লো টেষ্ট ওব রিজনেবলনেস অসি টোর্টস লো গী ‘‘রিজনেবল মেন’’ গী ষ্টেন্দর্দ গী মতুং ইনদে . . . .

৭০. অতোপ্পা টেষ্ট অমনা, থিজিনবদা য়াম্না পরর্ভস নত্রগা ইরেসনেল ওইবা তারবা অমসুং রিজনেবল ওইবা মীওই অমত্তনা তারম্লিবা রাই অদু তারোইদবা ওইরবদি, মদু শোকিং ওই হায়না লৌগনি। থিজিনবদা ফংলকপা ফেক্ত অদু পর্রভস নত্রগা ইরেসনেল ওই হায়না লৌগনি করিগুম্বা মরি লৈনবা মচাকশিং অদু থাদোক্লম্বা নত্রগা হাপত্রবা নত্রগা মরি লৈনদবা/হাপ্পা য়াদবা মচাকশিং হাপ্পা তারবদি (ৱেদনেসবরী প্রিন্সিপল, এস. আর. টেৱারী ভর্সেস য়ুনিয়ন ওব ইন্দিয়া, ২০১৩, ওম কুমার, ২০০১, কৈলাশ নাথ গুপতা, ২০০৩, হোটিলাল ২০০৩, মোহম্মদ অয়ুব নাজ, ২০০৬, অসিনচিংবা)

৭১. মতৌ অসুম তৌদুনা, ‘‘শোকিংলি দিসপ্রোপোর্সনেট’’ নত্রগা ‘‘শোক্স দ কন্সাইন্স ওব দ কোর্ট’’ হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ফজনা খন্দোক-খঞ্জিন তৌবা য়াবা লিগেল টর্মশিংদা শন্দোক্লা তাক্লদুনা কেটিগোরি থোক্লা খাইদোকপা অমসুং পীগদৌরিবা দন্দি গী মতাংদা থিদোক্ত দোক্ট্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি গী মতুং ইন্না তৌব্রা হায়বনচিংবগী মতাংদা থোইদোক্লা হায়রমদে, ইকায়কুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না পরম কয়ামরুম য়াৎপীরমদুনা মসিগী মতুং ইন্না কোর্ট না মরি লৈনবা ৱারমশিং হাপ্পরা নত্রগা হাপতব্রা নত্রগা মরি-মখোঙ শম্নদবা ৱাফমশিং হাপচিনখিব্রা হায়বদু দন্দি পীবা মতমদা প্রোপোর্সনালিটি গী মতুং ইন্না তৌখিব্রা হায়বদু য়েংগনি।

৭২. ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা ইমপ্লোয়ী অমনা থবক কারক্তবগী মরাল লানববু মান্নবা দন্দি অমা হেক্তা পীবা য়ারোই হায়না ডাক্তর পি. এল. শঙ্গলা, ২০০৮ (সুপ্রা) হায়রিবা কেস অসিদা হায়খি। ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না দন্দি পীবসি হিরম কয়ামরুমগী মখা পোনগনি অমসুং পীগদৌরিবা দন্দি অদু থবক অদুগী মওং-মতৌ, ইমপ্লোয়ী অদুনা পায়বা ফম, থবক্তগী কারকখিদবগী মতম অমসুং কারকখিদবগী মরম নত্রগা শেংদোরকপগীসু মতুং ইনগনি।

মরম অদুনা, পীগদৌরিবা দন্দি অদুগী মতাংদা প্রোপোর্সনালিটি গী হিরমদা য়েংদুনা মদুনা কোর্ট গী কন্সাইন্স দা শোক পীব্রা হায়বা অদু য়েংবা মতমদা, মথক্তা পনখিবা হিরম-ৱারমশিং অসি য়েংবগী অয়াবা পীফম থোকই।

৭৩. দোক্ট্রিন ওব প্রোপোর্সনালিটি গী অর্থ অমসুং পাক শনবগী মতাংদা কুপ্পা নৈনবা তৌদনা অমদি, ‘‘শোক্স দ কন্সাইন্স’’, ‘‘শোকিংলি দিসপ্রোপোর্সনেট’’, ‘‘রিজনেবল মেন’’ অসিনচিংবশিং অসিগা মরি লৈনবা মখাদা পীরিবা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না রাই পীখিবা কেসশিংগী মরক্তগী

য়াওবা প্রিন্সিপলশিং মখাদা শম্লপ্না পীরি অদুগা হায়রিবশিং অসি পীগদৌরিবা দন্দি অদুগী মতাংদা খন্নবা মতমদা য়েংগনি:

(১) মরালগী মতুং ইন্না তারিবা দন্দি অদু শাথিনা চুনদ্রবা নত্রগা কোর্ট গী কন্সাইন্স দা শোক পীবা তারবদি কোর্ট না খুৎ থীংজিনবদা অয়াবাপী। অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগা, দন্দি অদু ইরেসনেল ওইদবগী লোজিগ নত্রগা মোরেল ষ্টেন্দর্দ খোঙ্গাওনবা ওইরবা **(হিন্দ কনষ্ট্রক্সন, ১৯৬৫, রঞ্জিৎ ঠাকুর, ১৯৮৭, বি. সি. চটুরবেদি, ১৯৯৫, কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ, ২০০৯, চেন্নাই মেত্রোপোলিটান, ২০১৪,** অসিনচিংবা)।

(২) পীরিবা দন্দি অদুনা ভিক্তিমাইজ তৌরবা নত্রগা মীচঙ-মীখায় নাইবা লেবর প্রেক্তিস চত্থবরদি, মদু শাথিনা চুনদবগীদমক ককলগা নাথৈদুনা থম্বা য়াই। **(হিন্দুষ্টান ষ্টিল্স লিমিটেদ, ১৯৬৯, ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান চেম্বরস ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি, ১৯৭২, রমা কান্ত মিশরা, ১৯৮২)**।

(৩) মরালগা চুনদবা দন্দি পীরবদি মদু আর্টিকল ১৪ বু খোঙ্গাওনবনি **(ভগত রাম, ১৯৮৩, এস. আর. টেৱারী, ২০১৩)**।

(৪) দন্দি অমবু য়াম্না শাতিনা চুনদব্রা নত্রগা কোর্ট গী কন্সাইন্স দা শোক পীব্রা হায়বদু থিদোকপা মতমদা, রিজনেবল ইমপ্লোয়র অমনা মান্নবা হিরম-ৱারমশিংদা মান্নবা দন্দি পীগদ্রা হায়বা খঙদোক্কনি। রিজনেবল ইমপ্লোয়র অমনদি মরাল অদুগী মশক-মওং অমসুং অরুম-অয়াঙ মুন্না থিদোক্কনি। **(হিন্দ কন্সট্রক্সন, ১৯৬৫, কোল ইন্দিয়া লিমিটেদ, ২০০৯)**।

(৫) ইমপ্লোয়র অদুনা দন্দি পীদ্রিঙৈ মমাংদা মরি লৈনবা হিরম-ৱারমশিং খন্নহৌব্রা অমসুং মরি-মখোঙ শন্নদবশিংবু খত্তোক্কনি **(বি. সি. চটুরবেদি, ১৯৯৬, কৈলাশ নাত গুপতা, ২০০৩)**

(৬) পীরিবা দন্দি অদু শাথিনা চুনদবদগী লোজিগ নত্রগা মোরেল ষ্টেন্দর্দশিংবু ঙাক্না চৎত্রবা অমসুং ৱাখল মুন্না খন্থবা ঙম্বা এঙান তাবা মীশক অমনা ৱাহং অদুবু মুন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হায়রিবা দন্দি অদুবু পীননবা রাই তারোইদবা ওইরবদি **(রঞ্জিৎ ঠাকুর, ১৯৮৭, ঐছ নাগরাজ, ১৯৯৮)**

(৭) কোর্ট না তারিবা দন্দি অদু মরাল অমসুং মরাল লাল্লিবা অনীমক্কা চুনব্রা হায়বদু য়েংগদবনি। অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগা, দন্দি অদুগী প্রোপোর্সনালিটি য়েংবা মতমদা মরালগী অরুম-অয়াঙগী মিৎয়েংদগী খক্তা য়েংলোইদবনি; মরাল লাল্লিবা মীওই অদুগী মিৎয়েংদগীসু য়েংগদবনি অদুগা হায়রিবা অসিদা ইমপ্লোয়ী অদুগী থবক্কী মশক-মওং, মহাক্না পায়রিবা ফম, মহাক্না লাকখিদবগী মরম নত্রগা শেংদোরকপা নচিংবশিংবুসু য়েংগদবনি। হায়রিবা মীওই অদুগী ৱাখল গী ওইবা ফিভম, মরাল অদু মহাক্না কয়াম

য়াওনা পাঙথোকখিবা হায়বা অদুসু য়েংগনি **(রঞ্জিৎ ঠাকুর,** ১৯৯৭, **হোতি লাল,** ২০০৩, **মেক্কেন সিংহ এন মরাক,** ২০০৮, **ডাক্তর পি. এল. শিঙ্গলা,** ২০০৮)

(৮) দন্দি খরা হন্থনা পীবা য়ারবদি মদুসু খন্নগনি, অদুগী মদুনা লমন খুন্নিংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লোইদবনি, অদুবু মান্নবা ন্যায় পীগদবনি। মমাংগী রিকোর্দশিংসু খন্নগদবনি। (মিথিলেস সিংহ, ২০০৩)

(৯) জুদিসিয়েল ফোরমশিংগী মমাংদা পুকচেল চাউথোকপা নত্রগা মফম মতম চাদনা মীনুংশি উৎপগী মতম লৈতে। **(ভারত ফোর্জ কো. লিমিটিট,** ২০০৫, **এ. পি. এস. আর. টি. সি,** ২০০৭)।

(১০) হায় কোর্ট/ত্রিবুনেল না জুদিসিয়েল রিভিয়ু চথবগী শক্তি শীজিন্নরকপা মতমদা, দন্দিগী মতাংদা মশানা তাখিবা ৱারোইশিনবু অতোপ্পা অমনা মহুৎ শীন্দোকপসি তৌগন্দে। দিসিপ্লিনরি নত্রগা এপ্পেলেট ওথোরিটি না পীরিবা দন্দি অদুনা হায় কোর্ট/ত্রিবুনেল গী কন্সাইন্স দা শোক পীবা তারবদি, দন্দি অদু অমুক হন্না খন্ননবা দিসিপ্লিনরি/এপ্পেলেট ওথোরিটি দা অমুক খঙহনগনি, নত্রগা কেস থেংনবগী মতম তেনশিন্নবা হায়দুনা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংদা মতিক চাবা দন্দি, মতিক চাবা মরম পীরগা পীবা য়াই। **(চেয়রমেন মেনেজিং দিরেক্তর, য়ুনাইটেদ কমরসিয়েল বেঙ্ক,** ২০০৩, **দেব সিংহ,** ২০০৩)

(১১) পীরিবা দন্দি অসি শাথিনা চুনদে হায়বগী ৱারোইশিং তানবগীদমক কোর্ট না চপ চাবা মরম পীগদবনি। মরম পীবা ঙমদ্রবদি মদু ন্যায় পীগদবনি। মরম পীবা ঙমদ্রবদি মদু ন্যায় পীদবনি হায়না লৌগনি। চুন্নদগী মদু চুনদে হায়বনা য়ারোই। **(হোতি লাল,** ২০০৩)

(১২) "শোকিংলি দিসপ্রোপোর্স্নেট" নত্রগা "শোক্স দ কন্সাইন্স ওফ দ কোর্টস" হায়রিবা ৱাহৈশিং অসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক জজমেন্তশিং দা পীদ্রবসু, মথক্তা পনখিবা পারামিটরশিংঅসি পীরিবা দন্দি অদুগী প্রোপোর্স্নালিটি গী খন্নবা মতমদা য়েংগনি।

৭৪. হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ৱাখলদা থল্লগা, চথরিবা কেস অসি ইকজামিন তৌরগনি। চথরিবা কেস অসিদা, পিতিশ্নর অসি নুমিৎ ৮৪৬ নি থবক কারকখিদবগী মরাল লাল্লি অমসুং পিতিশ্নর মশানসু মদুদা য়ানিংদবা উৎপা লৈতে। তৌইগুম্বসুং, মহাক মশা অসি দিলুজনেল দিসওর্দর হায়রিবা ৱাখলগী লাইনা অদু নাবদগী থবক কারকপা ঙমখিদবনি হায়দুনা মরি লৈনবা মেদিকেল সর্তিফিকেৎ শিংপীরদুনা মদু মহাক্কী কন্ত্রোলগী ৱাংমদা ওইহনখিবনি হায়খি।

মথক্তা পনখিবা হিরম-ৱারমশিং অসি অমত্তা য়েংদনা নুমিৎ ৮৪৬ থবক কারকখিদবা অদু খক্তা য়েংলগদি, পিতিশ্নর অসিবু থবক্তগী লৌতোকপগী তাখিবা ওর্দর অদু থোইনা শাথিনা চুনদবা নত্রগা কোর্টশিং গী কন্সাইন্স দা শোক পীবা ওইনা থোক্তে অদুগা পিটিশ্নর অসি থক-খা য়াম্না নাইবা ফোর্স গী মীওই অমা ওইবা মরম্না কোর্ট না খুৎ থীংজিনবগী মতাং লৈতে।

তৌইগুম্বসুং, মতাং অসিদদি চুন্নদগী নুমিৎ ৮৪৬ নি খক থবক কারক্তবগী নত্তে। লাকখিদবগী মরম গী মতাংদনি। ইনক্কায়রী রিপোর্ট তা ইনক্কায়রী ওফিসর না লাকখিদবগী মরম পল্লবসু মদুগী মতাংদা থোইনা কুপথনা থিজিন-হুমজিনবগী মতাং য়াওদে হায়দুনা মখাদা অসুন্না হায়রি,

> "মরাল শীরিবা কনষ্টেবল অদুনা মহাক্কী পোষ্টিং মফমদা মতম চানা রিপোর্ট তৌরদে হায়বসি মখা তানা খঙলে। মহাক সসপেন্দ চৎলবা মতুংদা অমুক হঙ্গৎলক্লগা মঙোন্দা সম্মন পীদুনা মহাক্কী মথক্তা ইনক্কায়রী চথনবা হায়খি। মহাকপু ইকজামিন তৌবা মতমদা ইং ষাক ১১/১/২০০০ গী নুংথিলগী মতমদা, মহাক্কী পোষ্টিং মফমদা দিয়ুতি তৌরুরগা মহাক্কী লাইরবা ইমুং মনুংবু য়েংশিনবা লাকখি হায়না হায়খি। অদুবু, লাইবক থিবদগী মহাক অসি য়াম্না শাথিবা লায়না অমা ওইরিবা (দিলুজনেল) দিসওর্দর (ক্রোনিক সাইকোসিস) হায়রিবা অদু নাবদগী নুমিৎ খরনিদি রিমস হোস্পিতাল দা মেদিকেল ওফিসর অমনা য়েংশিনখি। হায়রিবা ৱাফম অসিমক রিমস গী সাইকাইত্রি গী এসোসিয়েট প্রোফেসর নসু চুল্লে হায়খি। অদুগা মকোয়গী ইমুংগী অমত্তা ঙাইরবা নুপা ওইবনা, অতোপ্পা অমত্তনা মতেং পাংবীনবা লৈতবদগী মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু মরি লৈনবা ওথোরিটি গী মনাক্তা য়ৌহনখিবা ঙমদবনি হায়খি।

মদুদি, মথক্তা পনখিবা শাখি-শাবোন এ. থম্বালঙৌ সিংহ গী মথক্তা শীরিবা মরাল অসি য়েৎন্নীংঙাই লৈতে অদুগা মহাক্না মরি লৈনবা ওথোরিটি গী মফমদা লিভ পীশিন্দনা অমসুং অয়াবা য়াওদনা তারিখ ১৩/১/২০০০ দগী ৭/৫/২০০২ হায়বদি নুমিৎ ৮৪৬ চপ চানা থবক কারকখিদে।"

মরম অদুনা, শাখি-শাবোন বু নৈনবা মতমদা, ইনক্কায়রী ওফিসর না য়াম্না চন্না হায়বদা পিতিশ্নর গী মথক্তা শীরিবা মরাল অদু চুল্লে হায়রি। শাখি-শাবোন অদু মতৌ করম্না নৈনখিবগে হায়বগী মতাংদা থোইদোকপা হায়দে অদুগা চুন্নদগী মহাক মরাল লৈরে হায়বা খক্তমক উৎলি।

৭৫. মতাং অসিদা খঙঞ্জিনবা য়াবদি ইনক্কায়রী ওফিসর না মহাক্কী রিপোর্ট তা ক্রোনিক সাইকোসিস না নাবদগী রিমস হোস্পিতাল দা লাইয়েং চথখি, অদুগা মদুগী মরি লৈনবা মেদিকেল সর্তিফিকেৎ সু মেদিকেল ওফিসর না পীবদগী য়াওরে অদুবু হায়রিবা শাখি-শাবোন অদুদা ইনক্কায়রী ওফিসর না থাজবা থমখিব্রা নত্রগা থমদব্রা হায়বদি খঙবা ঙমদ্রে। হায়রিবা পিতিশ্নর না শেংদোরকপা অসিদা থাজবা থম্বা য়াব্রা হায়বগী মতাংদা থোইদোকপা পন্দে।

রিমস গী এসোসিয়েট প্রোফেসর অমনা পীবা মেদিকেল সর্তিফিকেৎ অমবু হায়বগী মতাংদা থিজিন-হুমজিনবদা থোইদোকপা থোক্লক্তে। ইনক্কায়রী ওফিসর না হায়রিবা মেদিকেল সর্তিফিকেৎ অসিগী মতাংদা ৱাহং থোইদোকপা হংবা তৌদনা পিতিশ্নর গী মথক্তা শীরিবা মরাল

অদুদা চিংননিংঙাই লৈতে হায়না ৱারোইশিন তাখি। পিতিশ্নর না ৱাখলগী লায়না নাবদগী কারকখিদবনি হায়বগী মতাংদা পীখিবা শাখি-শাবোন গী মতাংদা থোইদোকপা খন্নবা লৈতে।

৭৬. হায়রিবা রিপোর্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা, থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীখিবগদমক পিতিশ্নর অদুদা শো কোজ থাখিবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা থবক লাকখিদবা অদুদা মশানা য়াজরদুনা মদু থৌওইনা অতম্ননা তৌবা নত্তে অমসুং মহাক্না তম্বা ঙমদবা থৌদোক অমা ওইরিবা ক্রোনিক সাইকোসিস হায়রিবা লায়না অদু নারকপদগীনি হায়দুনা মরি লৈনবা মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং অমসুং অতৈ-অতোপ্পা চে-চাংশিং ইনক্বায়রী তৌবা মতমদগী হৌনা হাপখি। মখা তানা মহাক্কী ইমুংগী অমত্তা ঙাইরবা নুপা ওইবনা মহাক্না নাবদগী লিভ পীশিনবা নত্রগা মতাং অদুগা মরি লৈনবা ওথোরিটিশিংদা পাউ পীরকপা ঙমখিদবনি হায়নসু হায়খি। পিতিশ্নর না তারিখ ০৪-০৩-২০০৩ দা পীখৎলকখিবা রিপ্রজেন্তেশন অদু খন্নরবা মতুংদা শীংনরক্লিবা ফাইনেল ওইবা ওর্দর অদু দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না ইং শোক ২০০৩ গী মে ২২ দা থোকখি, মদুগী মরি লৈনবা শরুকশিং মখাদা পীরি:

> "তৌইগুম্বসুং, ইনক্বায়রী ওফিসর ওইরিবা এস দি পি ও পোরোম্পাৎ, শ্রী এন. গৌরকিশ্বর সিংহ না ইনক্বায়রী তৌবদগী ফংলকপশিং সহি তৌরিবা মীওই অসিগী মফমদা তারিখ ১০/৩/২০০৩ দা পীশিন্দুনা চেন্নরিবা কনষ্টেবল ন: ৮২১০০৯ ওইরিবা এ. থম্বালঙৌ সিংহ অসি মরি লৈনবা ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা নুমিৎ ৮৪৬ হায়বদি তারিখ ১৩/১/২০০০ দগী ৭/৫/২০০২ ফাওবা থবক কারকখিদে হায়খি;
>
> অমসুং, কনষ্টেবল ন: ৮২১০০৯ ওইরিবা এ. থম্বালঙৌ সিংহ না মহাক্কী মথক্তা থোককিবা শো কোজ গী পাউকুম দিসিপ্লিনরি ওথোরি দা তারিখ ৩/৪/২০০৩ দা পীখিবদা মঙোন্দা শীরিবা মরাল য়াজরদুনা কেস অদুদা মহাক্না চথখিবা থৌওং অদু অতম্ননা থৌওইনা তৌখিবশিং নত্তে হায়খি।" অমসুং, ইনক্বায়রী ওফিসর না থীজিনবদগী ফংলকপশিংদা অপেনবা ওইরে;
>
> অমসুং, অকোনবগী শো কোজ নোটিশ গী ওইনা মরাল লৈরবা কনষ্টেবল ন: ৮২১০০৯ ওইরিবা এ. থম্বালঙৌ সিংহ না পীরকখিবা পাউখুম ঐহাক্না য়েংলে। মহাক্না থোইদোকপা অনৌবা ৱাফম হায়বা লৈতে অমসুং মহাক্না হায়খিবশিং অদু ইনক্বায়রী মতমদা কুপ্পা নৈনখ্রবনি। মরাল লৈরবা মীশক অসিনা লিভ লৌখিদনা/তাক্লমদনা/অয়াবা লৌদনা নুমিৎ ৮৪৬ হায়বদি চহী ২ হেন্না লাক্তবগী মরম নত্রা শেংদোকপা অমত্তা লৈতে।
>
> মরম অদুনা, মখাদা সহি তৌরিবা ঐহাক্না, এ. পি. মেনুয়েল পার্ট ঠঠঠঠ গী ৬৬ শুবা রুল

না ঐঙোন্দা পীবা শক্তিগী মতুং ইন্না মরাল লৈরবা কনষ্টেবল ন: ৮২১০০৯ ওইরিবা এ. থম্বালঙৌ সিংহ বু খুদক্তগী থবক্তগী লৌথোক্লে।"

৭৭.  ইং শোক ২০০৩ গী মে গী তারিখ ২৩ দা থোকখিবা অমসুং শীংনরক্লিবা ওর্দর অদু য়েংলুরবা মতুংদা ইনক্কায়রী ওফিসর না থীজিনবদগী ফংলকপশিং অদুদা মহাক মশানা য়াজরে। অদুগা পিতিশ্নর না মহাক্না লাকখিদবগী মরম অসি মহাক মেন্তেল সাইকোসিস নাবদগীনি হায়দুনা অকোনবগী শো কোজ দা শেংদোকখিবা লৈরবসু, দিসিপ্লিনরি ওথোরিটিনদি পিতিশ্নর না থোইদোকপা অনৌবা হায়নিংঙাই লৈত্রে অমসুং মহাক্না হায়খিবশিং লোইনবক ইনক্কায়রী মতমদা নৈনখ্রে অমসুং মহাক্না নুমিৎ ৮৪৬ নি লাকখিদবগীদমক লিভ লৈতবগী মতাংদা শেংদোকপা নত্রগা শন্দোক্না তাকপগী কান্নবা লৈত্রে হায়দুনা লান্না রিকোদিং তৌদুনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকখিবনি। মতাং অসিদা পিতিশ্নর গী মায়কৈদগী শেংদোরকপা লৈখ্রবসু মদু লৌবা নত্রগা লৌদবা হায়বসিদি ওথোরিটি গী খুত্তা লৈ। লাইবক থিবদগী মদুগুম্বা ওথোরিটি গী মায়কৈদগী রাই তাখিবা অমত্তা লৈতে। অমসুং পিতিশ্নর না পুথোরকপা মেদিকেল সর্তিফিকেৎ গী অচুম-অরান গী মতাংদা  দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না খন্নবগী মতাং য়াওদে।

৭৮.  শীংনরক্লিবা ওর্দর অসিদা পিতিশ্নর না হায়খিবশিং অদু ইনক্কায়রী মনুংদা খন্ন-নৈনরবসু পিতিশ্নর না পীখৎলকপা শাখি-শাবোন অদুবু ইনক্কায়রী ওফিসর না মতৌ করম্না নৈনবগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম ফোঙদোক্তে অমসুং হায়রিবা অদুগী অচুম-অরান গী মতাংদা অমদি মহাক্না লাককিদবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তে।মান্নবা মওংদা, ইং শোক ২০০৩ গী মে গী তারিখ ২২ দা থোকখিবা থবক লৌথোকপগী ওর্দর, অদুগা হৌজিক্না শীংনরক্লিবা অসিগী মতাংদা পিতিশ্নর না হায়জরকপা অমদি মহাক্না লাকখিদবগী পীরকপা মরমশিং অমসুং মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং অমদি অতৈ শাখি-শাবোনশিংগী মতাংদা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না খন্নখিবা লৈতে।

অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগা, কোর্ট অসিনা থীজিনবদা খঙলে মদুদি ইনক্কায়রী ওফিসর নত্রগা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি অনীনা মতাং অসিদা য়াম্না মরি লৈনবা ৱাফম ওইরিবা পিতিশ্নর না মহাক্না মতম শংনা লাককিদবা অদু মহাক্না তম্বা ঙমদবা ৱাখলগী লায়না না নাবদগী সরকারগী হোস্পিতাল দা লাইয়েং চথখিবাগী মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং হাপ্পকপা অদু কদায় ফাওবা চুম্বগে অমসুং থাজবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিনবা ৱাৎহৌরে হায়বসিনি। অদুবু পিতিশ্নর না পীরকপা মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং নত্রগা অরানবনি হায়বা পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা মহাক্কী ৱাফমদা থাজদবা য়াদ্রে। মখা তানা পনবা য়াবদি পুলিস নসু থবক পায়খত্তুনা পিতিশ্নর বু মতম শাংনা পায়খত্তুনা পিতিশ্নর বু মতম শাংনা লাক্তবগী মীচেন্নি হায়বগী ৱাফমসু লৈতে। করিগুম্বা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পীরক্লিবা শাখি-শাবোন অমদি মচাকশিংবু মুন্না য়েংশিন্দুনা পিতিশ্নর মশানা অতম্ননা মতম শাংনা লাক্তবনি হায়বা পুথোক্লম্বা তারবদি কোর্ট অসিনা খুৎ থীংজিল্লমদ্রসু য়াবনি। কোর্ট অসিনা ফংবদা ইনক্কায়ী ওফিসর না য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা য়েংশিল্লমদ্রে অদুগা হায়রিবা শীংনরক্লিবা ওর্দর অসি তাবা মতমদসু দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি য়েংশিল্লমদ্রে। ওথোরিটি না পীশিল্লকপা মচাকশিং অমসুং মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং গী অচুম-অরানগী মতাংদা

চীংনবা লৈবা মতমদা পিতিশ্নর না থৌওইনা অতম্ননা মতম শাংনা থবক লাক্তবনি হায়না লৌবা য়াই। থৌওইনা নত্রগা অতম্ননা থবক কারক্তবা মতাংশিংদা ***ছেল সিংহ ভর্সেস এম জি বি গ্রামিন বেঙ্ক, ২০১৪*** (সুপ্রা) হায়রিবা কেস অদুদা তৌখিবা অদুগুম্না মখা চত্থগনি।

৭৯. পিতিশ্নর না মহাক্না লাকখিদবগী মরম অদু মহাক্না তম্বা ঙমদবা ওইবদগী তৌবনি হায়বদু মুন্না খন্নদ্রবদি, য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অদু খন্নদনা দন্দি পীবা হায়বসিদি শাথিনা মরাল অদুগা চুনবা ৱাৎলি হায়না লৌগনি। মরমদি, পিতিশ্নর মশানা মহাক ৱাখলগী লায়না নাবদগী লাকপা ঙমখিদবনি হায়বা তারবদি মদু মহাক্না থৌওইনা অতম্ননা তৌবা নত্তে। অদুনা, থবক্তগী লৌথোকপীবা হায়বসিদি য়াম্না শোকিংলি দিসপ্রোপোর্সনেট ওইরনি। মান্নবা মরমগী মতুং ইন্না, দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না পিতিশ্নর না শেংদোরকপা অমসুং মেদিকেল সর্তিফিকেৎশিং/চে-চাংশিং অদুবু থাজবা থল্লম্বা তারবদি, থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীরিবা অদু য়াম্না "শোকিংলি" দিসপ্রোপোর্সনেট ওই হায়বা মশানা অদুম তাজরগনি। মথক্তা পনখিবা অসিগী মতুং ইন্না, পীরিবা দন্দি অদু মরাল গী অরুম-অয়াঙ য়েংবা খক্তমক নত্তনা মরাল লাল্লিবা মীওই অদুগসু অমসুং অতোপ্পা মরি লৈনবা হীরম-ৱারম পুন্নমক সু মুন্না খন্নগদবনি। অদুগা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম ওইরিবা মহাক্না লাকখিদবগী মরম অমসুং মদুবু হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্নবা পীরকখিবা শাখি-শাবোন কয়ামরুম অমবু ওথোরিটিশিংনা মুন্না নৈনহৌদবা হায়বসিনি।

৮০. মদুনা নাকল অমরোমদা ওইখ্রগা, ইমপ্লোয়ী অদুনা তৌরম্লিবা থবক্কী মওং-মতৌ অমসুং মহাক্না পায়রম্লিবা ফম সু মুন্না য়েংশিনবা দরকার ওই। হায়রিবা পিতিশ্নর অসি য়াম্না থকশি-খাশি নাইনা চৎপা ফোর্স দা থবক তৌদুনা মহাক্কী মথৌদা পুক্নিং চঙদুনা য়াম্না পুকচেল শেংনা মথৌ তৌবা দরকার লৈরবসু, মহাক অসি পুলিস ফোর্স গী খ্বাইদগী নেম্বা ফম পায়রিবা কনষ্টেবল অমনি, অদুগা মহাক্না থবক কারকখিদবগী চপ চাবা মরম পীরি। হায়রিবা মরাল অসি নত্তবা অতোপ্পা লমচৎ কাম্বা নত্রগা খৎন-চৈনবগী নত্রগা নম-হাবগী অমসুং থকশি-খাশি নাইদববগী, মথক-থোংবা ওথোরিটিশিংগী ওর্দর ইন্দবা, মফম থাদোক্লগা চৎপা নত্রগা অতোপ্পা মীওই অমদা অশোক-অপন নঙহনবগী নত্রগা ফোর্স গী মীংচৎ থীহনবগী থবক তৌরম্বগী থৌদোক অমত্তা লৈতে। অদুনা, পিতিশ্নর গী মথক্তা শীরিবা মরাল অসিদি মহাক্না ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা মতম শাংনা থবক কারকখিদবা অসিনি, অদুগা মদুগী মরমসু মহাক্না শন্দোক্না তাক্লে,অদুবু হায়রিবা অদু ওথোরিটি নদি মদু থোয়না নৈনখিদে।

৮১. মতাং অসিদা পনবা য়াবদি পিতিশ্নর অসিনা চহী ২০ হেন্না থবক তৌরক্লে অদুগা হায়রিবা থবক কারক্তবগী থৌদোক অসি থোক্ত্রিঙৈ মমাংদনা চহী ১৮ মুক থবক তৌরক্লবনি। থবক্তগী লৌথোকপা হায়বা দন্দি অসিদি পিতিশ্নর বু পুলিস ফোর্স দগী লৌথোকপদা নত্তনা মহাক্না ফংগদবা পেন্সনগী কান্নবশিংসু অমত্তা ফংলরোই। মরম অদুনা হায়রিবা দন্দি অসিনা পিতিশ্নর বু মখল অনী থোক্না কান্নবা ফংহল্লরোই। অহানবদা, পিতিশ্নর অসি ফোর্স গী মেম্বর অমা ওইবা য়াররোস।

অনীশুবদা, মহাক্কী ফংফম থোকপা পেন্সনগী কান্নবা অমসুং অতৈ কান্নবশিং অমত্তা ফংলরোই। করিগুম্বা ইমপ্লোয়ী অমনা থবক তৌবা অসি চহী ১০ শুরক্লবদি, মহাক পেন্সন ফংবা য়াবগী হক লৈ অমসুং মহাক্না ফংগদবা পামজরবদি মশানা য়ানা ভোলুন্টরি রিটাইয়রমেন্ত লৌবা য়াই। হায়রিবা অসি ইমপ্লোয়ী অমনা ফংফম থোকপা য়াম্না মমল য়াম্লবা হকনি।

৮২. অদুনা, থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি অসি পিতিশ্নর দা পীবা মতমদা মঙোন্দা মখল অনী থোক্লা মাঙজবা পীগনি; হায়বদি মখা তানা থবক তৌবগী হক মাঙবা অমদি পেন্সন অমসুং অতোপ্পা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ফংগদবা কান্নবশিংসু ফংদবা হায়বসিনি। থবক তৌবা চহী ১০ ফাদ্রিবা ওইরবদি থবক্তগী লৌথোক্লবসু পেন্সনগী কান্নবা ফংলোইদবনা ক্লেম তৌবা য়াররোই। অদুনা, অসিগুম্বা থবক তৌবা চহী ১০ ফাদ্রিবা মীওই অমবু থবক্তগী লৌথোকপগী মতাং ওইরবদি কান্নবা মাঙবসি অমখক্তা ওইগনি হায়বদি থবক মখা চত্থবা য়াদবা হায়বসিনি। অদুবু, চত্থরিবা কেস অসিগী ওইনদি, পিতিশ্নর মশাদা পীরিবা মাঙজবগী পোৎলুম অসি মখল অনীনি। অদুনা পিতিশ্নর না অনীমক মাঙজফম থোকপ্রা হায়বা ৱাহংসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি অমসুং দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না দন্দি পীবা মতমদা খন্নহৌগদবা অদুবু খন্নহৌদ্রবা ৱাহং হায়বসি কোর্ট অসিনা খঙলে। থবক্তগী লৌথোক্লবদি পেন্সন ফংদবা হায়বসিদি মশানা লৈজরবা চুমজরবা ৱাফমনি অদুবু মদুগী মহুত্তা থবক্তগী নমদুনা পোত্থাহনবা তারবদি, থবক্তগী লৌথোক্লবসু পেন্সন গী কান্নবদি অদুম ফংহনবা য়াবনি।

৮৩. ষ্টেট গী মায়কৈদা লেপ্লিবা রেস্পোন্দেন্তশিংনা মখোয়গী এফিদেভিট ঈন ওপ্পোজিসন দা হায়রি মদুদি পিতিশনর গী হান্নগী মমাংগী সর্ভিস রিকোর্দশিং অপেনবা ওইদে মরমদি মমাংদা মঙোন্দা ইং শোক ১৯৯৬ অমসুং ১৯৯৮ দা ওথোরিটি গী অয়াবা য়াওদনা লাকখিদবগী এক্সত্রা ওর্দিনরি লিভশিং পীবা লৈখ্রে। অদুবু, অসিগুম্বা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা লাক্ত্রগসু মহাকপু অদুম থবক মখা চত্থহনখি। মখা তানা, পিতিশ্নর মশাদা করম্বা মতমদা শো কোজ নোটিস থোক্তুনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীখিবগে হায়বগী রিফরেন্স সু লৈতে। দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি না দন্দি পীবা মতমদা ইমপ্লোয়ী অদু গী হান্নগী সর্ভিস গী রিকোর্দ য়েংবা দরকার লৈরবসু, মদুগী মতাংদা ইমপ্লোয়ী মশাদা পাউ পীফম থোকপনি অদুবু চত্থরিবা কেস অসিদদি অদুম হায়না তৌরমদ্রে। ***ইন্দু ভুশন দ্বিভেদি ভর্সেস ষ্টেট ওফ ঝারখন্দ,*** (২০১০) ১১ ***এস সি সি*** ২৭৮ হায়রিবা কেস অসিদা ইকায়খুম্নরবা সুপ্রিম কোর্ট না অসুম্না হায়খি,

> "৮. জজমেন্ত অনী অসি কুপ্না য়েংবা মতমদা খঙলে মদুদি মরাল লৈরে খঙলবা ইমপ্লোয়ী অমদা দন্দি পীবগী মতাংদা, দিসিপ্লিনরি/মতিক চাবা ওথোরিটি অদুনা মহাক্কী মমাংদা লৈখিবা রিকোর্দ নত্রগা ফংখিবা দন্দি বু মহাক্কী শেংদোকপা অমা য়াওদনা খন্নবা য়ারোই হায়বসিনি। তৌইগুম্বসুং, ইকোন-কোন্না তাবা দন্দি অদুনা হান্না খন্নরম্বা দন্দি দগী মতিক-ময়ায় শোল্লবদি মঙোন্দা শেংদোক্লবা তাঞ্জা পীদ্রবসু য়াই।"

৮৪. মরম অদুনা, কেস অসিগী লৈরিবা হিরম-ৱারমশিং অসি য়েংলুরবা মতুংদা অমসুং লিগেল পারামিটরশিংবু কুপ্না য়েংলবা মতুংদা, দিসিপ্লিনরি ওথোরিটিনা মরি লৈনবা ৱাফম কয়ামরুম বু নৈনরমদবা অসিগীদমক হায়রিবা পিতিশ্নর অসিবু থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি পীবা অসি "শোকিংলি" দিসপ্রোপোর্সনেট ওইরে হায়না কোর্ট অসিনা লেপ্লে।

৮৫. হায়রিবা হিরম-ৱারমশিং অসি লৈবনা, নিয়ম গী মতুং ইন্না মতিক চাবা দিসিপ্লিনরি ওথোরিটি গী মফমদা অমুক হন্না থাদুনা পীরম্লিবা থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি গী মহুত্তা খরা য়াঙবা দন্দি অমনা শীন্দোক্লবা হায়গনি। অদুবু, চথরিবা কেস অসিগী ওইনদি ইং শোক ২০০৩ গী মে গী তারিখ ২২ দা থোকখিবা ওর্দর গী মতুং ইন্না মহাকপু থবক্তগী লৌথোকখিবা অসি চহী ১৪ হেল্লক্লবা ওইবনা নিয়মগী মতুং ইল্লগদি পিতিশ্নর মশাদা হেন্না অৱাবা পীরগনি। অদুনা, কোর্ট অসিনা মহাকপু থবক্তগী লৌথোকপগী দন্দি অসি গী মহুত্তা খরা য়াঙবা দন্দি অমনা মহুৎ শীন্দোক্লবা প্রোপোজ তৌরে।

৮৬. পিতিশ্নর অসিবু ইং শোক ২০০৩ দগী থবক্তগী লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা মহাকপু অমুক থবক হঞ্জিনহনবা হায়বসি চুনবা ৱাৎলে, অদুগা ওথোরিটি না মহাকপু থবক্তগী পোথাহনবনা মতিক চারে হায়না খল্লবনিনা, কোর্ট অসিনা মহাকপু থবক্তগী নমদুনা পোথাহল্লগনি। অদুনা, মহাকপু থবক্তগী লৌতোকখিবা তারিখ হায়বদি ২২-০৫-২০২৩ দগী হৌরগা থবক্তগী পোথাহন্দুনা পেন্সনগী কান্নবা ফংহন্দুনা মহাক্কী থবক লৌথোকপগী ওর্দর অদু রিটায়রমেন্ততা ওইনা ওন্থোক্লে। হায়রিবা মহাক পেন্সনগী কান্নবশিং অদু ফংহনবগী থবক অসি ঙসিগী তারিখ দগী থা ২ (অনি) ফাওবগী মনুংদা লোইশিল্লগা মশাদা ফংহনগদবনি।

৮৭. কেস অসি লোইশিন্দ্রিঙৈ মমাংদা, ***দব্লিউ. পি. (সি) ন: ৬০২ ওফ ২০১৩ (এম. দি. ৱহিজুদ্দিন সাহ ভর্সেস ষ্টেট ওফ মনিপুর এন্দ অর্দস)*** হায়রিবা কেস অদুদা তারিখ ২৭-০২-২০১৫ দা তাখিবা জজমেন্ত অমদি ওর্দর গী মতাংদা দন্দি পীরমদাই মতমদা দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটিগী মতাং পনখিদে অমসুং পানখিদে, অদুগা হায়রিবা জজমেন্ত অদুগী মতাং অদু চথরিবা কেস অসিদা পানবা য়ারোস অদুগা হৌজিক্কী কেস অসিদি দোক্ত্রিন ওফ প্রোপোর্সনালিটি পান্দুনা রাই তাখিবনি।

৮৮. মথক্তা পনখিবা মরমশিং অমসুং মথক্তা হায়খিবা ৱাফমশিং অসিগী মতুং ইন্না হায়রিবা পিতিশন অসিবু অয়াবা পীরে।

**জজ**